"কচ্ছবা"

ইপা ইবুংঙোগী খুরা খম্নাবা

মতম কুইখ্রে ইপা ইবুংঙোদি
ঙসি লাইরেপাক লমচম তান্নিবা;
লৈহৌরি নচা লাইবক থীবদি,
মপূগী তায়বঙপান মালেমসিদা,
ঙমজদ্রি কচ্ছবা করিমত্তা ইপাইবুংঙোগী
লৌবিয়ু লংনবীদনা "জাং ঙনবা" নোভেল,
লৈজদ্রি অসি নত্তবা অতৈ'মা নচাগী।

তোম্নবা নচা

রাম সিংহ

তাং ২।১।৫৪ ইং।

বাথৌদোক

ওসি, ঐখোয়গী পীক্লবা পোইরৈ মণিপুর য়া লৈবাক্তা যমিং চৎলবা, মমল য়াম্লবা ফাওরবা নোভেল কয়ামুক লৈরবা মতম অসিদা, য়াথল থেলবা, পাওত্রবা ঐগীসু ইথৌদাং শরুক অমা ওইনা মতম অমদা ঐগী য়াথল মঙানদগী পোকখিবা শাবী-শানৌ "নবকিশোর, যামিনী" অনিগী পোক্লফম লমদম অমস্তুং মপুন্সিদা কয়ম্না হৌমিন-কামিমরকপা অদুগা কাইনথংদা করি ওইখিবা, অসিনচিংবগী মরমদা থরদং চাউরাক্লা ১৯৫৩ ইং হৌগৎলকপদা ইজরগা নোভেল "জাৎ ওনবা" হায়না পোইরৈ মৈত্রবাক্তা নৌনা পুথোকচরক্কি। মসিবু মুংশিবীদুনা ইরুপ-ইপাংশিংনা করিঁগুম্বদা থেংনবিরুতুনা পাব্বিবা য়াওরবদি ইজবগী মহে য়াম্লে হায়না থজগনি

অইবা—

এল, রাম সিংহ

থৌবাল

তাং ২। ৭। ৫৪ ইং।

ইবুংঙো রামসিংহ!

ইবুংঙোগী "জাৎ গুনবা" নোভেল পাজরে। মসি মৈতৈ, সাহিত্যগী লৈচন মচা অমা শোইদনা ওইরগনি। ঐনা মরু ওইনা নোভেল অসিনা রাইটরদা অমসুং নৌনা হৌরক্লিবা মীপুম্ খুদিংদা ইনবগী উৎসাহ পিগনি হায়না আশা তৌই।

জয় হিন্দ

শ্রীডব্লিউ, নিমাইচান্দ সিংহ

টি, সি মেম্বর

থৌবাল,

তাং ১৬।৬।৫৪ ইং।

"জাৎ ওনবা"

—— ❋ ——

শ্রীইবেতোম্বচা রামসিংহজীনা, ইবা "জাৎ ওনবা" য়াম্বজৌরী-হাইরোং পাক্লে। মৈতৈ লাখাড়, অমনা খঙ্গোম্বনুবী মায়ম লৌবপী য়ারীনি। মসুদা মণিপুরগী সমাজগী চৎনবী-শাক হায়বনা কিক্কনবী মবানি চেন্নগা তাংখুল জাৎ ওন্দুনা লৈমিন্নখি। মচা নিপা অমত্তং পোক্লরগা অমাগা মপাগা কৈনা শোক্তুনা লিখি।

তেন্নবা পুন্সিগী য়ারী অসিনা—সমাজগী অমদি নহারোলগী দোষ খরা, উৎনন্নবা হোৎনবনি খল্লি। লেখক অসিগী অহানবা উপন্যাস অসি উবদা পুক্নিং থোৎলৎতবা ওমদে। অহানবদা "য়াখনগী লৈকোল" কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমসু ফোঙাত্রে।

হোৎনবা, কনবা নহায়রোনবু জগৎকী স্টেজদা তাঙা পীনৈ; ফমফম চাউনা থাক্লে। অদু ওইরবদি ঐখোয়গী নৌরিবা লেখক্লা হোৎনবা তৎনবদা করিগী ঐখোইগী সমাজনা মতীক ওকপা মনাদু কন্নিনী পীবীরোইদদগে?

ইম্ফাল
তাং ২২।৬।৫৪ ইং

কৈশাম কুঞ্জবিহারি সিংহ
সম্পাদক "ঙসি" দৈনিক।

"নিংশিংলুবদা"

ঐথোইগী চীং-তম মণিপুর সনা লৈবাক্কী ওইনা মতম অমদা থৌবালগী "ওঝা "নিমাইচান্দ" হায়না লৈবাক্কা শকথঙ-মায়থঙ-নবিশ্রুবা এম, টি, সি, মেম্বর, থৌবালনা ঐগী "জাৎ ওনবা" হায়বা লাইরিকসি ফোঙলমদাইদা থবায় হকচাং য়াওনা পাব্বিরগা য়াহৈ থরদং ইবিরম্বগীদমক লাইরেপাক্তা তিনবিশ্রুবা "ওঝাগী তৌবিমল ওইনা নোঙ্গক্কা থরম্মজরি।

ওঝাগী ঃ—

এম, রাম সিংহ

জলাই ১৯৭৯ ইং

জাৎ ওনবা

অহানবা মতাং

নবকিশোর অমসুং যামিনী অনি অসি ছাত্র অমসুং ছাত্রিনি। মতম অমদা মখোয় অনিমক ইম্ফাল শিংজমৈ চৌংঙা মথাদা লৈদুনা জনস্টোন হাইস্কুল অমদি তম্ফাম্না গার্লস হাইস্কুলদা তম্মগা ওাক্তনি। নবকিশোরনা মেট্রিক পাস তৌত্রে; অদুগা যামিনীনা ক্লাস নাইনগী পরিক্ষা থারমদাইদা তোকখিবনি। মখোয় অনিগী পোক্কফম লমদম "কিয়াম সিফাই" নি। ময়ুম থোইনা পংলাপ লাপ্পদে। সেংরোক্কী য়াংমা য়াংমদা লৈনৈ। নবকিশোরগীনা অয়াংদা অদুগা যামিনীগীনা মথাদা অসুমনা লৈনৈ।

হাম্মরিবা লমদম কিয়াম সিফাই হায়বা অসি মণিপুরগী মনুংদা ময়িং চৎলবা অচৌবা "সোরোক" অয়াং পাংনা ডিমাপুর য়ৌথ্রিবা অদুগা নোংপোকলোমদা য়ম্মা তাথ্রিবা অমসুং পলেস রোড্সু হায়না খঙনবা অসিগী নাক-য়েত্তা কাঙ্গপ মাইল অমা মথাইরোম লমলেন তাংজেং উচান পোকপী চৌংদগী হৌনা নোংপোক-লোমদা ইশ্নাং শাংনা হাওবা খুজিন ফাওবা তাব্রিবা ফজরবা লমনুংশি অমনি। নাক-য়েংবী দৃশ্য য়েংবদা পুক্রিং হুনা ফজে। অদুগা য়ুমসু য়ামনা কুংনা কুংনা অই।

লমদম অসিগী থা-নোংচুপতা ঈচেন কল্লবা খৌবাল তুরেলসু চেল্লি অমসুং অরাং-নোংচুপতনা মমিং চৎলবা হাইথৌ পাৎ লৈ। পাৎ অসি থা মচেৎ শানা অরাং-নোংচুপতা হাইকেৎনা নেম্নক চাং মাল্লনা হাংবা ফুনান চীংছা অমসুং তাংজেং চীংছানা ইশম শমননা ওমথে ওইখ্রি। হায়রিবা চীংছাংশিং অসিবু হাইথৌ চীঙোল হায়না খঙনখ্রি। অদুগা নোংপোক চীংখা পাংনা চীংশাং নাপোম কয়ামরুম অমসু কাইনাগী চীংছাগা শমনখ্রি।

ঈপাল থাদদি হায়খ্রিবা খৌবাল তুরেল অসি অকিবগী মশক ফংনা ঈচেন কল্লা ঈখিল ঈরৈগা লোয়নননা চাংজো পানা চেল্লি। অদুগা হাইথৌ পাৎসু ঈশিংনা মবুক পিক থল্লি। অমহিকসুং থরো থম্বালগী মনাতনা পুমশং শংই। মিস্তা অইংবা পোকপা ফজখ্রবা দৃশ্যনি অমদি অকাইবদা ইভিংবীশিংগীসু কুম্মৈগী মশক ওইরবা নিংখিরবা পুক্লিং নুংশিবা দৃশ্য অমনি।

যামিনী হায়বা নুপী মচা অসি ব্রাহ্মণ চনুনি; অখিবমনি। মথক্তা মচেম য়াওখিদ্রিবী মখাদা মনাও তান্নবী মবুং অরেংকী মনুংদা তাওনা মতোমতা অরোইবদা শাৎচরকপী মমোমলোই অমনি। মহাক্কী চহি ১৭তা মওাইরি। মশক মতৌসু য়ামনা চথোল্লি, থোইনদি পঙঙৌ ঙৌদে, কুলৈ কুচুনি। য়েংবদা (উবদা) নুংশিবগী মতৌ লৈ; মশম মনা তরু তরুই; মীয়াই ওইনা চাওই; নুপী মচা অমনি হায়বদা ফনা লেম্মী; য়াহে খোনকম কজেং লমচেৎ শাজৎ লুই; অইংবা শক্লি।

মমা মপানা খজিক লাইরমনখিবনা মহাকপু মতম শাংনা নীংথিনা লাইরিক তম্নবা ওমখিদে। অদুদগী মামিনী অসি মমান্নবশিংনা সোয়োক্তা নুমিৎ খুদিংগী শজু শজু হায়রকুলদা লাইরিক তম্না চৎনবা অদু নিংশিংলুরগা মপুক্লিং য়ামনা খোম্লরাং- লমই অদুগা "ছাত্রিগী পুন্সি" ওস্তানা লোইরেকো হায়না মথম্লাই ইনুং নুংঙাইতনা হম্লনা খল্লমই।

অদুগা নবকিশোর হায়বা অসিনা খাঙেম্মম মচানি। মহাকসু চহি ১৯ তমক ঙাইজরিবা নুপামচা অমনি। দগুমতী কৌথী মচন অমগা মহাক্লতা তাঙনা পোকচবনি। মশক মতৌসু ফজনা মফজৈ; পুবচেল খোয়জেনসু য়ায়া তপই; ছাওং ছাদাসু চুং ফীরান চানা নুপামচা অমা ওইবগী চপ চাবা ছাবান পাম্নি; হায়রপ চাউই; মীয়াইদগী খজিক হেন্না ব্রাং চাউই। অদুগা মচনসু হৌজিক থৌবাল এমঃ ইঃ ক্লুলদা ক্লাস ফোর তমজরি। মখোইগী ইমুং মনুং অসি মচিঞ্জাক কাবক কাবক মচাজরিবা ইমুং অমনি। অদুনা মমা মপানা নবকিশোরবুদি মীরৈবাক্তা থাদুনা কলেজ তম্নখিনি হায়নসু থৌরাংজরি।

তানবা ফংলরোই অতৈনা অমুক,
হন্দক মপোক লাংওনসিগী
ছাত্র—ছাত্রীগী নুংঙাইবা পুন্সি;
হৌগ্রবদা ছাত্র-ছাত্রীগী পুন্সি,
লাক্লরোই অমুক হন্না পুন্সিদা,
'দুগুমা ছাত্র-ছাত্রীগী পুন্সি;
লাক্লনি তুংদা শোইদনা নিঙমদবা।

ছুলগী অয়াম্বা মাইল অমি মথাইরোমনি। ছাত্র-ছাত্রীগী পুন্সিদা লৈকন তৌওাল ঙেওাল্লবসু মতম অমসুং লম্রী অয়াম্বা শরুক্ক তিন্নবমিনবা নবকিশোর অমসুং যামিনী মথোয় অনি অসি হায়ক্তুল তোক্লনা কাম্নিম্লে অমসুং তোক্লনা কুম্নিম্লে। মরক মরক্তা অকা অকুমগী লম্বীদা নুংশি-নুংওনগী ব্রারীগসু তাজা ফংবদা হেক হেক মপামিম্লে; খোইদোক্লসু ছাত্র-ছাত্রী ওইনবগী চৎমিন্নবা অদুদা ব্রারী ব্রাতাই শানবদু লায়না থোক্লমই। অদুগা মহা মহামা ইবা পাবা ওয়্রবমিনা চিঠীগাসু (নুংশি নুংওনগী) ইদুনা ইতত্তনা পীনরম্মী। মতৌ অসুম তৌদুনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মথোই অনি অসি নুংঙাইরবা ছাত্র-ছাত্রিগী পুন্সিগী অয়ুক অঙনবদা নুংশি পরে চেংনা কিশিন্নম্লে।

লাপ্পা চেন্দ নুংশিগী ঈচেল,
নক্লা চেন্নি মথোৎ কারকপদা।
য়েংদে মহাক্তি চৎনবী পল,
মনীং তমই মতম চুপ্পদা।
কপ্পী পাজল নুংশিগী ঈচেল।
ভমদে খিংদে কনানা মাবু,
চেন্নি চেন্নিংবা য়েংনা মাদি।

২শুবা মতাং

যামিনী লাইব্রেরিক তম্না তোক্লদুনা য়ুমগী থবক ইথাং নোমদুনা অমসুং ফিশা-লোনশানচিংবা হোৎনদুনা লৈরে। অদুগা নবকিশোরসু মেট্রিক পাশ তৌরবনিনা হাইস্কুল কাথিরে। হল্লকতুনা য়ুমদা লৈরে। মহৌশাগী মতৌওম্না নবকিশোর অমসুং যামিনী পুন্না চৎমিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নমিন্নবগী নুংঙাইবা খুদোংচাবা মতম অদু ফংনখিরে। মতম থরাদি য়ুম য়ুমদা তুম্মিন তুমিন্না লৈনরে। অনুম্না মখোয় অনি অসি কম্না কুইনবু লৈনবা ঙমগনি; মৈবু কিনা কুপতুনা মতম কম্না শাংনা থমগনি।

হাইস্কুল কাবা লেপরবা মতুংদা নোংমা নবকিশোরনা ম্নাচংলকপা মতমদা মহাক্কী লাইব্রেরিক পাকম কাদা চঙলগা লাজঃটৈন থাওমৈ অমা চুথৎলদুনা যামিনীদা থাখিনবা চিঠী অমা ইরে অদুগা পল্দনা চিঠী অদু পুদুনা যামিনীগী মতা ওইনাম সখি, ক্লাস টেন্দা তম্লিবী মহাক্কী য়ুমদা চৎখিরম্মী। মতম অদুদা সখিসু সরস্বতী পুজাগীদা য়ুমদা লাকতুনা লৈরি। মতা চারুদুনা সখি অসি মহাক্কী লাইব্রেরিক ঊরাইকম কা মথা অমদা লাইব্রেরিক পাদুনা লৈরম্মী। তাক্কা অদুদা নবকিশোরনা মনাক্তা চঙশিন্নদুনা "ইবেম্মা সখি! ঙসিদি, নত্তা যামিনীদা চিঠী অসিমতা য়োনবা

অমুক্তা পিছিঝো" হায়না চিঠি অদু মখিদা পিল্লয়ে, অদুগা "ইবেম্মা! ইবুং হল্লে" হায়গুমগথা খোল্লাজামনা খোকখিদুনা মহাক্তী মরুপ লাইক্লাব শ্যামা হায়বা জাস জমতদা তশিল্লরকপা অদুগী ময়ুমদা অমুক চংখিদুনা ওাইহাক ল্লারী ল্লাতাই খল্লদং শানরগা নুংদাংগী চাক-ঈশিং চান-থক্লবা মতম য়ৌরক্লদুনা ময়ুমদা হনখিরম্মী। অদুগা পীরল্লিবা চিঠীগী ল্লারোম্দি অসুম্না ইরম্মী।

ইবেম্মা!

খোইনৌগী নুংশিরবী যামিনী! নহাকওদা ছাত্র-ছাত্রী ওইনরিঙেগী মতমদা মওমির্মখিবা মওশিং অদু পুন্দিগী অরেম্বা তারগদ্রা খল্লুবদা অল্লাবনি। মরমদি ঃ— নহাক লাইব্রিক তম্না তোকপ্রে; অমুক হল্লা ল্লারী শাননবগী মতম লৈল্লে।

কল্লি খল্লি? অমল্লোমদা নং ঐ জাৎ শাল্লরমদুনা অহল লম্মনগী ল্লাথং থানগনি হায়বসু লৈল্লে। মরম অসিনা অরেপ্পা নপাউ অমা পীরকক্লুনা ঐগী চিংনবা পুম্না কোকহনগদ্রা হায়না খঞ্জরি।

নহাক্তী —

নবকিশোর

মতম অসিদা যামিনীদি ময়ুমদা কল্লম্না মওংদা কল্লি খন্দুনা লেল্লি? লাইব্রিক তম্না তোকবনিনা মমাংওেগুম মহাক্লা মথল্লাইদগী হেন্না নুংশিজরবা নবকিশোরবু উনদুনা নুংশি ল্লারী শানবগী

করম্বা লাইরক কনা মতম অমা অমুক লাকখিগদগে হায়না খঙবতনা মহাক্না য়ায়া য়াই চিন্নবা মখোদাং অমা ওইরম্মী। অদুগা করিগুম্বদা নুমিদাংৱাইরমগী তাঙাদা লৈরাং খোইমুদা পান্দম্লদুনা মখাগী য়াহৈ খরসি মপুক্লিংগী অম্বা ইশৈ ওইনসু কোংদোরকই।

ইশৈ

য়ামশিন্নক্লে লোইদাম থাবুম
উখিদবা খোইমুগী চেংলৌ,
লৈত্রবরা খাংজেংবা শমায় ?
পাইরকখিদ্রে লৈরাং নাক্তা।
মাওখ্রগদ্রা লৈনুংশি নংবু ?
লৈমল চনখিদুনা ওক্তা,
শাৎলুদবনা লমদম চানা,
ওইরগদ্রা লৈরাংগী মরাল ?
য়ারেদা লৈনুংশি মহাক্তি,
খনুবদা খোইমুগী য়াথল।

অসুম্না নুজা যামিনী চিন্তাগী পোৎলুম পুরদুনা য়ানা মতম লেপ্লি।

অদুদগী সথিনা চিঠি অমসুং মহাক্না লাইরিক পাকমদগী লালটেন থাওমৈ পায়রদুনা মমাদা, মতা যামিনীঃথাম্লদা লাইরিক অমতা লৈব্রা হংলুগে হায়রম্লগা চৎত্রে। য়ুমসু নৈক্লে, মনিং মমাংনি।

নুমিৎ অসি যামিনীস মহাক্কী নুমিৎ খুদিংগী য়াচংবগী থুপ থাওয়ে কংগা মতম য়েরক্লদুনা মাংগোন্দা থুপ থাউমে থারকুনা লৈরি। অদুগা মমানা কৈথেলগী চান থক্কবা ওা–চাক খরদং লৈক্করগা ওক্তানা কুপ্পকতুনা ইমুংগী ক্লুপ্পা নাক্তা মচা নুপা খরগা ফম্মিন্নরি। তাক্কা অসিদা সখিনা "ইতা! নহাক্কী পোইগ্রিগী নোউ অমা. লৈখিবদো লৈরিবরা ? লৈরবদি নোংমা নিনিদা য়েংনজগে" হায়না হংজিন্নরম্মী। অদুদগী যামিনীসু হরাও হরাওনা "ফনি ইতা! লৈখিবগুম তৌই য়েংশি" হায়না খুন্নকই। ওাংনখিবা ব্রা অসি যামিনীগী মমা অমসুং মবুংশিং অদুনা তারদুনা "অমুক্তা থিমিন্নৌ, অমুক্তা থিমিন্নৌ লৈরবদি খরা পীখো" হায়রকই। অতুগা যামিনীদি নহালমখৈ ঈখৌ ওাইগ্রিবী চেক্লাগুম নবকিশোরগী মপাউ হংনিংবা অমসুং তানিংবনা য়াগ্না খোরাংনা লৈজরিবা মতম্নি। অতুনা মতাং অসি যামিনীদদি ঈরুনিংবগা থোং তেকপগা মান্নখিরম্মী। অতুদগী যামিনী অমসুং সখি মখোই অনিমক য়ামিনীগী লাইব্রিক পাক্কম কাদা চংখিতুনা ফম্মিন্নগ্রে। অতুগা সখিনা লোম্ন "ইতা! ওসিদি; ঐ কনাগুম্বা মীশক অমগী পাখোল্লোই অমা ওইনা লাকচরিবীনি; ইতাবু উনবা নুংওাই-নবগীদমক লাইব্রিক লৈব্রা হায়না হংজিন্নবনি। লাইব্রিক্কী থোইদোকপা মরমদি লৈজদে। অতুনা সে, অমুক্ত লৌশিনবীহৌ, ঐ চংলগে" হায়তুনা নবকিশোরনা শিন্নরম্বা চিঠী অতু পুথোক্লক-তুনা যামিনীদা পী। মতম অতুদা চিঠা অতু নবকিশোরনা পীরকপা ওইরমগনি হায়না খল্লতুনা যামিনী মথক্কাই হরাওরম্মী।

অদুগা "ঙাইহাক্তা ফজিখোবা ইতা! নহাক অসিমা ওহোক্লা নুংঙাইখিব্রে, ঙসি নোংমতং চথোক্লকপদা; কৈদৌদে ঙাইহাকতা ফমীখো; হান্না য়ৌরকপগা হেক্তা চংকদবগী মোংনবাসিবু। ঙসিগী চিঠী অসিবু কনানা পীরকপনোনে?" মখোজ কীরি হান্নরিবনো? অমুকতা য়েংবু 'য়েংথোকমিন্নখিসি" হায়দুনা চিঠী অদু ফাকতোক-তুনা সখি অমসুং যামিনী মখোয় অনি পামিন্নরম্মী। চিঠী পাবগী মতম খিনিট্ট ঠরোমদং মচঙই। মতম অসিদা যামিনী শকহিম হুজিন্দুনা তুমিন্না রা মচেং অমা ফাওবা ঙাংদনা লৈরম্রে অমসুং লাইরিক পাফম কা মচা অদু মতোমতা লৈজবদৌনা ঙাইহাকতি পুমচিক চিকথিরম্মী। অদুদগী সখিনা অচিকপা অদু থুগায়রতুনা "হন্দক্কী চিঠিগী য়ারোল অসে ইতা! য়ান্না নুবা অমসুং অরাবগী মতাং অমনি। অদুনা ঙসি, ঐনা হায়জনিংবদি :— ইতানসু থোইদোক্লা হেন্নচুম থঙবিফম থোকপা" হায়দুনা মথাগী য়াংহি থরা অসি হায়খি। ইতা! ঃ—

চান্নবা লাক্ল কায়নবা লুই
নিংথৌ শেম্না য়াওনু, কনবা য়াও
শাবী শানৌ কয়াগীদি
থাংখিবা থোংকাপ অহানবা
পুন্সিগী মদুনা লেপকনি।
থজু মুন্না ইতা চান্নবী!
ঐবু কনাগীনো? কনানা ঐগীনো?

লোইজরে ইতা! অসিতনি, চন্দ্রগে লৈবীহৌ.রা" অসুন্না হান্নরম্লগা মহাক্কী লালটৈম থাওমৈ অদু পায়তুনা অমুক লাইরিক

শগুনগী খোকথরে। অদুগা, ঘামিনীগী মমা য়াধেদসু "হন্জরগে ইমা!" হায়রম্লগা মমুনদা চৎম্রে। য়াধেসু কয়ে, কয়ে ইথেম্মা! হন্না হন্নো হায়না খুমহৌই।

মতম অসিদা ঘামিনীদি চিঠীগী পাউথুম কয়া ইচুনা হনখিনদগে হায়না মপুক্কিংদা অতৈ য়াখল অতোপ্পা অমা চংদনা অচুম থন্দুনা লৈরম্মী। অদুগা মতা সখিনা হায়রম্বা য়াহৈশিং অদুদি মুয়া য়াম্না নিংথিনা তাহৌই। অদুদগী ভাইহাকুতং লৈরগা চিঠীগী পাউথুম ইরগে হায়না থন্নচুনা মথুত্তা কনম পাইথৎলবা মতমদা অসুম্বা মতোমতা হায়রকই—"ভসি, ইত্তা সখিনা চৎলমদাইদা হায়রম্বা য়াহৈ থরা অদুবু অসিরা? "ইতা ঘামিনী, কাউগনুকো ইতা!" অং চুম্মি, য়াম্না চুম্মি! ঐ ঘামিনীনি' ঐ য়াইঃ অদুনদি—হনখিনবা চিঠী ইরগে" হায়না ইথোকখ্রে। ইথোকখ্রিবা চিঠিগী য়ারোল্দি অসিনি।

ইবুংঙো!

চিঠি ফংজরে। য়াখল থেনবী নুজানি। কয়া ইবুংঙোগী চিংনবা কোকহনজগনি। মহৌশা লেপচখিবা পুন্সি অসিমগী অমুক হোংজরোই! ঐবু, ঐনা নহাক্তঙদা ইবুংঙোগী খুয়াখাদা কথোকচখ্রে। হৌজিক ঐ অসি কনাগী নত্রে।

মরম অসিনা পুন্সিগী অরা—নুংঙাই পুম্নমক্তা শরুক য়াজবা মচুতদি পীনবীবা ক্ষিপাউ শানা নিজরি। ননাই—

ঘামিনী

অদুদগী চিঠি অসি কনাদা কয়া কৈদৌউ পীখিনি হায়না খজিঙদা মমানা চাক খোংউরো থেংম্রে হায়না কৌরকখচুনা

যামিনীনা চিঠী অদু নিংখিনা খুপচিল্লগা মহাক্কী লাইরিক অমগী মরক্‌তা হাপচিনখ্রে। অদুগা খুনমক চাকখুমদা চঙখিদুনা চাক প্রপ প্রপ লোইনবা হোৎনরম্মী। অদুদগী ওাইহাক্‌তং লৈরগা চাক লোইরদুনা মহাক্কী মমা অমদি মবুংশিং ওয়মক কৌশিন্দুনা চাক চামিন্নরে। অদুদগী মহে মহে, মাগী মাগী, কমুং কমুংদা চঙতুনা তুমখ্রে। অদুদগী অহিংগী শরুক হৌখ্রে। নোংওামে মখোয় ওয়মক য়াহৌনরে।

হৌখিবা অহিং অসি যামিনীগীদি তুমদুনা ওাইহাক্‌তা পোখানবা মতম পীখিদ্রে। তুমদুনা পোখাবগা মহুত্তা মপুক্কিং অদু অরা নুংশিগী য়াখত্তনা ঈহৌরম্মী। অসুম্না যামিনী অহিং অদু য়াম্না য়ানা লেজম্মী। নোংওাজগা অমুকসু হন্না কনাদা করম তৌনা চিঠী অসিবু পীখিগদগে হায়না য়াখল পোখাবা লৈতনা খল্লক্কে। মতোমতা মহুাগী য়াখল জোলচবা য়ারে। অসুম্না মহাক্না ইজবা চিঠি অদু পিকম খওদনা অমসুং পীঃথাকপা ওমদনা যামিনী মহাক্কীনা অদুম নুপ্লিৎ তরানিমুক লেংদনা লৈরে।

যামিনী! ঈকাইবগী মৈনা কয়া কুইনা নহাকপু চুন্নুনা পোৎখাদনা চাক্‌তুনা লৈখিগদৌরিবনো? করম্না মতমদা অরা নুংশিগী মৈচাক অদু মুৎকদৌরিবনো? অয়াবনি যামিনী!

য়েংবিয়ু! ইকাইখীবী নুজা অমা ওইররনা মপুন্সিগী অরোইবা য়ারেপ্পু তানপ্রবা নুংশি পাউখুম চে অসি হনখিবা ওমদনা অসুম খুনাং চাদুনা লৈরক্লিবা অসে! অদুনু কন্নিওনা মতা অসি খোইদোক্সু মঃখাৎ করকপী নুপী মচা ওইখীশিংগীদি লৈতেংনি। যামিনী মহাক্কী শরুক নত্তে।

তগুবা মঙাং

মতম নুমিৎ তরানি থা মথাইমুক যামিনীদা পীখিবা চিঠীগী মরোল হন্নকপা ঙাইদুনা নবকিশোর ময়ুমদা লৈরম্মী যামিনীনা চিঠী মরোল অসি অমুক হন্নকন্নবদা ইংথমা লৈবা ঙমলকল্লে। মপুরিংদা যামিনীখোয়দা চৎনিংবগী রাথল অমা চাউনা পোক-খিরম্মী। অদুগা অমংরাম্মদা হাল্লশিংনা মীগী ময়ুমদা কোন্নরকবা হান্নবা অসিসু থোক্কিদারা রাম্না কোন্নমা থোক্লম্মী। মসি নবকিশোরদসু অরাম্ববা থবক অমা নৎলমদে। অদুবু নুংশিবগী ঈনোৎমদি অস্থুম অস্থুম চাং হেন্না কাররকপনা নোংমদি নবকিশোর মফি মরোল শেৎশিল্লে; অদুগা মখুত্তা লাইরিক মচা অমা পারশিল্লদুনা থৌবাল কৈথেল কানবা মতমদা হাল্ল অমগী মওংদা ইচম চম্না মহৌশাওয়া যামিনীখাইরোমদা চৎল্লে।

অমরোমদা যামিনীনা মতম অসিদা মাঙোন্দা ইয়োং ফি শান্দুনা লৈরি; অদুগা মমা রাধেনা কৈথেন্দা চান থল্লবা ঙা-চাক্কচিংবা ইহাং-নাপী লৈরুগদবগী মফি মরোল শেংচিল্লদুনা ফামেনগী উখোকচেন মনাকৃতা ফমদুনা পানা মতপ অমতং চাখিগে হায়দুনা পানা কাপোক্তগী পানা তম্নি। অদুগা মবুংশিংসু থরা অমদি চৎথোকল্লি, থরা অমনা ইখোল শংবমগী থবক ইথাং নোমদুনা লৈরি। মতম অসিদা যামিনীগী মবুং রাজাওদি লংকৈ চৎখিদুনা ময়ুমদা লৈরমদে।

তাঙ্গা অসিদা নবকিশোর মখুত্তা লাইরিক মচা অমা পাররুনা মফি-মরোল মাসা শেংলগা যামিনীথোইনী মখুমদা লাকল্মী। যামিনী, নবকিশোর লাকপা উবদা ইকাই নুংশি য়াম্বিদুনা মত্থা অদু ছমাং মরীক মরীক শৌরল্মী। ইয়োংদ ফি শারঘা অদু থওহৌদনা লেপখি। অদুদগী মমানা তরাম তরাম্না "ইবুংঙো" নবকিশোর, লাকইবরা?" হায়না কৌরল্মী। নবকিশোরস্তু "অহোই ইমাবু" হায়না থরা কোইরম্না খুমল্মী। অদুগা "নবুংগী ফিদা অমতা পুরকউ-ইবেম্মা!" হায়দুনা যামিনীনা ইমুংদগী তরু-তরুবা ফিদা ফক মচা অমা লৌথোকলদুনা থারে। অদুগা য়াম্না ইকাইবগা লোয়ননা "ফিদারোমদা লেওশিনবীবু" হায়রল্মী। মতাং অসিদা নবকিশোরস্তু ফনি হায়না হায়ফেৎ ইকাইবগী মতা জাৎ অমা ওইনা ফমখিরল্মী। মমানা "খুদোংগাস্তু হায়ু ইবেম্মা! হায়রকই। নবকিশোরনা "থকচদে ইমা! তৌবিরকনু" হায়না খুমল্মী। অতুদগী পানাগাদি চাদ্রা ইবুংঙো?" হায়না হংলল্মী। নবকিশোরনা "লোইনা ওকত্রে, য়াবে ইমা!" হায়না খুমল্মী। মতম অসিদা যামিনীস্তু মহাক্কী ইয়োং ফি শাফমদা অমুক চওদুনা ফমল্লে। অদুগা যামিনীগী মমা য়াধেনা "করি চা-থক্কনি, ইবুংঙো লেওওকপদি" হায়রল্মী। নবকিশোরসু 'য়াম্না নুংঙাইজরে ইমা! হায়না খুমল্মী।

অদুদগী য়াধেনা "থওত্রেদা ইবুংঙো! ইমাথোয়সু থক্কাই অসি ইনুং-নুংঙাইত্রে। নচনসু লাইরিক তম্না তোকহল্লে। য়াগী পাবুংনলা লংফেদা লৈখিবনে, লায়রবা অসিনা তৌনিংঙাই ইলে লৈত্রে। অরাবগী অরাবা ওাক্তা মওাইদিরকে। অরৈবা থরনা

চঙল [illegible] পুন্সি [illegible] লোংয়ম–লোংমগী [illegible] অসুম [illegible] [illegible] [illegible]। করম হায়নবু পানগদৌরিবনো [illegible]" হায়না [illegible] নুপী যামিনীনা লাইখ্রিক তথা তোকপগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শারম্মী। নবকিশোরসু "[illegible] ইমা! [illegible] হায়বসি অরা নুংঙাইদ্রি কয়াগী ক্রিকম মতুংইনা চৎপা [illegible]! অমুক লোকপা অমুবা কপ্পা; অসুম্না পুন্সি অসি লেনবা হায়বদুনি। পুম্নমক অসিগী অরোইবা ওমখে মতাংদি শিবনিদো ইমা! অতুনা শিদ্রিফাওবা রায়বসু নুংঙাইরবসু থাওবা তাই!" হায়না যামিনীগী মমা রাধেগী রারী অতুদা মতেং পাংলম্মী। যামিনীসু রারী অসি য়াম্না মুম্না তারম্মী। অতুদগী মমা রাধেনা "অং চুম্মী ইবুংঙো! অতুদা তাই। ঐখোয়না নুংঙাইগে অমসুং য়াগে হায়বা য়াবা নত্তে" হায়না খুম্নকই।

অসুম্না ভাইহাক্তা রারী-রাতাই শানরগা যামিনীগী মমা রাধেনা "অতুদি ইবুংঙো! ইমাসু থোৌবাল কৈথেল্দগী চান-থক্কবা ইশ্বাং নাপী ঙা-থুম লৈবা ভাইহাক্তা চৎলুখিগে। মবুংশিংসু মথা থংবা ইশ্বাল অসিদা থবক ইশ্বাং থরদং হোৎনতুনা লৈরিবনি, চঙওক-অনি ভাইহাক ফমহৌথো কো" হায়রম্লগা কৈথেল চৎখিরম্মী। নবকিশোরসু "য়াম্না ফনি ইমা! লেঙবিক" হায়রগা অতুম ফমতুনা লৈহৌরে।

[illegible] নবকিশোর অমদি যামিনী মখোই অনিদা ভাইহৌরে। [illegible] নুংশি–নুংঙনগী মরমদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] মায়োল অতু [illegible] [illegible] [illegible] নবকিশোরনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] যামিনী! [illegible] পুলিন করিনো?

ওসিদি অশেংবা থংজনিংই। অদুনা ইবেম্মগীদা লাকচরিবনি। চানবীতূনা, চিঠী অমতং থাজখিবসু মতম থা মথাই অমরোম ফারক্কবা ফাওবা করিগুম্বা ময়োম অমতসু হনবীরক্তে। অদুনা মহৌশাগী পুকচেল অদু লাইরিক তম্বা তোকপিখিৎতেদগী অমা অমুক হোংবিগ্রবসু ইছা লাকচরিৎতে অসিদা চিংনবিবা লৈতনা শেংদোকপীয়ু" হায়রম্মী।

যামিনী, পাউখুম থুনা হেক পিবা ওমলমদে। ওাইহাক ব্রাংলেন মিৎকুপ থরদং মরু-মুকথতূনা থল্লগা য়াম্মা ইকাই নুংশি য়াম্লনা "ওাকপীয়ু, ইকাই থীবী নুজানি। মমাংৎতেগী পুকচেল ওসি ফাওবা হোংজদ্রি; শিবা ফাওবদসু হোংজঃরাই। অদুগা চিঠীসু মতম চানা ফংজে। পাউখুমসু পুক্লিংগী মতুং ইন্না ইতূনা থমজরে। অদুবু পীক্কম খুওদনা অমসুং পীথোকপা ওমজদতূনা নিওোল কাদা লোৎচরি। থৌজানবীতূনা, ওসি পুক্লিংগী অরেপ্পা ব্রাবু ইজয়বা চিঠী অসি হরাও হরাওনা অমুক্তা লৌবিয়ু" হায়তূনা যামিনীনা মথানুংদগী চিঠী অদু পুথোরকতূনা নবকিশোরদা পী। নবকি-শোরসু কল্লিমতা লৎনবা তৌদনা যামিনীগী পাউখুম চে অদু হরাও হরাও লৌতূনা মহাক্কী ফুরিৎথাওদা হাপচিনখি। অদুদগী ফরে; অদুদি যামিনী! ঐসু হল্লগে। ওসিদি ইখোং থোওনা লাকতূনা নহাক্কী পাউখুম চে লৌজরে; ব্রারৌনুকো যামিনী! নহাল মখে পীকম খুওদনা অমদি পীথোকপা ওমদনা নিওোল কাদা য়াম্না ব্রানা লৈরমদো ওসিদি খুদোং চাবগী তাঞ্জা অদু ফংবিরেদনা। অদুনা পুক্লিং নুংওাইনা ব্রাই শংনা হরাওনা লৈবিহৌরোকো হায়রকই।

মতাং অসিদা যামিনীসু "হায়রিবা, পুরমক [illegible] [illegible] চাবা ইরান্নি হায়না কন্নি অমতা চিংনজবা [illegible] [illegible] পাউবিনু! য়ায়ৌবিনু অদুগা করিগুম্বা অমতা হায়জলে। কুমদি শ্রীপঞ্চমীদা লাই থুকম্বা লেগুবিরোইদ্রা? ঐখোয়গী লৈকাইগী *ইমাচনবীশিং, ওইনামগী ইতা সখিখোইনচিংবা মরাম অমা 'কাইনা'* থুরুম্বা চৎনপদৌরি। মসিদা ঐসু য়াওজলে হায়না খল্লি। লেগুমিয়কসি হায়বগু য়ায়া নীংবা কায়বীগদৌবা লৈ-মাকপ্রা? হায়না য়া অমুকসু নোৎলম্মী।

মতম অসিদা নবকিশোরনা—নীংশিংবিরিবা অদু য়ায়া নুংঙাইজরে; ইরাইবক্তুম ফবনি। শোয়দনা চচ্চগনি। ঐদি নবকিশোরনি, যামিনী নচ্চদে'' হায়না পাউথুম পীরকই। যামিনী মপুক্কিং খজিক ইকাইবা পোকখি। অতুদগী "ফ:রনে চৎচরগে" হায়রয়গা নবকিশোর হনয়্রে। যামিনীসু মপুক্কিংদা ইকাই নুংশি য়ায়না লৈহৌরে। অদুদগী নবকিশোরনা থোজ্জাল য়োৎপ্রবা মতমদা যামিনীনা হায়রকই—উম, ঙসিদি ইতোমতা থাকচখিবা লাং ইতোমতা থুজরে।

খনবীয়ু! নবকিশোর অমসুং যামিনী মপুক্সিগী নুংশি লানফমদা মৈত্রবাক্সী চৎনবী পল নমথেরুবা হোৎনবগী লাম্বা পাবদা করিগী মতিক চারোই হায়নিংঙাই লৈবগে?

৪শুবা শরাং

নবকিশোরনা যামিনীখোইদগী হনখিদুনা ময়ুম লৌরগা কন্যাগী লাইয়িক পাক্কম কা অদুদা চঙখিদুনা মতোমতা চীক্লা কল্লগা যামিনীনা পীখিবা চিঠী অদু ফাকতোক্তুনা পাক্করে অদুদগী খঙহৌদনা মমিত্তগী মপি চদুম চদুম তারদুনা য়াম্না মথক্কাই শোক্লা যামিনীবু নুংশিবা য়াহৈনা হায়রকই—"ওঃ যামিনী! ইবেম্মা! নপুক্কিগী নহাক লোইরেকো! নহাক্তি ব্রাহ্মণ চনুনিদো; অদুবু ইশুংলাক্তি নুংশিরবা নহাক্কী ইমা, পাবুং অমসুং নবুং তরেং কায়নবা। অদুগা চান্নরবী কৈরোই-লৈকাইগী খোইনৌগী সখিনচিংবী নমান্নবী বয়ামুবন্থ শেংনবা অমস্তুং পোক্কফম লমদম নুংশিববু হন্দোক্নম্না তারবা! মরম.দি ঃ—ঐখোয়় মৈত্রবাক্কী য়াংনা থিংজ্রবা চংনবী পলগী ঈরাংমদা নং, ঐতা লানমিন্নবগী মতম অমা শোয়দনা লাক্লগনি। মতম অদুদা পাজল শোন্নবী নুজা যামিনী নহাকপু ইমাং থানা পুবিবদা "য়ায়" হায়রক্লোইদ্রনে নুংশিরবী নংবু? হাযযুনে যামিনী!

অদুগা অমবোমদা, যামিনী! নহাক্কী পলেম পম্থৌ অমস্তুং নবুং তরেং অতুনা নহাকপুদি অহিংদা থোকপা মেঙলবা থাজত্তম অমদি নুংখিলদা ঙানবা লংলবা নুমিৎকুম নতোমতা তাঙনা অরোয়বদা য়াওরকপীনি হায়দুনা নহাকপু উরকল্লবা মতমদা

[illegible] ফেংলুনা [illegible] তাদুগ [illegible] [illegible] ! [illegible] ইংলেন্দ্রী হৌরেং তুং কাওবা মুখিং পাক্ষিকীম [illegible] জাতি মাঙহিং কাহৌরনি।

ও ঃ অসিরা ? শাবী—শানৌ কয়াগী মুংশি ইচেল হায়বদো মতম চাওবরা নবকিশোর অমসুং যামিনী প্রমিলীদু। হং হরে, যামিনী ! হৌজিক মহাক অসি ঐগী অনিগুবা থক্তাইমি। খণ্ডলে পুন্সি অসিমগী অমুক হোংবা য়াররোই !

অসুয়া নবকিশোর হাংলেন পুংজা অমরোম যামিনীগী হাথদা লুপতুনা লৈকরে। অতুদগী ওইহাক লৈরগা হাথয়া চোকথত্তরবা নবকিশোর, মমানা চাক লোইরতুনা চারগা তুমগ্রে নবকিশোর হায়গী নবকিশোর অমুক ওইখিগ্রে। মহাক্কী পুক্রিং হাথল পুংওন ওনগ্রে !

য়েংউ ! মতাংসিদা লাইরিক পাখিরিবা ইবুংঙো, ইবেম্মশিংনা উবা ফংবিগনি। নবকিশোর অসি মৈত্রবাক্কী চৎনবী পল করিনো ? হায়বা ইখও খওসবা ছাত্র অমদি নত্তে। তৌইগুমসুং মথোৎ কারকপগী মতম ওইরকপা হায়বা অসি খওনা খওনা অমসুং উনা উনা থিংবা ওয়হৌদকপগী চৎপা ওাক্কি। কুইরয়োই নবকিশোরবু করবা মৈত্রবাক্কী চৎনবীনা চাংয়েং করামুক তৌরক্কদৌরে। মতমংদা মহাক্কী মথৌনা করয়া পাংথোকপগে হায়বা মতৃসু খওবিরগনি। অতুগা পাজন শোত্রবী নুজা কাপ্রিকী মহাক্বত্রীসু জগ্গানি। করি অমুক থোইনা য়েৰবা জৈতে।



যামিনীনা পাবুং স্নাজাও লংফেদগী খুৎলমদা [illegible]
মহাক্না লংফেদা লেপ্লিঙৈদা মহে-মশীং হৈবা, শাগে-জাৎ [illegible] ইনাক-কৈরাকস্তু খুনবা ব্রাহ্মণ মীশক কয়া কয়ানা যামিনীবু পীয়ু হায়দুনা যামিনীনা লাইরিক তয়া তোকপ্লিঙৈদগী হৌনা তোয়না তোয়না লাক্লরম্মনি। অদুবু মমা অমসুং মবুংশিংনা পামজবা কয়া য়াওরবস্তু "পাবুং লাকথিসনু" হায়দুনা থ্রিংদুনা থমলম্মী। অদুনা মখোয় পুন্নমক স্নাজাওনা লংফেদগী লাকপা ওাইদুনা লৈনরম্মী। অদুদগী লাক্লে হায়বা পাউ অসি তানরদুনা মখোয়শিং অদু অমুক মহৌশাগুম লাক্তুনা যামিনীবু পীয়ু হায়দুনা স্নাজাওদা তক্লরম্মী। মতম অসি যামিনীসু থাজ-য়েংজবগী মতম চারবনিনা মখোয়না পামজবা মতীক চাবা মহে-মশীং হৈবা, শাগে-জাৎ ফবা, অদুগা মচিঞ্জাকসু কাবক কাবক মচাজরিবা ব্রাহ্মণ মচা অমদা যামিনীগী মপুক্লিংসু নিংথিনা থংদনা য়াথং পীথোকখ্রে। অদুদগী শকথঙ মায়খঙনখ্রে। ব্রারোইপোৎ পুখ্রে; অদুগা লুহোংবগী অফবা নুমিৎনচিংবগসু য়েংদুনা লেপথোক্লখ্রে।

যামিনীদি, "ইমা, পাবুং অমসুং ইবুংশিংগী থৌজাল নিজরি। য়াথং অদু অমুক্তা হায়দোকপীথো। মীগী মচা অদু ব্রাহনবীগনু। অমসুং ইকাইবসু পীবিগনু; ঐগীদি ইপুক্লিংনা পামজবা মহাক অদুদা মতম চানা পীবিয়ু মদুদং ক্ষিগাউ শানা য়াজরি" হায়না য়ায়া তোয়না নোমুক্লা হায়জখি। মতম অদুদা যামিনীনা হায়জখিবা

পুন্নমক অদু করিম্তা ' থৌওই ঙ্গাওইনা তাখিখিদে। অদুম মখোয়না লেপখিবা অদুনা কৈ হায়খ্রে। অদুনগীদি নোংমা নোংমা হৌখিদুনা লুহোংগদবা মতম অদু অসুম অসুম নকশিল্লক্লে। ফাইরেনগী পুনিমা (থাবুম) মতুং নিনি কোনবদা হোংগদবনি। অউনপোংনচিংবা পুন্নমক নীংখিনা শেম শাদুনা [illegible]।

মসিবু কনাগী মরাম্নো? ঐখোয়গী মৈতৈ ইরৈবাক্কী চৎনবী মরক্তা অদুগা অতে অতে মীরৈবাক্কী চৎনবীদসু অসি মওাই। "নুংশিবা হায়বা অসি শেম্বিদুনা খক ওইবা য়াদে হায়বা মুন্না খঙনা খঙনা নিংথিনা খঙদে।

নবকিশোর অমদি যামিনী মখোয় অনিগী নুংশিনবগী থাক অসি, অসুক্কী মতীক ব্রাংখ্রে হায়বা কনানা খঙগনি। মসিনা তুংদা করি থোক্করগনি?

অদুগা অমরোমদসু যামিনী অসি থাজ য়োনজবগী মতম য়োরদুনা অতোপ্পা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ মচা অমদা থাজখ্রে হায়বা পাউ অসি যামিনীগী মতা ওইনাম সখিদগী নবকিশোরনা ফংলম্মী। অদুমকপু মহাক মহামক্ক হরাও হরাও য়ারমগনি হায়বা অসি খজিক থাজবা ব্রাৎলম্মী। মরমদি ঃ-"যামিনীনা মহাকপু থাদোক-তুনা কদায়দসু চৎখিরোই; অতুগা কৈদৌঙৈদসু উনা উনা লোৎখি-রোই; মহাক্কী মবুকচেল য়ায়া নিংথিনা মুন্না খঙই" হায়না খল্লম্মী অদুম্নদি ওইরগা যামিনীবু অমুক্তং উনবদি পায়ম্মী। করম্বা মতমদা কমদোনা উনগদগে? শ্রীপঞ্চমী নুমিৎ (ফাইরেন থাগী ৫নি পানবা) নত্তনা মতমগী থুদোংচাবা অতে নুমিৎ অমা লৈদ্রে হায়না খল্লদুনা শ্রীপঞ্চমী নুমিৎ ভাইতুনা লৈরি। শ্রীপঞ্চমী নুমিৎ ৭নিদা মওাইরে

অদুনা লাইখুরুম্বা চৎথিন্নবদা থামিনীগী অরোয়বা য়্যারেপ তানগনি হায়না য়াখল তৌরঙুনা নবকিশোর পোত্থারি।

অসুম্না নুমিৎ তরেৎনিদা মণ্ডাইরবা শ্রীপঞ্চমী নুমিৎ অসি নবকিশোর মহাক্কীদি চহি তরেৎমুক য়াৎলিবগী পান্দম্নি। অসুক তেঙ্গবা মতম অসি কয়া শাংনা নবকিশোরনা ভাইওমদনা লেন্‌বা তারবা। অমহিকসুং থামিনীগী মপুক্কিং অদুনা করি ওইরিগবা?

ওথবা মতাং

বসন্ত ঋতু হৌরক্লে, ফাইরেলগী শ্রীপঞ্চমী নুমিৎনি। নুমিৎনা নোংপোকথংবা অতিয়াদা তম্মং তরং হৃন্দোরক্লে। মীওইবগী পুক্কিংসু বসন্ত ঋতু ওইরকপনা য়ায়া মকা লাম্লরম্মী। থোইদোক্লসু শাবী শানৌশিংগীদি অহোইনঙুম হয়াও মথাই কায়রম্মী। নুমিৎ অসিদা ওন্তা ওন্তা য়াহৌনরগা ইরু মাইথঙদুনা হকচাং শেংদোকনরগা লাইকম লাইকম খুদিংদা লাই খুরুম্না চৎনগদবগী লম লম পুম্নমক্তা মীপুম খুদিংমক মহে মহে ইলাং লাংনরম্মী। মতম অসিদা নবকিশোর অমদি থামিনী মখোয় অনিসু "কাইনা" খুরুম্না চৎকনি হায়রঙুনা কৈরোই-লৈকাইগী মমাং মমায়বা মকপ মপাং কয়ামুক্তা লোয়নমিন্নরঙুনা নুমিৎ মাঙোল মন্নাই য়ৌরকপদা মতম অদুদা চেং থোইদিং লৈ-ও থরা থরা পুনরঙুনা ময়ুম ময়ুমদগী থোকমিন্নরক্লে।

মতাং অসিদা "কাইনা" হায়বা অসি মৈরবাজী মীয়ায়া খঙনরবা ওাক্লি। মসি "ঋষিমুখ পর্ব্বত" অমদি "ভাকর মুখ পর্ব্বতসু" কৌবাঃ অদুগা হৌজিক্তনা "লোইবী লিশম লোক" হায়না খঙনরিবা অরাংবা চীংজাও অসিগী চিংখৈ পাংনা হায়থখিবা চীংমায় নাপোম অমগী থেন ওইবা কাচিন অমদা লৈবা, শ্রীগোবিন্দজিউবু নিরুপণ তৌখিবগী মফম (খুঙম) অদুনি। লমদম অসিবু ফজখ্রবা "কাইনাগী চীংলেল" হায়না খাই পুয়মক্কা খঙনরি। অদুগা মফম অসিদগী শ্রীগোবিন্দজিউবু করম্বা মতমদা কনানা করিনা মরম করিদগী নিরুপণ তৌখিবগে হায়বগী নিংথিবা ৱারী ৱাখোংসু অয়াম্বনা খঙনরিবা ওাক্লি। অমুক হায়রুবগী থোইনা কায়দ্রে।

অদুদগী মায়ওন নোংপোক পাংনা সোবোক্কী মতুং ইমা লমলেন হাওখা খুজিন ফাওবা লাক্লগা অমুক চীংখৈ পাংনা হাইথখিদুনা অচৌবা লৌবুক-লঙ্গাং অমা শমদুনা লোইবী লিশমলোক অমসুং কৈয়ানুবী চীংগী চীংখোং তাগ্না চৎনখ্রে। অদুগা মখোয়দা নত্তনা অতৈ মীয়ামসু শঙ্গু শঙ্গু পরেং শানা "কাইনা" লমদম পাংনরি। ঋগবী-মগ্নাও কয়া কয়াসু লৌবুক লঙ্গাং অদুদা শরুপ শরুপ নাইনা শজিক চারি। য়েংবদা লৌবুক লঙ্গাংগী দৃশ্য, পুক্লিংদা মায়া নুংশিবা পোকই। পাক্লবা অঙৌবা চরুখোক মরক্তা নাপী হৌবা অশংবা লৌরি ময়াম অমনা কৈ-য়েনগী পোরম য়েকপঙম নীংথিহল্লি।

অদুদগী মীয়াম অদু অমুক লেঙ-লেঙ চৎপা অশংবা হাউনানা নেম্পক নেম্পক চাং মান্নবা হৌখ্রিবা, অরাংবা লোইবী লিশম-লোক্কী ওমখ্রবা নোংচুপ থংবা চীংমায় নাপোম অদুদা অরাং কৌক্র

পাংনা থেক্লা কোইনা চীংদোল লোম্বা ফাওবা হাইগৎল্লিবা খুন্নবা লম্বী, উয়ুং পাম্বী, খাগী নৈহাও পাম্বী অমদি হৈগ্রু পাম্বী হৈজাং, সোলোম, চন্দ্রা পাম্বীনচিংবা কয়ামরুমসু পরেং শানা লন্তক লন্তক লম্বীগী মতুংইম্না নাক য়েন্তা হৌল্লিবা অতুদা ফুরুপ ফুরুপ নাইনা পরেং পরেং শানা করক-করক ইম্বনা মখল মচু কয়ামুক্কী চবুণ চবুণ শাৎপা শীংেল নাচোম লৈগুম অমসুং ককচেংশিংনা মরী মরী মরাম পুত্নুনা চৎপগুম লোইরোই লোইরোই লম্বীগী মতুংইম্না লোইবী চীংদোল লোমখিবা অতুদি কয়াগী মতিক ফজল্লিবা! য়েংবদা পুকনিং হুনবগী মশক ওইরবা দৃশ্যনি। অসুম্না চীংমায় অদু বসন্ত ঋতুগীদমক নীংথিনা লৈতেংগ্রে।

অদুদগী মীয়াম হত্তু মাইল মখাইমুক্কী অওম্বা চীংলম্বী হাইগৎত্নুনা লোইবী চীংদোল লোম্নরবা মতমদা উরে। থোইনদি পংলাপ লাপতনা অংতাঙ্গা গোইয়ৌ চীংশাংগী চীংমায় নাপোম অমদা "হোই" লাউত্নুনা চীংদা তোংবা হাওফি শেৎলবা পোইরৌ হাও নুপা নুপী কয়ামুকনা য়োৎপাক অমমম পাইরগা মখোয়গী মনাৎ শিন্থা ওইনা থুৎলং পান্নৌ য়াল্লি। মদু য়েংদুনা অওম্বা চীং কারকপদা য়াবনা চোকথনরবা মীয়াম অদু ভাইহাক ভাইহাক্তং ফমদুনা পোথানরি। মতম অদুদা হাওগী খুলং পাম য়ানবগী ললাওখোল অতু তাবদা শাবী-শানৌ অনিশ্বকৃতি মপুকনিং মপুকনিংদা নুংশি নুংওনবা পোকনখিরম্মী। অমসুং খুঙহৌদনা মমিৎ মমিৎতগী মশি শিন্নুনরম্মী। মতুনা মখোয় অনিগী মপুন্সিদা করি করি থোক্লগ-দৌরিবা! হায়বদি তায়বওপান মপুগী করম্বা নোংদমখোল লাক্লদৌরিবা! হায়বা অতুদি কনা অমতনা খুওনরমদে। অদুগা মংখাই মহা-মহাসু করি অমতা খুঙজবা নত্তে।

অতুদগী অমুক অশোঙবা অমংবা উয়্লাক ব্রায়োক অচৌবা অমগী মরকৃতা সমদুনা লোকপানগী লম্বী মচা অমগী মতুং ইন্না নোংপোক মৈরম পাংনা হায়থনখ্রে। অমসুং চীঙ্খাংদগী অমুক অব্রাং ওন্দুনা ফেলৈননা চৎখিতুনা পুক্লিং হুন ক্লজরবা কাইনাগী চীঙোল, হায়ফেং থেন মান্নবা চীঙ্খোঙ অদু য়ৌনখ্রে। অমুম্না হায়থখিবগী লম্বী অসিগু থরা থেক্লা কোইনা চৎখিবনা মাইল মথাইমুকৃতগী কয়া তাদনা শাংলম্মী।

অদুদগী মীয়াম অতু শ্রীগোবিন্দজিউগী নিরুপণ তৌখিবা হৌজিক ফাওবা হৈরাংখোই অমসুং হৈনৌ পান্বী কয়াম্ক্লী ময়াইদা নিংথিরবা পামেন থৈবোং পান্বী অমা ওইনা হৌরিবা মফম অদু তান্না চঙশিন্নখ্রে অমসুং মহৈ মহৈ মাগী মাগী চেং থোইদিং লৈ-শুনটিংবা পুথোক্লদুনা লাইফমদুদা কৎনরম্মী; অদুগা মানা মান. নিনিং নিনিংবা অপাম্বা খুদিংমক নিনতুনা লাই খুরুম্নরম্মী। মতম অসিদা কনাগুম্বী মথোৎ কারক্লিবী নুপী মচা অমদি অসি হায়না অনিংবা অপান্বদু নিখিরম্মী।

"হয়েং মতম অমদা,
নুংশিবা মগুং লাঞ্জি
কন্না চেকশিন্না থারিবা
ব্রাংলবা পরোল লানবদা
তুংইজবা ঙমজবা
পীনবীয়ু 'সিতদি,
পাল্লল শোনবী নুজাদা।"

অসুম্না লাই খুকম্না লোইনরবা মীশিংনা অমুক মাগী মাগী লাকমিন্নবা কাংবুশিং অদুগা লোয়নননা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখিরম্মী।

অতুগা অতোপ্পা পাখঙ লৈশাবী কাংবু অমদি নোংগোক পাংনা চৎখিতুনা পোইরৌ খোংজিন লাম্থোকল্লে অসুদগী ল্লাংখেম লমদম য়ৌগ্রে। অতুগা অমুক ল্লাংখেম খুপ্পা ফাওদোক্তুনা য়াইরিপোক লম্নী অচৌবা তাখিরম্মী। অদুদগী মমাল্ল মখা ওন্দুনা অমগা অমগা নুংঙাইনা ল্লারী-ল্লাতাই শানতুনা থৌবাল কৈথেল তান্না লাক্লরে; অতুগা অমুক অল্লাং পাংনা থৌবাল খোং অচৌবা লাম্থোক্তুনা ল্রম্না রোডকী মতুং ইন্না মাইল অহুয়োম চৎলগা মহে মহে ময়ুমদা চঙনগ্রে! হায়রিবা মতম অসি থৌবাল কৈথেল কানবা মতুং খরা ওইরপ্পা থোক্লম্মী। অদুগা কাইনাগী চীজোন্দগী ময়ুম ময়ুম য়োনখিবা লম্নীগী অশাংবা অসি মাইল তরুক তরেৎলোম ওইগনি।

অসুম্না লাই খুরুম্নরুয়গা মাইল তরুক তরেৎকী লম্নীদা মতৎ মতৎ নুংঙাইনা ল্লারী-ল্লাতাই শানদুনা হনমিন্নখিবা পাখঙ লৈশাবীশিং অতুগী মরক্তা নবকিশোর অমসুং যামিনী মংখায় অনিসু য়াওগ্রে। অদুগা মতম অতুদা মংখায় অনিসু অসয়া ল্লারী ল্লাতাই শান্নখিরম্মী।

নবকিশোর—ইবেম্মা যামিনী! ওসিদি, করিগুম্বা ল্লারম অমতং হংজনিংই; অতুবু লম্নী ল্লানি হায়না ল্লারৌগম্রা?

যামিনী—য়াম্না ফনি তাকপিসি, ইরাইবক্তুম ফবনি। পাউখুম মতীক চাদ্রবসু ঙাকপিগনি খঞ্জে।

নবকিশোর—অদুদি লাইবক্ ক্ষবা মহাক অদুগী অরোইবা লাইবক ক্ষবা নুমিৎ অদুবু করাম্বি খাংজিবগে? মদুঅদি মতজনিংইঃ চানবীদুনা অরেম্বা মতম অদু ওসি ঐবু ফংহনবীগদ্রা?

যামিনী—যাম্না চুম্মি, অরেম্বা মতম, নুমিৎ অদু ঐগীদি নত্তদে। তাকপীরক্পা য়াথংগী মতুং ইন্না যামিনীগীদি লোইজরে! য়াথং অদুতা ওাইদুনা থৌরাংনা লৈজরিবনি।

নবকিশোর—য়াথং অদুদি যামিনী! ঐনা অমুক পীগদবা নত্তে। পীবা তারবস্তু নহাক্কীদা লৈরে। অদুনা থৌরাংনা ওাইরিবা মহাক অদুগীদি থোইনা য়ানিংওাই লৈত্রে। ফংনিংবা মতমদা মতম চানা ফংবা য়াগনি।

যামিনী—অদুদি য়াওশও মতুংদা থুংলবা আবের অত্থবু তৈনিংই হায়ত্থনা মতম চাদনা তৈনি লেপচবা, মহাক্তুনবু হেক্তা ময়ারগদ্রা? অত্থগা তৈনি হায়না থৌরাংজরিবা কনাগী মরাম্নো?

নবকিশোর—করম্না থুংলরিবা অবেয়নো? অবের অদুগী মরাল ওইগদ্রা?

যামিনী—মদুস্তু নত্তে; শিঙলুরিবা মখোয়গী অরানবনি।

নবকিশোর— কমদৌনা অরানবা ওইগদৌরিবা?

যামিনী —মীগী পুক্নিং থওদনা পামজক্কবগী।

নবকিশোর—অত্থদি, চাং তানিকো। মীওইবগী পুকনিং হায়বসে লেপত্রে হায়ত্থনসু অমুক হোংলরোই হায়নিংওাই থোইনা লৈতবনিকো।

যামিনী—চিংনবীগনু, মত্থদি ঃ— লেপত্রিবা পুক্নিংগী য়ানি। ঐবু ঐ নত্তে হায়বা কনানা য়ানি; ঐদি ঐনি। চানবীথিবা পুন্নমক অমুক চিংনবনা চাং তাহনবিরোই হায়না লৌজরে।

নবকিশোর—ঐবু ব্রারোঁনু যামিনী! মতম অমু লৌমিনবে অমদি থৌসোকৃত্নু থোকল্লিমথৈদি থাজরুবগী পাক্কল থক্লিক হল্লবা লাক্লগদ্রা ?

যামিনী—ব্রারৌবগী ইতীকসু লৈজদে; অদুদা—থাজবগী পাক্কল হল্লরবদি হিংনবগী পাম্বৈসু ময়েং তানি থজে।

নবকিশোর—অদুদি ফরে, যামিনী! য়াম্না নুংঙাইরে; পুক্লিংদা চিংনবা করি অমতা থম্লোই। অদুক লম্মী তেম্নবগী শানবা ব্রারীনি হায়না লৌনরসি।

যামিনী—য়াম্না ফনি; ঐগীদি করি অমুক থোইনা হায়জবা লৈতে। অদুগা হোরেনবু লিক্লোল শান্নবা লেঙবিরকওইদ্রা ?

নবকিশোর—ও, শ্রীপঞ্চমীগী লিক্লোল হায়বদুরা ? কনাগীদা শান্নগদগে ?

যামিনী—অহোই, ওইনামগী ইতা সখিথোইদা শান্নরসি হায়না লেপ্লজরি! লেঙবিরক্লবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি।

নবকিশোর—ফনি লাকচগেনে অদুদি লৈবিহৌরোকো।

যামিনী—অহোয় য়াম্না ফগনি লেঙবিরসি।

অদুগা লাই খুরুমনদ্রিঙৈদা লোইবী লিশমলোক্কী চীংদোন্দা খঙহৌদনা শাবী-শানৌ অনিথক মমিৎ মমিৎতগী মপি শিন্নুনখিবা অদু নবকিশোর অমসুং যামিনী অনি অসিনি। অদুগা কাইনাগী লাইফমদা "হয়েং মতম অমদা; নুংশিবা মগুং লাক্লি কন্না চেফশিন্না খারিবা ব্রাংলবা পক্লোল লানবদা" অসিনচিংবা ব্রাহৈ থরদং হায়দুনা অনিংবা অপাম্বা নিথিবী অদুনা নুজা যামিনীনি।

৭শুবা মতাং

শ্রীপঞ্চমী নুমিৎকী নুমিদাংনি। লম লম খুদিংগী লৈকাই লৈকাই খুদিংদা পোদোল, শিক, পেট্রোমেক্সনচিংবা থাওমৈ থান্দুনা পাখং লৈশাবী মৌনচিংবা শঙ্গু শঙ্গু তিন্দুনা মাঙোন্দা লিক্কোল শান্নরি। অদুগা মতম অসিদা কিল্লাম সিপাই হায়বা লমদম্ম অদুদসু ওইনাম সখিখোইগী মাঙোন্দা থাওেম্মম নবকিশোর অমসুং অরিবম যামিনী অসিনচিংবা পাখও লৈশাবী ময়াম অমসু থাউমৈ পেট্রোমেক্স অচৌবা থান্দুনা য়ুথম্মচিংবগসু খল্লদুনা নাকপাক নাকপাক খায়-দোক্লরগা লিক্কোল পো নীংথি নীংথিনা চৎনরদুনা য়াম্না নুংঙাইনা ফজনা ঈংনা লেম্না শান্নরম্মী। অসুম্না মতম পুং অনি মখাই অহয়োম নুংঙাইনা শান্নরবা মতুংদা পাখও লৈশাবী ময়াম অদু অমগা অমগা ওন্নিম্নদুনা মহৈ মহৈ ব্রারী ব্রাতাই শান্নরক্লে। মতাং অসিদা নবকিশোরসু, যামিনীনা মহাকপু নুংশিবা অসি থাক কদাই ফাওবা য়োম্রবগে হায়বা য়াম্না মুম্না নিংথিনা খওনিংলদুনা যামিনীবু অরোইবা ব্রাকমগী চাংয়েং তৌদুনা য়েংলক্লে।

নবকিশোর—ইবেম্মা যামিনী ওসিদি, ঐ নংঙোন্দা ব্রা খরদং হায়নিংই; ব্রারৌনুকো।

যামিনী—য়াম্না ফনি, ব্রারম পুম্নমক হায়বিসি।

নবকিশোর — ফরে অদু ওইরবদি, হৌখিবগীদি হৌস্রেং পুম্নমক কাওখোক্লসি। হৌজিক ইনৌ নৌনা অমুক হৌবা তারে।

যামিনী—অহোয় য়ায়া কগনি। য়াকমচু হৌদোকপীমু।

নবকিশোর—নহাক্তি ব্রাহ্মণ. চনুনিদো যামিনী! অদুগা ঐ অসিনা অচম্বা মৈতে মচানিদো। নং ঐ চুম্না নুংশিনরুবগী পংহায় হায়নপ্রে। মতুনা পুন্সিগী অরোইবা য়ারেপ্পি হায়না লৌনবা য়াবদি নত্তে। মরমদি ঃ— ঐখোয় মৈত্রবাক্কী চংনবী হায়বা অমনা ইচাউ চাউনা পুন্দুনা লৈরিদো। মসিবু নং ঐনা খঙনা খঙনা, উনা উনা চংপা তারবদা কদাইদনো? নহাক অমুক্তা মুম্না খল্লু। অসিগুম্বা মৈত্রবাক্কী চংনবী পলগী ঈরাংমদা নত্তনা নং ঐগী অমুক চংফম লৈতে। মতম অতুদা য়ায়া য়ানা নং ঐবু লোইদাম থাবুম তরাগী ঈ মতুমদগী হৌনা চাউননবা য়োকপী থাকপীরক্কবা নুংশিরবা ইমা, ইপা কায়নবা তারবনিদো অদুগা নুংশিরবা ইচিন-ইন্নাও অমদি চান্নরবা মরুপ-মপাং পুন্নমকসু শেংন খাইনবা তারবনিদো। অদুগা অমরোমদা. নহাক্তি পাজল শোনবী নুজানি। হয়েং মতম অমদা পোক্লফম লমদম নুংশিরবা থাদোকতুনা চংপ্রগা অঙম অঙম্বা অয়াংবা চীংজাও কয়া কয়া কারবা য়াই; অশোও অশোওবা মী তাদবা নারক মোংশোং কয়া কয়া চংলবা য়াই; অদুগা অচৌ অচৌবা অপাকপা অরুবা পাৎ তুরেললচিংবা তু-খোং কয়ামুকসু লান্দুনা মৈত্রবাক্কী চংনবীগী ঈরাংমদা নং ঐতা লৈমিন্নরুবা তারক্কনি। মতম অদুদা চাদ থক্কবা কয়া, তুমদ-হিপ্তবা কোজাই থোক্লক্কনি। মতুদা নহাক য়ায়া য়ারক্কনি, লৈহৌরগে হায়রক্কনি; য়ায়া মুম্না খল্লু যামিনী। ঐনা নংবু নুংশিদদুনা হায়বা নত্তেকো। অদুনা নহাক য়ারৌনু। ঙসিদগী হৌনা নং ঐ পুন্সি অসিমগী ওইনা কান্নন:র হায়না লৌনস্সি।

থাম্বিনীন্ মতম অসিদা নবকিশোরনা হাম্লখিবা ব্রারম পুম্নমক অসি রাম্না থম্লাই শোক্লা মপুক্লিং নুংশিবগা লোয়ননা তাঁরম্মী। অদুগা অরোম্নবা নুমিৎ অমা ওইনা মমিত্তগী মপি চকুম চদুম তানা হিক্লা হিক্লা কম্নকই। অসুম্না থাম্বিনীগী অন্নাবগী মায়থোং অসি উরগা নবকিশোরন্ থাম্বিনীবু নুংশিবগী চাংদি অসুম অসুম মতোন লোয়ন্নী। অদুদগী থাম্বিনীনা রাম্না থম্নাই শোকপা ব্রাহেনা অসুম্না তপ্না তপ্না হায়জরকই। "ইবুংঙো! করি ব্রানো তাকপীরিবা অসিবু? নুংশিনবগী মতৌদা শাগে জাৎ অমুক থাইরিবরা? অচৌ পিশক অমুক নাইরিবরা? করিগী অরেপ্পা নত্তে হায়না লৌগীগদৌরিবনো? নহাক্তংগী নুংশি ব্রাশক পরে চেৎনখিবা, অরেম্বা শীংদা চনবিবরা? মতম অদুদা থম্লাই হকচাং পুমনমক ইবুংঙোদা কখোকল্লে। ইবুংঙোনসু হরাও হরাও লৎনদনা লৌবিগ্লিবা নন্না? অদুগা হৌজিক্তনা অমুক পাঙল শোনবী পাংদ্রবী নুজানি, অঙম অঙবা চীং-মান কাবদা অশোঙ অশোঙবা নারক মোংশোং চৎপদা অমদি অচৌ-অচৌবা অপাকপা গাং তুরেলনচিংবা তু-খোং লানমিন্নবদা খুঙৌ চেম্নি থনবীরক্লবরা; থাদোকপীন্ তুংইঙগে।"

মতম অসিদা নবকিশোরনা থাম্বিনীগী থম্মোই শোক্লব নুংশিরবা মন্নাহৈশিং অসি তারগা "থাম্বিনী! ওসি ঐনা নং নুংশিবদগী নতৌ য়েংনিংহ্নুনা থরা হায়ল্লে, ঐবু অমুক ব্রারৌঃ নহাক্কী নপুক্লিং ঐ মুরা থওইঃ কপ্পন্ সে, ঐ ব্রা হায়গে" হায়দুঃ মহাক্কী মকি কৈজোম মচিনা থাম্বিনীগী মমিৎতগী তারক মপি অদু তৈথোকপীরম্মী। অদুগা "হায়বু থাম্বিনী! ইবেং

ওসিদি, নং ঐগী পুন্সিংগী অরোয়বা হ্নারেপকী নুমিৎ অদু লৌরম্সি। মাওজৌননা খোঙশানহৌনবা থৌরাংসি। ইমা, পাবুংথোইগী য়াথং অদুবু নুমিৎ কয়ানি হ্নাংলিবগে?" হায়না হংলম্মী।

মতাংসিদা যামিনীনা মপুরিং য়াম্না হরাওনা অমসুং নুংঙাইবগা লোইননা খুম্নকই। —"ফাইরেল থা-সিগী পুর্ণিমা মতুং নিনি কোনবদা থোকই।" মসিনি ইমা পাবুংথোইগী য়াথংদি।

নবকিশোরনসু "ফরে অদু ওইরবদি, নিনি হ্নাংলিডে ফাইরেল পুর্ণিমা নুমিৎ অসিদা খোঙশাল্লসি। মদুনা ঐখোয় অনিগী অফবা খাওহৌ ওইগনি। মসিদা করি অমুক হায়নিংবা লৈরিবগে?" হায়না যামিনীগী মপুরিং হংলম্মী। চিংনবা লৈতনা যামিনীনা "য়াম্না নুংঙাইজরে। হায়নিংঙাই থোইনা অমুক লৈজরে। অদুগা চানবীদুনা, হায়রিবা নুমিৎ অসিগী কন্নবা পুংকমদা অফবা খুদোংচাবা থোক্কদগে? মদুতগা তাকপিরবদি য়াম্না নুংঙাই-জগনি।" নবকিশোরনা খুম্নকই। "তুম্ন হিপ্লখ্রবগী মতুং থরা ওইরগা খজিক ইংলবা মতমদা খোঙ শানবনা হ্নগদ্রা খল্লি।" যামিনীসু "অহোই খঙজরে" হায়না খুমজরম্মী। অতুদগী ঙাইহাক্তং লৈরগা লিক্লোল শাম্নরিবা পাখঙ লৈশাবী মৌনচিংবা ময়াম অদুসু নোংঙানগদবা মতম পুং অমুক্তা ঙাইশিন্নরে হন্নরসি হায়দুনা মহৈ মহৈ ময়ুম ময়ুমদা হন্নখিরম্মী। নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিসু মতম অসিদা মন্নামগা লোয়ননা ময়ুম ময়ুমদা হন্নরে।

অসুম্না নবকিশোর অমসুং যামিনী অনি অসি উন্নরবা মুংশি থৌরিনা চেৎনা নীপক্নরগা থাগ্না চৎনবী মৈন্নবাগী য়াংথ্রবা পল্লোলগী ঈর্য়াংমদা খোঙদাখিনবগী থৌরাং অদু লোয়শিন্নথ্রে।

ফংলরোই অমুক উবা
নবকিশোর 'মসুং যামিনী,
হন্দক মপোক অসিমগী
চৎখিন্দৌরে মখোয়্নি লাগ্না
নমথেকতুনা য়াংথ্রবা পল য়ু
থাদোক্তুনা পোক্নফম লমদম।

চগুবা মতাং

ফাইরেলগী পুনিমা মুমিংনি। যামিনীগী লুহোংবা মুমিং হন্নিদা মঙাইশিন্নক্লে। হয়েংদি হৌন-চৎনবী মতুংইন্না লুহোংবগীদমক মুপা মমুমদা মুপাগী পাউজেল (বয় বার্ত্তন) চৎলগদবনি। কৈরোই-লৈকাইগী মরেং মমান্নবশিংগা চাকচা-ইহজামিন্নরগদবনি। অহুগা শিংলুপকী লৈকাইগী অমসুং লম-তুগী পাউজেলনচিংবগসু থারগদবনি (বার্ত্তন) হান্নতুনা মুংখিন্দগী হৌনা থা-হৈনচিংবা শেমজিন শাজিন্দুনা অমসুং ঙা-চাক পুম্নমক লৈশিন্দুনা থমখ্রে।

যামিনীদি হৌখিবা শ্রীপঞ্চমী মুমিত্তগী হৌনা মপুক্লিং অদু য়ামনা মুংশি–মুংওন্দুনা ইতত্তনা মমিৎতগী মপি চদুম চত্থুম তাত্থুনা কপ্পকপতনা মশিজাং ওইরক্লি। অত্থুগা পুনিমা মুমিৎ অসিদনা অমুক মপুক্লিং নুংশিবগী থাক অমা খণ্ডহাপ হাপকৎলকত্থুনা য়ামনা য়ানা কপত্থুনা লেক্লি। মরমদি মহাক্কী নুংশিরবা পলেম পম্থৌ অমসুং মবুং তরেৎ, অদুগা পীশক পিক্লিওদগী তিম্নরক্লবী কৈরোই লৈকাইগী চান্নরবী সখিনচিংবী মপিজাশিং পুমনমক অত্থু মতুংদা অমুক উনবা অমদি তিম্নবা মপুন্সিগী ক্ষংলরোইকো! মতম কুইনগী "ওসিনা ঐগী অরোয়বা নুমিৎনি!" অসুম হায়না খঞ্জরত্থুনা কপলিবনি।

অত্থুগা যামিনীগী মমা রাধেনা মচাগী অরাবা মাহ্মখোং অসি উরগা "ইবেম্মা! যামিনী, নহাকপু কপ্পি তৌরবগে? ওসি তরেৎ নিপান্নি অসিবু নথরাই ইনুং নুংঙাইতনা উববু। হায়য়ু, ইমাদা ননীং থুংদবা কপ্পি লৈরবগে? হায়না মচাগী মপুক্লিং খণ্ডনিংদুনা হংলম্মী।

যামিনীনা মপুক্লিং য়াম্না নুংশিনা মমিৎতা পিরাং চেম্না খুম্নকই—"ইমা! মতম্না য়াখিদবা মতাং থোক্লকপনা ইমা, পাবুং অমসুং ইবুং তরেৎ কাম্নরনি। অদুগা ইতা সখিনচিংবী কৈরোই লৈকাইগী পিশক পিশক পীক্লিওদগী লুনা তিম্নরক্লবী ইমাম্নবী পুম্নমকসু শেৎনরনি। হায়বদি মহৌশাগুম্না অমুক উনবা অমদি তিম্নবা ক্ষংলরোইকো! হায়না খনুবদা নুংঙাইতত্থুনা ইপুক্লিং নুংশিরক্লুনা তৌবনি ইমা! অতে থোইদোকপা মরম কপ্পি অমতা লৈতে। মসি খোইয়ুম নোংদম্বগী শোয়বা য়াত্রবা খুৎশিন্নি। ঐ খণ্ডই ইমা!"

মতম অসিদা যামিনীগী মমা রাধে অসি মমোম যামিনীনা খুমখিবা পাউথুম য়াহৈশিং অদুগী মনুংদা চেপ্লিবা অশেংবা য়াখন্দুদি নীংথিনা মুন্না থগুলমদে। চুম্নগী মচাবু নুংশিজবগী য়াথন্দা ইচম চম্না য়ারক য়াতেম্বগী মওংদা "ইচাসিদি কদ্রিগী উনরোইদৌরিবনো, কদ্রিগী তিম্নরোইদৌরিবনো ? অদুগা করম্না শেংন-থাইনগদৌরি-বনো ? মণিপুর চীংলোন মাপল লান্না লাপথ্রবা মীরৈবাক্তা চংখিগদবসু নংতে ! অসুক নকথ্রবা ইফাল বামোন লৈকাই অসিবু কদ্রি চৌরবগে ? লম্নী থোংনচিংবসু অসি য়ৌনা ফরবদবু। নোং-ফাদোক কদ্রিগুম্না লাক্লিংবা লৈংবসু ভাইহাক্তদা ময়োরক্লনি। হল্লা গাড়ীনা অতং-অথম নাইদনা অকা-অকুম লৌবাই-ইফাল চেন্দুনতা লৈরিবসিবু" হায়না মমোমগী মপুক্লিং থেমজিল্লম্মী। অদুগা "কান্নদে লাকও লাকও ইবেম্মা ! ইমাগা চাক্ চামিন্নরুসি নংগী পাবুংসু অদুগা নবুংশিং ওন্নমরুসু চাখ্রে" হায়দুনা যামিনীবু মহাক্কী নিঙোল কাগী ফমুংদগী মমানা কোন্দুনা চাকখুন্মাং তান্না পুশিনখ্রে

যামিনীদি চাক চখোম অমা অনিদং চারগা অদুম তোকখ্রে। অদুদগী মহাক্না মমা মপা অমসুং মবুংশিং ময়ান্না চারম-থক্রম্নগী কোপ্লিক য়াইরম অদু তরু তরুনা শেংদোক্লম্মী। অসুম্না নুমিদাংগী চাক ঈশিং চাবা-থকপা লোইরদুনা মথোয় লোইনমক মহৈ মহৈ, মাগী মাগী, ফমুং ফমুংদা চঙদুনা হিপখ্রে। অদুগা যামিনীসু মহাক্কী নিঙোল কাগী ফমুং অদুদা চঙদুনা হিপখ্রে। অদুদগী মপা মমা অমসুং মবুংশিং ওন্নমক্লা তুম্নথ্রবা মতমদা অমুক তপ্না হৌগৎতুনা থাওমৈ পোদোল অমা চুখৎলগা চিঠী অমতং ইথোক্লে;

অমসুং মদু মহাক্কী মোন মখাদা থমজিনখ্রে। অদুদগী নবকিশোর লাকপকী পুংক্ষম ভাইদুনা লৈখ্রে।

ভাইহাক মঙাইরে লৈখিগদবা
যামিনীনা নিঙোল কা'সিদা।
কনানা শিলহৌনি নিঙোলকা
চৎথ্রনিদো যামিনী মাদি।
সৈহৌরনি চিক্লা মতোমতা,
লাইবক থীরবী নিঙোল কা'সে।

অমত্রাদা নবকিশোরনা করম তৌরি? মহাকসু মাগী নুংশিরবা মপা মমা অমসুং নুংশিজরবী মচন দগুমতি অমুক উনররোই। অদুগা চান্নজরবা মরুপ—মপাং শ্যামানচিংবা ওন্নমকসু মপুন্সিগী কায়নগদৌরে; অনহিকসুং নুংশিরবা পোক্লক্ষম লমদমসু হুন্দোক্তুনা চৎপা তাররবনিকো হায়না থল্লবদা খঙহৌদনা মমিৎ-তগী মপি অতৎ-অথম নাইদনা তাখিরম্মী। অদুবু নুংশিবগী মৈচাক্লদি অসুম অসুম অহোইনরকপনা খজরুরিবা রাখল অমসুং খঙহৌদনা তাখিবা মিৎকী পি জরেম্মা ওইখিরম্মী।

ওঃ নবকিশোর! পাম্মুইদা? নিপা মচা অমনি হায়দুনসু মতাং অসিদদি থিংবা ওয়োইদৌরেকো।

মহৌশানা পুনিমাগী থাজ হায়বা অসি নুমিৎ হেক তাখিবদগী নোংঙানবা ফাওবা অহিংগী মতম পুন্নমক মিকুপ অমা ফাওবা পোথাবা লৈতনা মপাল নাইদ্রবা শংবাম্ররবা অতিয়াগী মকোইদা থোকতুনা অময়গী শরুক কোকহল্লি। অতুগা কনি কণ্ডিত্ময়া

তৌইওম্নুং নুমিৎ অসিদি পাক্লবা অতিয়াগী মালং অসিদা লৈচীন নোংকাই করিমতা থাংলমদবনা থাজগী লুপা মহি চেনবা মাল্লবা নীংথিরবা অইংবা মঙাল অদুনা মালেম শীনবা থুংনা ভাল্লম্মী।

অত্তুদগী যামিনীনা নবকিশোর লাক্লরিব্রা য়েংগে হায়দুনা নোংয়াই ইতু য়ৌরক্লবা মতমদা মহাক্কী নিঙোল কাগী ফমুংদগী কুমথরকৃতনা নাশোল পীক্লা চারগী পৌরোন শংলগা থোংগী নাতৈ তম্না কাওলদুনা মপান্দা থোকখিরম্মী। অদুগা "ঙসিনা ঐগী অরোম্নবা নুমিৎনীকো! আঃ যামিনী! নহাক্কী পুন্সি অসি কন্নি ওইরগবা। নহাক শ্রীপঞ্চমী নুমিৎকী লিক্কোন শান্নরুবা হম্লকপদা নুংশি মগুং লাক্তি, পাম্ মাগা ঙসি, থোঙশানমিয়সি হায়না য়াশরুখি" হায়না হীক্লা হীক্লা মপুক্লিং য়াম্না নুংশি নুংওম্না পীরাং পীরোইননা কপ্লি। তাঙা অসিদা অমরোমদা নবকিশোরসু হায়নখিবা মতমগী পুংফম য়ৌরক্লে হায়দুনা ময়ুমদগী থোঙশা- ল্লকতুনা যামিনীথোইগী লাইশঙ ময়াদা হৌন্নিবা বোকুল পাম্বী অমগী মখোঙদা য়াম্না পীক্লা থুপচিন্দুনা লৈরী। অত্তুদগী যামিনীনা মপান্দা থোরকপা উরদুনা মাঙোলগী ঈচুম তাবী ফাওবা চওশিন- খিদুনা শোম্বাংননা য়াম্না মথক্লাই শোকপা য়াহৈনা মপুন্সিগী অমুক লোইরবনিকো হায়বগী য়াখন্দা মপুক্লিং য়াম্না নুংশি-নুংওনবগা লোয়ননা "যামিনী! ইবেম্মা! চৎলসি ঙসিদগী হৌনা খুজেং পালোইনতুনা, পুন্সিগী নুংশি ঈপাক তম্নসিকো।" হায়দুনা যামিনীগী মখুৎ খুজেং পাইব্রে। "যামিনীসু য়াম্না ফগনি ইবুংঙোঃ লেঙওসি, নুংশি ঈপাক তম্নসি।" হায়না পাউখুমজে।

মতম অদু অন্না-নুংশিনী অমদি শেৎন-কান্নবগী মতম ওইথিবনা নবকিশোর, যামিনী অনিগী মমিৎ মরিদগী শিন্নুরকপা গৌরী ঈরা চেন্নবা মান্নথোং অদুদা পুন্সিমা থাজগী ঈপোন্না নৈবদি, ঈহৌরকপা তুরেল্লগী নাইজ—ঈচেন্না চাংজৌ চোন্না পানা চেনবগী নীংথিরবা পান্নমগী দৃশ্যনি। অদুদগী নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিমক খুজেং পালোয়নরদুনা থরায় থোজাল্লোমদা অদুম থোকমিন্নম্রে। অদুগা অমুক অন্নাং পাংনা সোরোক্কী মতুং ঈন্না চংথিদুনা তাংজেং উচান পোকপী চীঙ্খোংদা হৌরিবা পামেন থোংলংবোট পান্নী অমগী মখাদা ক্ষমদুনা ডাইহাক লৈরি।

মতম অসি য়ান্না ইচিক হুন্নবা তায়বং কনাগী মীচীক মীরাওথোল তাখিন্নবা খোয়েল তুমথুল য়াতানগ্রবা মতম্নি। উচেক রায়াসু খোংথিন্রে। মরক মরক্তা অহিংগী অচিকপা অদু থুগাইদুনা অরাপ্পদা তাওবা হুইদি অমা অনিদং থোংলি। অদুগা অহিংদা চাক্তাবা জীবশিংনা করিগুম্নদসু তাবদা অকিবা পোক্নবা শা—ভাগ থোঞেল অমসুং উতোন রাতোন্দনা মর্কু থোংলকপগী থোঞেলগসু হেক হেক মতারকই। মতম অসিদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোই অনিগী পুক্লিংদা খজিক অকিবা পোক্লদুনা ইনুং ভাল্লকপগী চীঙ্খ হুন্নকপা, মী থাইনদি য়াহৌনদ্রিঙৈ মতম অদুদা অতোপ্পা মকম অমদা শান্দোকসি হায়না থন্নদুনা লৈরি।

থোইদোক্লসু মখোয় অনিগী পুন্সিদা অসিগুম্না থৌদোক অসি থক থোকখিন্নিবনা অরায়বা থবক অমা ওইরম্দে, মপুকনিংদা অচৌবা অকিবগী অন্নাবা অমা পোক্লখিরম্মী। অসুম্না মতম পুংজা অমা মথাইরোম তাংজেংগী চীঙ্খোংদা থোংনাংবোট পান্নী অদুগী

মখোয়দা নবকিশোর, যামিনী ক্ষম্বিমদুনা লেপকে অহুদগী মীখোল থরা নিমরকপা অমসুং লাওনরকপা তারডুনা মখোই অনিগী মপুক্কিংদা তঙাই ফদনা থৌনা ফবগী পাজল অমা হাপকংলজুনা শোওগ্রবা, উচান পাম্মীতনা করক করক ইম্বনা হৌগ্রবা চীংমায় অদুদা থুংলে থুনা হায়গৎগ্রে। মতম অসিদা অকোকপা অচুম্বা লম্বী সোরোক চংপা য়াবগী তাপ্পা থোকথিদে।

য়েংবিয়ু—মতাংসিদা মৈত্রবাক্কী চেকশিন্না থারবা চংনবীগী য়াংলবা পলবু শাবী-শানৌ অনিগী মথোং কারকপগী নুংশি মৌরিনা য়ায়ডুনা চাকগ্রিবা অসে!

---

৯ শুবা মতাং

নোং ওানগদবা মতম পুং অনিরোমদা মঙাইশিল্লকে। যামিনীগী পাবুং য়াজাওগী খোয়েন মংলান্দা অচৌবা অয়াংবা লোইবী চীংজাও অমগী ঙমখ্রবা চীংমায় নাপোম অমদা হাও পাখঙ অমগা হাও লৈশাবী অমগা মথোয় অনিতা পাম য়ান্দুনা লৈবা উরম্মী। মতম অদু শাগ্রবা কালেন থাগী অযুক্কী চাক-ঈশিং চান-থক্লবা মতম অদুম ওইনা থোক্লম্মী। মথোয় অনি অদু মমিত্তা মপি চত্থুম চদুম তারডুনা মরক মরক্তা মৈতে তম্পাকলোমদা হেক হেক য়েংথোরক্লম্মী। অদুগা হাও লৈশাবী অদুনা ঈশৈদাসু মপুক্কিং য়াম্না

নুংশি নুংশিনা শরুকই। মহাক্কী ঈশৈ অদুদা হাও পাখঙ অদুগু মখিত্তা মপি ঈরা চেত্নদুনা য়াম্না থম্মোই শোক্লা লেপত্নুনা তারম্মী। ঈশৈ অদুদি মরোল অসুম হায়না শরুম্মী।

ঈশৈ

চাক্তারিদো লোইবী চীংদা,

পাইরক্তুনা লমদম তাম্না।

খনগ্রেদো পোক্লফম লমদম,

অরাংবা চীংদোল অমনা

উখিত্রে অমুক পোক্লফম,

লোয়রেকো পুন্সি'সিমগী।

অদুদগী অমুক মখোয় অনি অদু কম্মা "হোই" লাওদুনা মথৌদা মমায় ওক্সিনখিরম্মী। মতম অদুদা যামিনীগী পাবুং স্নাজাওসু থঙহৌদনা মখিত্তগী মপি চদুম চত্নুম শিঙ্কুরম্মী অমসুং মহাক্কী থম্মোইদা মখোয় অনিবু য়াম্না নুংশিবসু পোকখিরম্মী। অদুদগী ঙাইহাক্তং লৈরগা হাও লৈশাবী অদুনা মনঙ্গন্দা হাওসম অমা পোশিল্লে; অদুগা হাও পাখং অদুনা মখোয় অনিনা থবক শুবগী য়োৎ-থাং অদু মরেংবান্দা হাপকৎলে; অদুগা মখোয় অনিমক লোইবী চীংদোল লোম্না কাখৎত্রে। অদুদগী অমুক অতোপ্পা চীংচেপ্তা হায়থখিদুনা মখোয় অনিবু হায়গী চীংমায় নাপোম অদুনা খনখিদুনা অমুক উবা ফংখিদ্রে। মতম অদুদা যামিনীগী মমা রাধেনা হৌদোক্লত্নুনা স্নাজাও অসি মিকপ থঙথোক থোকখিরম্মী।

মাজাওনা করি তৌরবগে হায়না মাখেয়া হুংলম্মী। হায়না "অমুক্তা হৌদগপিয়ু, নমোম যামিনী লৈতে। কয়াইদা চৎখ্রবগে খঙব্রে। মপাল ইপাল খ্রোকতুনা কৌবসু তাব্রে, মহাক্কী কমুৎদা থাওমৈ পোদোলসু চুখৎতুনা থম্লম্মী" হায়না খুম্লকই। তাঙ্গা অদুদা যামিনীগী মবুংশিং ওয়া মিকপ থোক্লম্লকতুনা, মহৈ মহৈ হৌগৎ-নরক্লে। অদুদগী "যামিনী!" 'যামিনী!" হায়না কৌরহুনা কোইথি কোইথি থিনরক্লে। অনুদগী থিবা খঙলকত্রহুনা কৈরোই লৈকাইগী মীসু য়াওনা অহিং অদুদা "বদাইদা চৎলমগদগে? কনাগীদা লৈরমগদগে মহাক্কী (যামিনীগী) মরমদা কনা কনা করি করি খঙনবগে? হায়না হংনরকপদা মখোয় ময়াম অদুগী মরক্তা কনা অমত্তসু করিমতা খঙনবা য়াওরমদে। অহুদগী ময়াম চঙহুনা ইখোল-শংবন চৎতুনা, উখোং-ব্রাখোঙ চঙদুনা, অদুগা খোংবান-লুকলাং, পুখ্রি অমসুং তুরেলনচিংবা কুমহুনা থিবদা নোংঙানবা ফাওবা ফংবা লৈখিদ্রে। ময়ামগী মপুক্লিংদা চিংনবা পোকলকলে—"মতোমতা শিজরম্লগদ্রা নত্রগা মহাক্কী নুংশিমবা কনাগুম্বা অতৈনা খঙনদ্রবা অমদা চৎলমগদ্রা? হায়বা লেপ্পবা ওয়দ্রে! অহুগা মমা মপা অমসুং মবুংশিংতনদি লুহোংবগী ব্রা অসি মহাক মহানা কয়া য়ানিংবা উৎখিদে। অহুগা মদুনা খোইনা অকায়বা লাক্কনি হায়বসু খল্লুদে। অসি মখেতদি খঙলম্মী।

অহুদগী তৌকম খঙনরকত্রদুনা লৈকাইগী মী ময়াম অদু খরা অমা ময়ুম ময়ুমদা হমদ্রে। খরা অমনা যামিনীগী মমা মপাগা লোয়ননা থানা তাম্না চৎমিম্নখিদুনা "লুহোংপদবা নুমিৎ হয়েংনি অহুগা হৌখিবা অহিং অসিদগী নুপী মহা মাওদ্রে, থিবা ফংদ্রে।

শিদি [illegible] নত্রগা, মহাক্কী [illegible] [illegible]. [illegible] চংজনদরা হায়বসু করি অমতা খঙনবা। লৈজিত্রে" হায়না [illegible] তাকখ্রে। মতম অতুদা থানাগী বাবু মিংনা "নুপী মহাক্কি [illegible] নমদুনা লুহোংগনি হায়না হোংনকরবরা ? নত্রগা মহাক্কী নুংশিনবা কনগুম্বা অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। মদুদি খঙফম থোকই; কনানো হায়য়ু। ঐখোয় পুলিসকী কম্বি ইতেং শিবা ওয়গে য়েংগে" হায়না হংলম্মী।

যামিনীগী মপা মমানা খুম্লম্মী। "থোইদোকপা নুপী মচানা য়াদবা তৌখিদ্রে; অতুগা মহাক্কী নুংশিনবা কনাগুম্বা অমা লৈ হায়বসু করি অমতা খঙজদে। অতুনা ননাই ঐখোই তৌকম খঙপ্রতুনা লাকচরিবা অসিনি।" মতম অসিদা, "থাওেম্রম নবকিশোরসু হায়নরিবা হৌখিবা অহিং অসিদগী মযুমদা হল্লকদ্রে; হৌজিক ফাওবসু হল্লকহৌদ্রি; মমা মপাদসু তাক্লমদে। অদুগা মরুপ-মপাং খঙন-চান্নবা কনাদসু খঙহল্লমদে। মহাক্কী মমা মপানসু মহাক্কী মরমদা করি অমতা খঙবা লৈতে। মহাক হল্লকদ্রে হায়বসু নোং ঙাল্লগা খঙলকপনি। করম্না মতমদা মযুমদগী খোকখিবনো হাম্নবা অদুসু খঙহৌদ্রে" হায়না থাজবা য়াবা মখোইগী লৈকাইগী মী অমনা অমুকসু পাউ পিররে। অদুদগী থীদনা থানানা নবকিশোরগী মপা মুখোম অমসুং মমা কবোক্কে অনিবু কৌদুনা অম্নুম্না য়া হংলম্মী।

থানাগী ও: সিঃ। — খুড়া ! ইস্কোন ! নচা নুপানবকিশোরনা হৌখিল্লা অহিং অসিদা যামিনী পুত্নুনা চংদ্রে, হায়বা অসিদা য়ানিংদবা করি লৈরি ? করি অমুক হায়নিংলি ? মসি চুমল্লা ?

যুগোল—ইবুংঙো! ননাই ঐগী ইচা মুপা অদুসু ননাই মাখিনীগুম হৌখিবা অহিং অসিদগী হৌজিক ফাওবা যুর্মদা হন্নকহৌদ্রি। মহাক্লা চৎখিবসু ঐখোয় খঙজহৌদ্রে'। অদুগা মমানি মগানি হায়দুনা তৈজরিবা ননাই ঐখোয়দসু মহাক্কী মরমদা করি অমতা তাক্লমা লৈ:ত। মমাম্বা মরূপ-মপাং কনাদসু খঙহন্নমদে। অমহিকসুং মহাকপু হন্নকন্রে হায়না ইবুংঙোখোইদা পাউ হেক পীরগদবনু মহাক নুপা মগা অমনি, ওসি, হল্লেং অসিগী মনুংদা হন্নকপা য়াই। নত্রগা মচং অসুম অসুম তৌরে হায়বা মরোল অমতসু খঙহন্নগে য়াই;' হায়না খঙদুনা লৈরম্লিবনি অদুনা হায়বিরিবা রায়ম অসি থাজবা ওমদে। পুক্লিংদা খজিক চিংনবা পোকচরি।

ওঃ সিঃ—ইন্দোন! মহাক্কী ম্লানা করি? শেংনা খুম্বিযু মমাদি শোয়দনা খঙকম থোকই।' মসি লৈবাক্লা হায়নরিবা হাকল্লি।

কবোক্লে—ইবুংঙো বাবু! ইন্দোনসু অক্লানি। খোইদোকপা খঙজবা লৈ:ত। খঙলবদবু অমুক থুগতুনা থমলুবগী করি কায়গনি।

মতম অসিদা থানাগী ওঃ সিঃ না নবকিশোরগী মমা মপা অনিগী পাউথুম অসি তাবদা মপুক্লিং খজিক চিংনরদুনা "কৈরোই লৈকাইগী মরেং মমাম্বা; মখোয়গা লাইরিক তম্মিন্নরকপা অতৈ ছাত্র-ছাত্রিগদি, লৈ-লাকপ্রা?" হায়না ময়াম্মদা হংলম্মী।

মতম অদুদা মাখিনীগী পাবুং য়াজাওনা—মখোয় অমা অনিদং তৈ হায়রবা খুমলম্মী। অদুদগীদি থানাবা খুত্তাগী ইন্দোনগা

ভাইহাক্তা লৈবিরমখোং হায়রম্লগা: ছাম্ন-ছাম্লীশিং অদুগী ময়ুম ময়ুমদা মাজাওগা লোইননা চণ্ডুমিন্নখিদুনা "থোক্লিবা থৌদোক অসিদা নবকিশোর, অমসুং যামিনী অনিগী মরমদা করি করি খঙবা উবা অমসুং তাবা লৈবগে?" হায়না হংলুরে। মতম অদুদা মখোয় কনা অমতা খঙই, উই, অমসুং তাই হায়নন্নকল্লে! অদুমকপু মতাং অসিদা থানাগী ওঃ সিঃ না শোয়দনা নবকিশোর ওইনি। মহাক্না মীগী মচা নিঙোল মাঙহনগে থৌরাংবনি হায়না মপুক্লিংদা য়াম্না থাজনা লৈরম্মী।

অদুদগী হন্নকপগা যুগোলবু মীনথা ব্রা ভাংই; করিগী মচাগী মওং খঙলোইদৌনিবনো হায়দুনা ফাগিদুনা থম্লম্ম্রে। অদুগা খুদক অত্তুমক্তদা মৈত্রবাক মনিপুরগী থানানা লৈবা লৈবা মফমদা নবকিশোর অমসুং যামিনী নখোয় অনিবু ফাননবা হায়তুনা মখোয় অনিগী মশক-মতৌ, ছাওং ছাদা, কুচু-কুমেন অমসুং চহিগী মতাংনচিংবা ওম্না হায়তুনা টৈলিগ্রাম তৌখ্রে। অদুদগী ভাইহাক্তুংদা ঈ-পাউ অসি থামা থানাদগী শন্দোক্লকতুনা মৈত্রবাক মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা ফংনখিরম্মী। মতম অসিদা যামিনীগী মমা মপানা থৌদোক অসি নুপা ময়ুমদসু খঙহনখিরম্মী। অদুদগী থানানা যামিনিগী মপা মমা অমসুং মবুং তরেৎক্তা লোয়নতুনা নবকিশোর, যামিনী অনিবু খঙনবা খিগনি হায়তুনা খিবা হৌখ্রে। অদুগা নুংথিল নুমিৎ তারমদাইদা যামিনীগী মোন মথাদগী মহাক্কী মবুংশিংগী মরক্তগী অমনা যামিনীনা চৎলমদাইদা ইদুনা থম্লবা চিঠী অমা ফংখিরম্মী।

চিঠীগী মরোলদি অসুম্না ইরম্মী ঃ—

ইমা ! পাবুং ! নমোমদি ওসি পুক্নিংগী অরোয়বা ওইনা খোইমুমগী থৌজাল ফংজদুনা নুংশি মচুং লাক্নি মৈয়রবাক্তী চৎনবীগী ঈরাংমদা চচ্চরে। ইমা, পাবুং অমদি ইবুং তয়েংকী লমন শিংজরমদ্রে। নমোম্মু ব্রারৌবিগনুকো ! হয়েংমুক্তী মপোক লাংওন অমদা অয়ুক.........।

নমোম

যামিনী।

চিঠীগী মরোল তারগা যামিনীগী মমা রাধেনা "কদাইদনো ইচাবু ? করি মতৌনো তৌরিবসিবু !" হায়না মথবাক য়েদুনা ক্রুং ক্রুং চোংদুনা কপ্লম্মী।

মতম অসিদা অমরোমদা নবকিশোরগী মমানা করম তৌরি। মপুরোইববু অরেপ্পা মরম ইখণ্ড খণ্ডদনা থানানা কৌরগা হেক্তা ফাজিন্দুনা থমখিবগী মথরাই নুংঙাইতবা; অদুগা অমনা মপারি নবকিশোরগী ঈ-পাউ ফংদবগী রাবা; মরম অনি অসিনা মহাকপু লৈকম চাকম খণ্ডনা লৈহন্নি। অত্থদগী অমুকসু মমোম লণ্ডমতিনা মবুংগী লাইব্রিক পাকম কাদা চণ্ডয়ুবদা টেবল মথক্তা তাদুনা লৈরম্মী হায়রহুনা চিঠী অমসু পুথোরকতুনা মমাগী মনাক্তা হিক্কা হিক্কা কপ্লহুনা পারম্মী।

ইরম্লিবা চিঠীগী মায়াদ্সি অদুনি ঃ—

ইবুংগী ইবেমা, নুংশিরবী দগুমতি। ইবুংদি ভাওদুনা চৎলবনি। অদুনা নহাক্না ইমা বাজীদা পুন্সি অলিমগী লোইরবনি, নবুংবু ঙাকপীয়ু হায়রু। মগোকসিমগী ইমা বাজীখোইগী য়াথং ইন্নু তম্বিদ্রমাল্লে। মসি নবুংনা নহাকমুক্কী মংগোল্লা তৌজরকপনা হুন্দল্লী মগোকসিদা ফংলমিবনি। অদুগা মরোমবদা ইচন নংঙোন্দা হায়রমগদবা হায়নবু—মতম লৈবা খিক্কিন্না "ইমা বজীখোইগী য়াথং পাউতাক হিংল্লাকনু অমসুং নহে তম্বা কায়দনবা হোৎনৌ!"

নবুং—

নবকিশোর

অদুদগী কবোক্তে অসি মপারি নবকিশোরনা খোঙশারমদাইদা ইত্থনা থম্বা চিঠীগী মরোল অসি অমুক্তা তাবদগী চাংজৌ নাইদ্রবা অরাবগী ইপাক্তা তাউবগুম তৌরক্লম থক্রদনা লেরি। অাঃ কবোক্তে রাধে! নপারী নমোমগী মৈচাক্না মতম চাদনা নপুক্সিগী য়েক্লবা ওইদৌরি! কনানা তমগ্রবা, অসিগুম্বা খোইয়ুম লাইগী নোংদমু অমুক কায়হনখিগদগে। করম্বা কনানা য়েংবা ঙমগনি মমা অনিগী অরাবা! হৌরকপদা মথাইরিদা নৈচাক্তি।

মথংগী নোংঙাক্লগা মুগোন বিংহবু খাদাকতুনা অমুক্বু মাজিষ্ট্রেটকী ওর্ডর মতুংইন্না মতম থক্লগা অমুক-থরাবিক্লমী।

১০শুবা মতাং

শোঙলবা তাংজেংগী উচান পোকপী চীংমান্নদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মথোয় অনিমক অহিংগী শরুক থরা অকিবা ফংনা য়াওন য়াতামিন্নরম্নদগী চীংখৈ হেক হুন্নকপদা চীংমায় নাগোম লাইরেম্মীগী পাউতাক ব্রাহে ওইবা মখাগী ঈশৈ অসি তশেং তশেংনা ঈংনা .নুংশিনা তাহনবিখি।

ঈশৈ

ইনুং শোরা ভাল্লক্লে।
পোম্বী চেক্লা য়াকায়রে
'পারী ইমোম মীকপ্লো
তাইবং য়াব্রা তাপ্রিঙৈ
লোইবী চীখাং সমদুনা
লাপ্পা খোঙদোই হুলখরো
অচৌকপা লমদম য়েংদুনা
গোইরে নরম' ব্রাংমদা।

অদুদগী নবকিশোর, যামিনী অনিমক ফুক ফুক হৌগৎতুনা খুৎলৈ থুনা ব্রাইথৌ চীজোল পরেংদা, নোংচুপ থংবা চীংমায়দা চীংদোন্দগী থজিক্তং লৈথরগা চৎখিতুনা ব্রাংলেন পুংজা অমরোমগী মনুংদা ফুনান মরীংগী চীংহা য়ৌখিরম্মী। মতম অসি কনা কনাগুম্বা য়াহৌ ঙনবা মীশিংদি হৌনবা য়াওরক্লে। অতুদগী অমুক নোংগোক ওন্দুনা চীংদোন্দা থরা চৎলগা খিয়াম চীংজিন্দা হাইথরে;

থিয়াম চীংজিন্দগী অমূক চীংখাদা অরাং পাংনা সনবোক লমীদা মথং মথং চানম ছুক্লোক অমসুং কৈরাও লংচুম খুলনচিংবা চৎখিদুনা অয়ুক্কী চাক-ঈশিং চান-থক্কবা মতমদা ঈরিনবুং কৈথেল য়োধিরম্মী। অদুদগী ভাইহাকৃতং ফাওবা পোখারমদনা অমূক নোংপোক চীংখ্রে পাংনা খরা চৎখ্রগা ভারিয়ান চীংখ্োং ফংখিরম্মী। মতম অদুদা মী খরা চীকৃত্তুনা নীংথিরবা ভারিয়ান চীংগী দৃশ্য অতূ য়েংতুনা ভাইহাক ভাইহাক অরা পোখানরম্মী। অতুদগী অমুকসু ভাখিয়ান চীঙ্গোল মশাংদা অদুম পংচত্তা চৎখিদুনা নুংখিল পুং মভারোম তাবগী মতমদা য়াইরিপোক কৈথেল থুংখিরম্মী। মতম অসিদা নবকিশোর অমসুং যামিনী অনি অসি পঙনা চথোকতনা চৎলকপগী হৌনবা রাবনা মফৈ তানরতুনা মখোঙ থাঙবা থোক্করকল্লে। অদুগা অমরোমদা করি অমূক হায়গনি। খোঙচৎ অসিদা পাম্মু নুংশি মশুং লাঙ্গি নুজা যামিনীদি অরোয়বা খোঙথাংদা তুংইল্লরিবীনি। অদুমকপু মতাং অসিদা রায় হায়তুনসু মতম খরা কুইনা পোখানবগী তাঞ্জাদি লৈরমদবনা য়াইরিপোক কৈথেন্দগী অচা-অথক কবোক-হৈবোক্কচিংবা খরদং লৈতুনা চামিন্নরগা অমূক তম্না নোংপোক চীংখ্রে পাংনা থোংনাংপল অমসুং শিখোঙ; নিঙেল তাবা লমী, খোইরোম য়াম্বেমগী অশাংবা শোয়োক্কী মতুং ইন্না চৎমিন্নগ্রে। অদুদগী থোংনাংপল লমী হাইজিনবগী অতুরাইদা অমুকৃতা মপোকঙৈগী চক্রিবগী হৌনখা লমী লম্মুক্লগ্রে। মতমদি মুম্মিৎ তাগ্রদুনা য়াচংবগী মখ্রি মখ্রি তৌরকপা অতুম ওইনা থোকউরে। অরাবনি মতাংসি মী অচৎ-অওকসু কনা অমতা থেংনখিদ্রে। য়েংখিবদসু মাগ্নোমদা অমূবা চীংশাংগী পয়েংতমক

উখিরম্মী। মতম অদুদা যামিনীনা হায়নজুনা অমসুং মপুক্কিংদা তুমুং-থাদুং অখিবগী শরুকসু য়াওনা "হবুংতো! ঐখোয়গী লমী থাংগ্রবরা? কদোমদা, লমদম কদাই তাম্না চৎকদৌরিবনো?" হায়না নবকিশোরদা হংলম্মী। নবকিশোরনা যামিনীগী অহাবা মতৌ অতু য়েংবা'ওমলকল্লে। অদুমকপু "যামিনী! নহাক খরা হায়বরা? ঐনা নংবু নুংশিবদিনে, শিগ্রিকাও থাদোকপা ওয়রোই। অদুবু নহাক্তদা অহাবা অমসুং অকিবা থোইনা য়াওরকল্লবা, হরাওবা অমদি নুংঙাইবগী শক্তম অদু মতম অসিদদি লৈররোই! খজিক অহাবা পুন্সিগী থোঙহৌ মতাং ওইগনি। অদুগা করিগীদি মাঙগনি, নং ঐগী লমীবু। থোক্লরবনি হায়না খন্দুনা অচীকপা লমদম য়েংদুনা "চৎখিবা মাইকৈ অমরোমদা হায়বসু নুংশিনবগী শক্তম অদুনা ঐখোয় অনিবু অমুক শেংন-খাইনদনা লৈমিন্নরুরবদি মপুগী থৌজাল পীনবীরমসনু। মতম অদুদা নং, ঐগী পুন্সিগী অহাবা কোক্লনি। অতুনা অসুম খরা খরা তপ্না তপ্না অমুক চৎলসি যামিনী!" হায়না যামিনীবু খুৎ শম্নীরদুনা নোংপোক চীংখু পাংনা লমী অমগী মতুং ইমা চৎনমখিরম্মী। খরা চৎলগা অতুম হাচংবা মতুং খরা চোক্নুনা চীংলজী লমদম নিঙেল কৈথেল ফংখিরম্মী। মতম অতুদা নিঙেল কৈথেলসু থমখিরমতুনা মী পুন্নমক মন্নুম অয়ুমদা ওয়া কুম্নখিরম্মে।

ওন্থোকপনি! অহাবগী নখত্তা অমুক চীংলক অদুদা থোইনা অকিমসু পোকখিরম্মী। 'থাজগী মঙাজসু লোইবী চীংশিংনা থনখিবনা ফরি জাতা ঊরম্মে। 'মুখিৎ অসি পুন্সিমা মতুং লোইমা কোনবা-ওইরগনা থাজসু হাচংবা মতুং খরা চোক্নুনা খজিক

থেওনা থোক্লম্মী। অদুদগী য়ুম মঙা তরাদং তারিবা নিঙেল খুঙ মচা অদুদা চঙদুনা অহিং অতুমা পনবা তারম্মী। অদুনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিমক য়ুম অমদা থুংখিল্লম্মী। মতম অতুদা মখোয়না থুংলুরিবদুগী য়ুমু অতুনা খরা ওক্লা থোক্লম্মী। "মতম চাদনা পাখঙ নৈশাবী অনি অসিনা লাক্লিবা খোঙকম অসিবু করম তৌবা মওংনা? মখোয় অনি অসিবু অসিল্লাইদগী মীসু মান্দে" হায়রতুনা "ইবুংঙো, ইবেম্মা! নখোয় অনিবু করি লমদগীনো? য়াম্না রানা লবী লমশাং লাকপগী মতৌ মাল্লি। করম্বা মওংদা কদাই তান্না চৎকে হায়দুনা লাকমিন্নরিবনো?" হায়না হংলম্মী। মতম অতুদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিসু অতুম ইশেং শেংনা খুড়া, ঐখোয় অনিমক "থৌবাল কিয়াম সিফাইদগীনি! মা, ঐ চুম্না নুংশিনতুনা লাকমিন্নবনি; অতুনা ওসি অহিং অসিদদি খরা পঙখিগে, ঐখোয় থোইদোকপা চচ্চরোই" হায়না খুম্নম্মী। অতুদগী য়ুমু অদুনা "ফরে ফরে অদু ওইরবদি" হায়তুনা হরাও হরাওনা মখোয় অনিবু নুংশিবীদুনা লৈহনখিরম্মী। অতুগা নুমিদাং অদুগী চাক্তি য়ুমু অতুগী মুপীমচা অমনা থোংবীতুনা মখোয় অনিবু পিজরম্মী। অতুদগী মখোয় অনিসু চাক-ঈশিং অদু চারগা অতুম তুমখ্রে।

নোং ঙাল্লগা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা "চচ্চরগে খুড়া, ইন্দোন! খরা রাবীরেদো ল্লাগৌবিবা য়াদে" হায়দুনা শেল লুপা অমতং লৌথোকতুনা নবকিশোরনা য়ুমু অতুদা পীরম্মী। মতম অতুদা য়ুমু অতুনা 'করিনোনে ইচাশা! নখোই অনিনা নোংমতং ঐগীদা লাকতুনা চাক চরা অমতং চারবগীনমকপু

করিগী পৈশা অমুক লৌগদৌরিব:না ? পুখো পুখো পীরমগনু চুয়রেন্ন লম্বীদা করি করি অচাগোৎ লৈদুনা চাখিমবদুম থাকচৌ" হায়রুনা পৈশ নুপা অদু লৌহৌ হায়বা য়ারমদে। মঅং অদুদা নবকিশোর অমসুং যাম্নিনী মখোয় অনিমু "কম্নিনা তৌখিমল লমন পিংজনি তৌবিরীবা অসিদি। খুড়া, ইন্দোন। এখোয় য়াম্না নুংঙাইজরে। কাওজরোই:কো। হন্নেং মতম অমদা ইরাহৈতনা ওইরবসু অমুক্তদি পেম্নবা লমন পিংজরখিনি, নত্রগা ইপুন্সিদা কাউবদদি কাউজররোই" হায়রম্নগা চৎখ্রে।

অদুদগী থরা চৎলগা লম্বীদা অচৎ-অওক্না "ম:খোয় অনিমু ফাননবগী মৈত্রবাক মণিপুরগী থানানা লৈবা লৈবা মফমদা টেলিগ্রাম তৌখ্রে, অমসুং পাউজেল চেনয় হাপতুনা ফংননবা কোক্লিথি থিরি; অতুগা নবকিশোরগী মপা যুগোলবুনা হাজত্রা থমখ্রে" হায়না ঙাংনবা পাউ অসি ফংখিরম্মী। মতম অতুদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা ফরম তৌমি হায়না থ:গ্রে। অতুদগী নবকিশোরনা মহাক্কী ফুরিংথাউদগী কলম অমসুং চে লৌথোকতুনা চিঠী অমা ইরে। অতুগা থৌবাল নত্রগা ইফাল তান্না চৎকদবা কনাগুম্বা মী অমতং লাক্রবদিকো হায়না লম্বীদগী থজিক চখোক্লগা উরুম উথা অমদা মখোয় অনি ফম্নিরদুনা ওইহাক মী ঙাইতুনা লৈরম্মী।

নবকিশোর অমসুং যামিনীগী মরাইবক ফবদগী মতম অদুদা অহল ওইরগ তৌবা মীয়াই চন্নবা নুপা অমখক লম্বীদা সেংকোৎ পোলাং অমা পুরদুনা লাক্রম্মী। মতম অতুদা নবকিশোরনা লম্বী ফাওবা থোরক্লগা "খুড়াবু করিগুমবা য়ারম্ন অমতা হংজগে।

লেঙবিরীবা অশিবু লমদম কদাই য়ৌবিগদৌবা ওইরবনো ?" হায়না হংলম্মী। অহল অদুনা "করি হায়রিংবা লৈবগে ইবুংঙো ! খুড়াদি খৌবাল কিয়াম সিফাই তান্না চৎচগদবনি" হায়না খুম্লম্মী। মতম অদুদা নবকিশোরনা য়াম্না হরাওনা "অদুদি, ফরেদা। য়াম্না নুংঙাইজরে ! খুড়াবু অসুম লেঙবিখিরদা থৌঝাল ডাকঘরদা চিঠী অসিমতং থাদবীরম্লবদি ওয়োক্লা নুংঙাইজম্লনিদা ! অদুবু— ঐনা খুড়াগী অৱামল করি কচ্চগনি" হায়রম্মী। অহল অতুনা "ফে, ফে ইবুংঙো ! থাদরমগে। করিগী অৱামম্লো ইচাসিদি কদাই কদাই খুড়া পুবিখিগে' হায়রম্মী, অতুদা নবকিশোরনা য়াম্না হরাও হরাওনা চিঠী অদু মহাক্কী ফুরিংথাওদগী লৌথোকতুনা খুড়া য়ারৌবিগনুকো" হায়রতুনা অহল অদুদা পিরম্মী। অতুদগী অহল অদুসু 'ফরে ফরে ইবুংঙো ! করিগী য়ারৌগদগে ইচাসিদি !" হায়রতুনা নবকিশোরদগী চিঠী অতু লৌরগা অতুম চৎখ্রে ! অদুগা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিসু অৱাং চীখ্রে পাংনা চীংথুং মানুং তম্না চীংলক্তা লম্বী মচা অমগী মতুং ইম্না পংচৎতা অদুম চৎমিন্নখ্রে।

লেংকোৎ পোলাং পুবা নিপা অহল অসি নবকিশোরগীদি মপাগা হেক পোকমিন্নবা মখুড়ানি। মতম কুইনা কবো মীরৈবাক্তা লৈরুবনি। নবকিশোরনা অঙাং ওইরিঙৈ, চহি মঙা তরুক্তা গুরুকপা মতমদগী হৌনা চৎখিবনি ! অতুদগী কবো মীরৈবাক্তা লৈবা নুংঙাইরকম্রতুনা মণিপুর মরৈবাক্তা অমুক হল্লকবনি মরম অতুনা মতম অসিদা মখোয় মপা-মতোন ঊনতুনসু অমনা অমবু অমুক শক খঙনখিদ্রে।

১১শুবা মতাং

যামিনীগা নবকিশোরগা মাঙখিবা নুমিৎ হুন্নি' শুজিল্লক্লে। যামিনীগী লুহোংবা কায়রে। অদুগা মহাক্কী মপা মমা অমসুং মবুং তরেৎনা মরুপ-মপাং অমদি থানাগী মীগা লোয়নননা অহিং নুংথিল নাইদনা যামিনীবু কোয়থি থিমিন্নবদা ফংবা লৈখিদ্রে। অতুদগী হায়রিবা হুন্নি শুবা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং মঙারোম তাবা মতমদা থৌবাল ডাকঘরদগী চিঠী অমখক ডাকপিয়ন অমনা পুরক্তুনা থৌবাল পুলিশ স্টেসন্দা থুংলরে। থানাগী মীশিংনা করিগী চিঠীনো হায়দুনা ফাক্তাক্তুনা য়েংনবদা কনানা কমদোনা কদাইদগী থারক্লিবনো হায়বদি করি অমতা ইরমদে। অদুগা মখাগী ব্রাহে খরা অসিগুমক মইরম্মী।

চিঠীগী মরোল :—

"ফংলরোই, ফংলরোই! থিরিবদো লোৎখ্রবনি ফংলরোই। মখোয় অনিগী লৈফম খঙলরোই। মতম চানা তাক্লকখিনি। ন্নাদনা মতম অদুদা খঙগনি। অদুগা থাদোকপীয়ু। মরাল লৈতবা মহাকপু হাজত্তুগী থাদোকপীয়ু।"

চিঠীগী মরোল অসি মতম চানা দারোগা বাবুনা মাজিস্ট্রেট সাহেবতা রিপোর্ট থাগৎল্লে। অতুগা যামিনীগী মপা মমা অমসুং মবুংশিংদসু খঙহনখি। মতম অদুদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনি অসি চৎমিন্নব্রবনি হায়না চিংনবা লৈতনা লৈবাক

মীয়াম্না অমসি মখোয়গী মমা মপানা খাজেংশেংনো লৌনম্রে'। অতুদগী মাজিস্ট্রেট সাহেবকী ওর্ডর মতুং ইন্না নবকিশোরগী মপা খুংগোম সিংহবু মহাক্কী মরান্দি করি থোইনা লৈরে, অদুগা শোয়দনগী মচা নিপা নবকিশোরনা যামিনীবু পুথিবনি হায়বগী অওইবা পান্দমদি পীরদুনা যামিনীগা মচানিপা নবকিশোরগবু ফংনবা থীরু হায়দুনা জামিন্দা অতুম মতম থরা থাদোকপিস্রে। অদুগী মতম অদুদা ময়ুম ময়ুমদা নবকিশোরগী মমা অমসুং যামিনীগী মমা অনি অসিনা খোইজেলা তাওনা তাওনা পোক্কজরবা মপারী অমসুং মখোমগীদমক লৈফম চাক্কম থওদবমখে হায়নিংঙাই নৈতনা ব্রানরি অমসুং কপ্পতনা অরা-শোথানবা ওইনরি।

মসি পুম্মমক নুংশি-তীম্না থোকহনবা ওাক্তনি। মহাক্না চওদবা য়ৌদবা লৈতে। লাপ্পা নকপা থিদে। শাগৈ জাৎ খায়দে। অচৌ পিশকসু য়েংদে। মতম মতমগী খোঙচৎ য়েংদুনা (মতুং ইন্না) পংচিন্না মচিকই। মসিগী তীল অসিবু শিননবা করম্না হিদাক লৈবগে? করম্বা আইন্না মসিবু ফাওদগে। মহাক্না অকায়বা তোয়না তোয়না থোকহল্লি। চৎনবীগী গন্নস্থ কাম্নস্রে। মনিং তম্না হেন্দনুংশি তীল! মসিবু কদাইদগী লাকপনো? করিনা শারক-পনো?' মখোয় কারকপা মতমদা হেক্তা মম্নৌরিকপসিবুণ মশকসু উদে। মখোলসু তাহদে। তুমিন্না মথৌনা ফরিবা! ওকর্তানিংঙাই লৈখে হে 'নুংশি তীল! তাম্নবওগাম অসিদা মসি লৈরমা কাম্নি করিওবাম মতমদা তোর্জাজি অথিবকী কাম্না করা অন্নাথা থোকহান্নবা'।

অদুগা অমরোমদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা হুয়ি ·গুবগী অয়ুক্কী চাক-ঈশিং চান-থক্লবা মতমদা ফাঙংখোঙ থুন য়ৌখিরম্মী। হায়রিবা থুন অসি চীংনুংদা তাবা মৈতেনি। অদুবু মখোয় অনিগী তাঙানদি, শাতানবশিংনা তুংলোমদা অরেপ্পা লৈতনা তানশিল্লক্লুনা য়ৌশিল্লকপা মতম; অদুগা য়ারেী শাশিংনা মখোয়গী য়াইবী মাঙনিংদবদগী মমাংলোমদা লৈবা অশোঙ অশোঙবা নারক মোংশোং তগ্না মনুংশা থবেৎ থ:বং হোন্দুনা চেন্নগা লোৎফম থিজবগুম খোকখিরম্বনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিমক চাক-ঈশিং চাবা থকপগী য়াখল করি অমতা তৌনখিদ্রে। ভাইহাক্তং ফাওবা পনবা লৈতনা মথং মথং পংচত্তা চৎখিদুনা চীংন্নুং অদুদা তারিবা থুন মচা মচা মনুং খোংনচিংবা থমদং লাম্থোক্লুনা চংশ্রগা লিতান তুংরেল অ:চৌবা অমুক লাম্লুরে। মতম অদুদা ভাইহাক ভাইহাক্তংদদি পোথানরম্মী। অদুনগী য়াং চাউশ্রবা ওন্নবা চীংমায় নাপোম অমদা অমুক হাইপৎপা হৌদ্রে। হায়রিবা ওন্নবা লোইবী চীংজাও অসিগী কোলোয় মীংলেন্দি "কসোম" চীংজাও হায়না কৌই।

নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা লোইবী কসোম চীংজাওগী য়াংলবা চীংমায় নাপোম অদুদা হায়পৎখিবা মতম অদু নুমিৎনা নোংচুপ চীংশাংগী মরুমদা হাইথদ্রে। নবকিশোরনা মশুক্কী নুংশিজরবী মপাল্লল শোল্লবী নুজা যামিনীবু মথুৎ থুজেং পায়রগা ওমগ্রবা চীংমায় নাপোম অদুদা চিংখৎপিদুনা কামিল্লজরি। লমীসু নীংথি য়ুংভাইনা লৈবা নত্তে। থুরবা চীংজ্রীনি মতম অদুদা শাবী-শানৌ অনিগী অন্নাবা করিদা হায়রুনি। মপোকঙৌগী

অওম্না অরাংবা চীংজাও থক কানরকল্লি। অচৌবা অপাকপা অকবা পাৎ তুরেল লান্নরকল্লি। অদুবু সুংশি মশুংলাল্লি অরাবা অমসুং অকিবা অমদি অরাম-খৌরাংবা পুম্নমক থাদোক্তুনা রাং চাউন্নবা লোইবী কসোম চীংজাওগী চীংদোল উচিন নাচিন্না লোমিন্নল্লে।

অরাবগী মথক্তা অমুকসু হেন্না অরাবনি। মতম অতু রাচংবা মতুং থরা ওইনা থোকলুরে। মমখিবনসু হায়নিংঙাই লৈখিল্লে অতুগা কসোম হাওখুলগী পম্বোংসু হেক থিংলম্লে। অয়ুক সুংখিল ফাওবদা নামুংই হায়দুনা মী অতৈ লমলানবা কনা অমতসু চঙবা য়াল্লমল্লে। ঘরম তৌগদগে হায়তুনা কসোম হাওগী পম্বোং অতুদা লেপতুনা খল্লরিঙৈগী মতম অতুদা ফুইনা হৌরকপা কুমগী নোংসু য়াম্না কুংনা থানা হেক লাকতুনা অকনবা নুংশিৎ নোংলৈ অমদি খাক লাওবগা লোয়ননা নোংলিক চাউনা চাউনা রা-রা হেক চুথরক্লম্মী। থোইদোক্লসু মহৌশানি, চীংজাওদা নুংশিৎ নোংলৈ নোংজু কনবা হান্নবসে। মতুদা নবকিশোর থামিনী মখোয় অনিগী মহা-মহাদা পক্লিবা মফি মরোল অদুসু পুমচোৎ চোৎ-থোকল্লে। অদুদগী নিংথম্বনসু হায়নিংঙাই লৈশিল্লকল্লে। চৎক্রমসু থওজিল্লকল্লে। অহিং অদু ইচোৎ চোৎনা মফম অতুদা অদুম লেনমিন্নবা তারে হান্নবা থল্লরম্মী। অদুগা মরক মরক্তসু নোংথাং তোয়্নবা তোয়্নবা কুপ্নম্মী। নোংথাং কুপ্লকপগী হেক হেক ঙাম্বোক-লকপা অতুদা নবকিশোর অমসুং থামিনী মখোয় অনিনা মফি মরোল ইচোৎ চোৎলদুনা মতু মমান ইপোন পোন্না লৈবা অতু হাও থরনা হেক উথোকল্লে। মতম অতুদা নোংদি থরা থরা হাংল্লে।



অতুদগী খিন্দনা হুইয়াম, অমগা নোংরনমা হাও নুপা হুপী কয়ামুক মথুং মথুত্তা তা অমমম পত্রেদুনা "কনা কনানো ! অসিদি লৈরমই" খঙগনি। নামুংলবা মতম অসিদা ঐখোয়গী কসোম চীংজাওগী পস্থোংদা মতম চাদনা লৈরিবা" খঙগ্নি শরিগে হায়দুনা তা খোঁশাদুনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিবু তম্না চেনশিন্ন-রক্লম্মী। চেনশিন্নক্রিবা হাওশিং অচু অংখুন্ন হাও ওাক্তনি।

মতম অদুদা পাখং–চাওবী মীপাই খিরবী নুজা যাম্লিনীনা ভকিবা অমসুং অক্সাবগী খোন্নাউনা "মাওনে ইবুংঙো !! কয়দৌনি" হায়দুনা নবকিশোরদা খঙকোন কোনশিঙ্গরম্মী। নবকিশোরসু "যামিনী !" হায়না কোনবীরম্মী। তাঞ্জা অতুদা করি উপাই লৈরি ? মরোল লোনবা চীংজাওগী তাংখুল হাওনি। মতম অতুদা নবকিশোরসু, অকীবা অমসুং অক্সাবগা লোয়ননা ভাইহাক্তি রাখল্ল লৌশিং মাঙল্লগী। অতুরগী হাওশিং অতুনা মখোয় অনিগী মনাক য়ৌশিল্লকবা মতম অতুদা "ইপা হাওবখোই ! থল্লাইদদি কনবিয়ু। অমুক্তা ভাইবিখো। ঐখোয় অনিবু ওসি চঙজকম খিরকপদা চৎকম খঙখিদ্রতুনা মক্কম অসিদা পঞ্জরন্নিবনি। ঐখোয় অনিবু ভাকপীয়ু। নচাশিংগী পাম্দম ভাক্লি" হায়না নবকিশোরনা হায়জরম্মী। মতম অতুদা হাওশিং অতুসু নবকিশোরগী খোংলবা মুৎশিরবা মল্লাহৈ খরা অসি তাবদগী অশাওবা খজিক হুম্বুনরকতুনা ভাইহাক লেপকক লেপকক তৌনরগা চংশিল্লকতুনা তঙক তঙক মখোই অনিবু পুমকোই কোইশিল্লগা য়াম্না মুন্না, য়েংবম্মী। অতুগা মখোয়গী মরকতগী অহল ওইরয় কসোম হাওশুল্ল অতুগী খুল্লাকপা মজ্ঞনা

মখোয় [illegible] অসি মৈতৈ মচা নত্রা? [illegible] কেদগী [illegible]? [illegible] [illegible] মতম অসিদা তমখিরাবা শা-কৈদগী মুরুত্তা [illegible] [illegible] লৈতনা অশোঙবা অণ্ডয়া লোইবী ফসোমে চৌথুনাও, [illegible] কাখৎনকতুনা ম.য় করিদগী কনাই তাম্না চংকে হায়দুনা [illegible] বনো? করিমতা অথুপ্পা লৈতনা ইপাখোইদা .অশেংবা নপাউ চমত্ত" হায়না হংলম্মী। অদুগা অতৈ হাওয়াম নুপা নুপীশিং [illegible] লেপতুনা ঙাওনরিবা রাইহেশিং অদু তারম্মী। মতম [illegible] [illegible] অসি থজিক য়াথঙ লৌশিং তারক্লম্মী। [illegible] ওইরগা [illegible] অদুগী মমিৎ মনা অমপুং শকওইশিং অদু উবদগী অকিবদি করি অমতা কোক্লমদে। অত্তদগী নবকিশোরনা "মাম্নি ইপা! ঐখোয় অনিমক মৈতৈ মচা ঙাক্রি; ঐ.খায় অনিগী পোইরে লমনমদি য়ায়া তামগ্রে। মা, ঐ য়াম্না নুংশিনগ্রে। অদুনা ঐখোয় অনিগী ইমা, ইপা [illegible] মরুপ মপাং কনা অমতা খওহন্দ্রিংদবদগী মতম থরদং লোৎখিগে হায়দুনা মখোয় কনা অমতা উররোইদবা অদুগা থিরক্লবসু পাক হেক খওলায়রোইদবা মফম অসি,আম্না লাকঅরিবনি। মরম অসিনা নচাশিংগী পান্দমগুম নুংশিবীসুনা লোংমা নিমিদদি তোম্বা নচা অনিবু থুগতুনা কনা খওহন্দনা ইপাখোইগী অসিদা থম্মীয়ু। অদুগা ইপা। ঙসিগী থুমিত্তা মচা [illegible] লম শাংনা [illegible] অচুম্বা চৎলকতবনা হকচাং অসি য়াম্না [illegible]। ইখোও থাংবা থোক্লখিরে। হায়নিংঙাই .লৈতনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]" হায়না [illegible]।

নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিগী য়াওং তারগা কসোম খুল্লাকপনা অমুক "করিগী নখোয় অনি অদুক য়ায়া নুংশি-নরগা নমা নপা অমদি নরুপ নপিজা খঙহন্নিংব্রি" হায়না হংলম্মী মতম অদুদা নবকিশোর অমসুং যামিনী অনিস্তু অশেংবদা অহুম খুমম্মী। —"ইপা! ঐখোয় অনি অসে, মহাত্মা ব্রাহ্মণ চয়ুনি। অদুগা ঐনা মৈতৈ মচানি। ঐখোয়গী মৈত্রবাক্তা অা পারম পুরমদগী জাৎ অনি অসি লৌন লৈনবা য়াদে। অদুবু মা, ঐ য়ায়া নুংশি-নখিবদগী কায়নবা ওমদ্রদুনা ঐখোয়গী মৈত্রবাক্তা অমুক লৈরগনুসি হায়দুনা অসুম লোম্না লাকমিন্নরবনি! মখোয়না ঐখোয় অনি অসিবু ফাগদবগী পুলিশকা লোয়ননা কন্না কোইথি থিগ্রি।"

মতম অদুদা খুল্লাকপা অদু নত্তনা অতৈ হাওয়াম অদুদি মৈতৈলোন শেংনা খঙবা থোইনা য়াওরম:দ। অদুনা করি হায়রিব:না হায়না হাওয়াম অদুনা মখোয়গী হাওরোল ভাংদুনা খুল্লাকপদা হংলম্মী। খুল্লাকপনা মতাং অদুদা ব্রারম পুন্নমক মন্নামদা নীংথিনা খঙননবা মরোম্না শুগায়না ব্রারী-ব্রাখোং লৌরম্মী অমসুং অহিং অহুমা মহাক্তীদা থম্মীরগেস্তু হান্নরম্মী। মতম অদুদা মন্নাম অহুস্তু নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিবু মখোয়গী থম্মোয় অদুদা য়ায়া নুংশিবীবা পোক্লম্মী। অহুগা খুল্লাকপনা "ইচা নুপী! নহাক যৌজিক ফাওবা কীবা ফত্রিমাল্লে। কীরুনু করি অমতা তৌররোই। ব্রাকও নখোয় অনিমক ওসি অহিং অসিমা ইপাগীদা লৈরুরসি। নখোয়না অতৈদা অমুক চৎনিংবা লৈরকস্তু হল্লোং ইনুং ভাল্লগা চৎলুকো" হায়দুনা নবকিশোর যামিনীবু কসোম খুল্লাকপনা

মহাক্কী ময়ুম তান্না মমাং থানা পুশিনবীগ্রে ! অদুগা হাও মুপা চুপী মন্নাম অতুংদু খুন্নাকপগী ময়ুম ম্নৌনা মখোয় অনিবু থিজিন-বিরমগা মহে মহে অমুক ময়ুম ময়ুমদা ওয়া হমগ্রে। মতম অতুদা ঘামিনী অসি কিরমতু খরদি কোকপ্রে। অদুগা নবকিশোরসু তুংদা ফত্ত-নুংদগী মরমদা করি অমুক তৌরকখিগদগে হায়বা মপুক্কিংদা থোইনা চিংনখিগ্রে।

খুন্নাকপগী ময়ুম ম্নৌরগা মৈ ভুং ভুং থাগৎপিরে, অদুগা ইচাশা ! নখোয় অনিগী অচোৎপা নফি নরোলশিং অতু হোংদোক-চরো; অতুগা নুংঙাইনা মৈ তিক্তুনা ঙাইহাক ঙাইহাক পোথাজো" হায়তুনা নবকিশোর অমসুং ঘামিনী মখোয় অনিগী হোংদোক্নবা তক্ক-তক্কবা ফি অকংবা অমমম পিখিরম্মী। মখোয় অনিসু ফি অতু লৌতুনা হোংদোক্নগা মৈ তিক্রম্মী। অতুদগী খুন্নাকপগী হাওনুবী খুন্নাকপী অতুনা নখোয় অনিগী অচোৎপা মফি মরোলশিং অতু কংননবা মৈ ম্নাইবীতুনা ক্ষৌবিরম্মী। অতুগা খুন্নাকপা অতুনা "ইচাশা ! চাক-ঈশিংদি নখোয় অনিনা অতুম হোৎনজবা তারে। ওসি মুমিদাংগী পাওনবা হাওরবসু হাওক্লবসু খরদং চাননবা তৌরসি। চেং-চাং ঙা-থুম অতুগা থোংননবা কোল লিকসু ওয়া ইলে লৈ" হায়রম্মী। মতম অদুদা নবকিশোর ঘামিনী মখোয় অনিনা "ইপা ! ঐখোই ওসি নুমিদাংদি চাক চাজররোই। হয়েং নোংঙাল্লগা মচাজরগে। ম্নাম্না ম্নারে, তুমনবদুম হোৎনজরগে" হায়দুনা চাক থোংলুরো হায়বা ম্নারমদে। মতম অতুদা খুন্নাকপা অতুদি করয়ো ইচাশা ! নখোয় অনি ম্নাম্না ম্নারনি। অদু ম্নৌনা ম্নারক্লবদা চাকসু

চাঞ্চবদি তুমা স্নাররোই। ইগা পান্দুম অমতংগা মন্না অমতংগা লৌবিগে; মতুতং চারগা তুম্নসিকো; ঙাম্না থুনা মুন্নি' হান্নদুনা পান্দুম অমগা মজা অচৌবা অমগা প্রগ প্রগ লৌন্নিগ্রে।

খুন্নাকপগী হাওনুবী খুন্নাকপীনা ইমুংদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা তুম্নবা হান্নদুনা লিক্কক অমা অনিদং লোন্দুনা থাবিরে; অদুগা ফিরোলসু খরদং পু:থাকতুনা খরা অমা মাইথা থাবিরে, খরা অমনা ফৈজুপকী থাকপীরে। অদুদগী ভাইহাক্তং লৈরগা পান মজ্জা মুল্লে চারো হায়তুনা নবকিশোর যামিনী মখোয় অনিদা খুন্নাকপী খুন্নাকপনা পীরম্মী। অতুগা ঈশিং খরস্থ কোল মচা অমদা হৈতুনা লানশিনবিরম্মী। মখোয় অনিস্থ মতম অতুদা হরাও হরাওনা পান মজ্জা অতু খরা খরদং চারে। অতুগা ঈশিং য়াউম অমমমদং থকচিল্লগা অতুম ইমুং চংতুনা তুমগ্রে। অস্থুন্না নবকিশোর অমসুং যামিনী অহিং অতু লেনখিরম্মী।

খুন্নাকপা অমসুং খুন্নাকপী অনিনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিবু ম্নাম্না নুংশিনা মচাদা মচাওম নুনা হোৎনবীরম্মী। অতুগা মমাংঙৈগীস্থ ময়ুমদা মী থুংলবা মতমদা হাওমক ওইরবস্থ খুন্নাকপা খুন্নাকপী অনি অসি, থুংলরিবা মীশিংবু ম্নাম্না তরাম তরাম তৌজরিবা মীশক ওয়াকি। অতুগা ইনাক-কৈরাকস্থ কাবক মথুজরিবা ইমুং অমনি।

১২শুবা মতাং

কসোম হাওখুন্দা, খুল্লাকপগীদা নোংঙাল্লগা নবকিশোরগা যাম্বিনীগা মখোয় অনিনা খুল্লাক‌্‌সা "ইপা! নহাক্কীদা নচা অনিবু মতম কয়াম কুইনা থম্মীদগে? ঐখোয়দি চান-থক্লবসু করি অমতা য়াওজরকপা নত্তে। পৈশাসু লুপা তরামুক্তা মম্লাওজরকই। অদুগা শেৎন-ইন্নবা ইফি-ইরোনসু ইছা-ইছাদা পক্লিবা অসি মখেনা লোইজরে" হায়না হংজরম্মী। অতুগা খুল্লাকপনসু "ইচাশা! নখোয় অনিবু কয়া কুইনা লৈনিংবগে? লৈনিংলিবা মতম মখে অদুম ইপাগীসিদা লৈজবা য়ানি। অদুগা চান-থক্লবা চেং-চাক শেৎনা ইন্নবা ফি-রোল পুম্নমক ইপানা শোইদনা পিনি। অদুনা শেল থুম অমসুং ফি-রোলগী মরমদা করিমত্তা ল্লারুনু। অদুগা হয়েং মতম অমদা ইপাখোয়গী অসিদা অতুম করিগুম্বা লৈবা য়ারক্তবা থোক্লবসু ইচা অনিগীদমক অতোপ্পা মফম অমা য়েংদুনা ইপানা নুংঙাইনবা শিনবীনি" হায়না খুম্নম্মী। খুল্লাকপগী বা তাবদা নবকিশোর অমসুং যাম্বিনী ঙমখে লৈতনা হরাওরম্মী। অতুগা "অতুদি, ফ:র য়াম্না নুংঙাইজরে ইপা! ঙসিদগী হৌনা নচা অনিমক হাওফি শেৎতুনা ইপাগী থবক শুবদা খজিক মতেং ওইনবা নোমজরগে অমসুং মতুনা ইমা-ইপা অনিগী য়ুমন শিংবা ওইজগে। নচা অনিগী ইথৌ পিবীয়ু" হায়না খুল্লাকপা খুল্লাকপীদা হায়জরম্মী।

নবকিশোর, যামিনী অনিনা মপুক্লিং ওন্নতুনা হাওক্নি নিরকপা অমদি লোইবী চীংজাওদা থবক শুগ্নগে হায়রকপা য়াহৈ অসি তাবদা কসোমগী খুল্লাকপা খুল্লাকপী অনি অতু মমিৎ মমিত্তগী মপি তাম্নিবা খওহৌদে। অতুদগী খুল্লাকপনা "ইচাশা! নখোয় অনিবু কনাগুম্বনা উরগা নশক খওজনবা ইপাখোয়গী হাওক্নি শেংকে হায়রবদি মশেংনু। অদুগা থবক শুগে হায়বা অমুদি ঙনুদা, মুংঙাইনা লৈজো ননাৎ নত্তে য়ানি, ইপাখোয়দি ওমত্রবা চীংমায়দা অয়াম্বা মতমদা চৎতুনা শুরুই" হায়রকই। মতম অতুদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা খুম্লকই। —"মতুনা থোইনা পামজখ্রে ইপা! নচা অনিগী পুন্সি অসি য়ারবদি ইপাখোয়গী নরক্তা তিম্দুনা অসুম লেজরগে খঙরবনি।" অতুদগী "হোয়, হোয় ফরে, ফরে। ইচা অনিনা পাম্নতা তৌজো" হায়রদুনা খুল্লাকপা অমসুং খুল্লাকপী অনিনা মখোয়গী ফিরুবাক্তগী তরু তরুবা হাওক্নি থম্না পুথোক্লতুনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিদা "সে, সে, ইচাশা! ঙসিদগী হৌনা ইচা অনিনা পামজবগী মতুং ইন্ন। ইপাখোয়গী হাওক্নি অসি পীরবনি, হরাও হরাও শেচ্চরোকো" পীবিরম্মী। অদুদগী নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিসু খুল্লাকপা খুল্লাকপী অনিদগী "য়াম্না নুংঙাইজরে ঙসিদি, নচা অনিনা পামজবা থুংজরে" হায়দুনা হাওক্নি অদু লৌরদুনা মখোয় অনিমক হোংলোক্লখিরম্মী। মতম অদুদা খওহৌদনা নবকিশোর অমসুং যামিনী অনিমক মপুক্লিংদা অনৌবা মপোক অমদা অমুক লাংঙনলেকো হায়না খজুমদা মমিৎ মমিত্তগী মাংগ চদুম চদুম লিক্লনখিরম্মী।

অদুগা চেং-চাক কোল-লিক পুখোক্লড়ুনা "ইচায়া ! নবোক চাক লায়রিনি। কোল অসি পুদুনা ঈশিং খোংদগী ঈশিং থাক্তনং শোকলুরসি। ঈশিং খোংস্থ পংলাপ লাপ্লে, অসিদা উত্রিবা তোক অচৌবা অসিগী মঙ্গাদনি; ইপা তাক্লে হায়দুনা অব্রাৎ পাংনা অশোত্লক্লা উরক অমদা লম্বী মচা অমগী মতুংইন্না নবকিশোর, যামিনী অমসুং খুল্লাকপা মখোয় অহম অদু কুমথমিন্নখিড়ুনা চীংথাদ্লা লৈবা ঈশিং খোং অমদগী কোলশিং অদুনা ঈশিং শোক্কংড়ুনা নবকিশোর যামিনী অনিমক ঈরু-মাইথজরে। অদুগা অমুক কোলশিং অতু ঈশিং থন্না থন্না শোক্লংলগা কাখৎমিন্নরকই। অসুম কাখৎমিন্নরকপদা খুল্লাকপনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিদা "ইচাশা! অতুগনে কখিওম্বা এ৬মদা ঈশিং খোংদা চাকথোং-কোল অমু-অরাক্লচিংবা থক লুপশিন লাকশিন্নুকো। লাইগী থ্রায়েনগী মতুং ইন্না ইপাখোয়গী চীংজাওগী লমদম অসে শা লাক্লনি। অদুগা উশা য়াল্লগা চিংদুনা পুবগাসু য়াদেকো হায়না তাকপীরম্মী। মতম অতুদা নবকিশোর যামিনীসু "হোয় হোয় ইপা! নচা অনিদি করিসু খওজবা নত্তে। ইপাখোয়গী অসিদা তৌহৈদবা য়াদবা মরম পুন্নমক নচা অনিদা হেক হেক তাকগীয়ুংকো ইপা" হায়রম্মী।

অদুদগী নবকিশোর, যামিনী মখোয় অনিগী চাক তোওাম্না থোংজড়ুনা ওত্তানা নুমিৎ মাজোল ময়াই য়োবা মতমদা অয়ুক্সী চাক চামিন্নপ্লে। অতুগা অমুক মখোয় অনিনা থোংন-থারুরুবা কোল অমু-অরাক অমসুং পুখম তেজ্লোংনচিংবা অদু নিংথিনা কেংদোক-চামথোক্তুনা তরু তরুনা থন্নম্মী। অতুদগী ভাইহাক

ভাইহাক পোম্বারলা খুল্লাকপগী য়ুমগী থবক অকুপ-অতা নোম্বদা মতেং পাংলম্মী। অদুদগী নুমিদাংবাই য়ৌশিল্লকদুনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা মথুৎতা কোন অমমম পাইনরদুনা ঈশিং থোংদগী নুংদাংগী চাক-ঈশিংগীদমক অমুক ঈশিং শোকখিল্ল-কদুনা থম্মী। অদুগা নুমিৎ তাশিল্লকবা মতম অদুদা থোইদোক্লা যামিনী অসি মপুক্কিং নুংশি-দুংওনবা পোকখিরম্মী। মরমদি ঃ— মহাক্কী ময়ুমদা দুমিৎ খুদিংগী য়্যাচংবগী থুপ থাওমৈ কৎপা মতম অদু নিংশিংলম্মী।

অসুম্না নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনি অসি নুমিৎ অসিদগী হৌনা হাওফি শেংদুনা কসোম চীংজাওগী হাওখুন্দা লৈবা হৌরে। অওকপনি! কয়াদা নিংথিখ্রবা! তমগী পোত্নী চেক্লানা অরাংবা লোইবী কসোম চীংজাওদা মতু শোন্না কায়দোংখ্রিবসে।

অদুদগী অমুক মতম থরা লৈরগা, নোংমদি নুমিৎ তারমদাইগী মতমদা কসোমগী নোংচুপ থংবা চীংমায় নাপোম অমদা যামিনীনা মতোমতা মহাক্কী পোক্কফম লমদম তম্পাক্লোমনা মমায় ওন্দুনা ফয়গা অমিত্তা মপি ঈরা তরং তরং চেন্না, লিরি শিংলিবা মালংবা নুংশিৎ মরক্তা মহাক্কী শন্নাং ময়াম অদুসু ইফা-ফানা চোইরদুনা ঈশৈ শক্লম্মী!

ঈশৈ

কায়নরেদো হন্দক 'পোক্কী
নুংশিরবা ইমা ইপা,
নুংশিরবা ইবুং তরেৎ,
চৎনবী পম্না থনখিবনা!
শেৎনরেদো পুন্সি 'সিগী

চান্নরবা খোইনৌ' মরুপ।
তামথ্রেদো ইনক নল্লা
পোইরৈ মৈতৈগী লমদমসু
অসিরা, নুংশিগী লীচিং ?
অৱাংবা লোইবী কসোমদা।
কোনবীয়ু চেৎনা নচাওম
নুংশিবী ইমা কসোমও!

নবাকিশোরসু যামিনীগী ঈশৈ অসি থজিত্তং লাপুল্লা উপাল অমগী মঃখাওদা ফমদুনা তারম্মী। অদুদগী খওহৌদনা মহাক্কী মমিৎতগী মপি শিল্লখিরম্মী। অদুগা ঈশৈ হেক লোয়রকপদা মপুক্কিং য়াম্না মুংশি নুংওয়া "যামিনী! ওসিদি, কসোম চীংজাওগী নোংচুপ থংবা চীংমায় নাপোমগী দৃশ্য অসি ফজব্রা ? ঐসু ওসাই মথে দৃশ্য অসি য়েংদুনা লৈরিবনি। য়েংউ, চীংমায়সিদা নিংথিরবা তাওজিং হৈরাং কয়ামুক পাল্লিবা; শীঙেল লৈরাং কয়ামুক শাৎলিবা; মনা পুংনা ৱাংলবা পামেল উজাও কয়ামুকসু হৌরিবা অমসুং লোকপানদা ৱাপল-উপল্লা শুল্লিবা, অদুগা ল্লবা চীংজুম লাইজনা নাপোম লোকশা খুদিংদা চেল্লিবা! হায়নিংঙাই লৈতনা ফজবা, নিংথিবা পুম্নমক্কা তিনম্রে" হায়রকই।

মতাংসিদা যামিনীসু "অহোই, য়াম্না পুক্কিং গুম্মৎনা ফজ। মহৌশা লাইরেম্বীগী খুৎশেম অসিনা করি অমতা অয়াৎপা অমসুং পেন্দবা লৈতে! অদুগা মতমসিদা ইবুংঙো! অসুক নিংথিব্রবা, ফজব্রবা দৃশ্য পুম্নমক অসিনা ওসিদি পুক্কিংদা অৱা নুংশিগী মৈচাক অমতংদি খওহাপ হাপকৎলকই" হায়না খুম্মী।

ম্নেংখীয় ! যামিনী হায়বী নুপীমচা অসি ঈশৈ শকপী অমদি নত্তে। অদুবু মতম অসিদা মপুক্লিং নুংশিরকপা অমদি য়ারকপগী মতুংইন্না হেক্তা ইখঙ খঙহৌদনা য়াহৈ অমা অনিদং ঈশৈ ওইনা মখোল থোক্লা শক্তোকপ্রে। শক্তোকখিবা ঈশৈগী ঈপোম অতুসু অত্থম লোইবী কলোম চীংজাওগী নোংচুপ থংবা চীংশাং নাপোমগী নীংথিরবা চীংমান্নগী ফজত্ৰবা দৃশ্য অদুদা তিনখিরম্মী।

---

১৩ শুবা মতাং

নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিগী ঈ-পাও তাখিদবা মতম চহি অমা ফাজিল্লক্রে। মখোয়গী মমা মপানা মচা মচাগীদমক খন্নুবদা অল্লাবগী শকক্তা ওইদুনা য়ায়্না য়ানা মতম লেপ্লি। মতম অসিদা করি অমুক হায়গনি; থৌদোক অসিদা থোইদোক্লসু যামিনী হায়বী নুপী মচা অসিদি মবুং তরেংকী অরোইবদা মতোমতা তাওনা পোকতবী মমোম অমনি। নুংশিরবা মথোৎ কারকপা মতমদা মকম মরাং খঙদনা মাওত্রবদা মমা মপাগী করি ওইফম থোকপগে। শেৎ-চাবসু লায়রবনিনা মনীং থুংহনখিদ্রে। অমঃয়ানদা নবকিশোরসু মচন অমগা মহাক্তগনা লোইজরবনি। মতম অসি ফাওবা যামিনীগী মমা য়াধেনা মীকপ থোক্লকপা খুদিংদা হেক

হেক হৌগৎতুনা নিঙোল কাদা থারিবা কমুংদা মমোম যামিনী লৈরা হায়দুনা ইতস্ততনা মাদুনা থিজবা তোকল্লিবনি। নবকিশোরগী মমা কবোক্লেসু অসি মঙাই। অদুগা অউ অউবা মী পুম্নমক্তা মপারী মমোমগী ঈ-পাও হংতুনতা লৈরিবনি।

নোংমদি কনাগুম্বা লৈত লায়রগী হঙ্গৎ-হন্দা কসোম হাওখুলদা চৎপা নিপা অমনা "চহিমুক্তী মমাংদা পাখঙ অমগা লৈশাবী অমগা কসোম চীঙ্খোঙলোমদা মুংথিল কৈথেল কানবা মতম পুং অহুম মরিরোম তাবগী অদুল্লাইদা চৎমিন্নখিবা উহৌই" হায়না নবকিশোর অমসুং যামিনীগী মমা মপাদা পাউ তম্লম্মী। খুদক অদুমক্তদা যামিনীগী পাবুং স্নাজাওসু নোংমা নোংঙানগনবা মতম পুং অনি-রোমদমক মঙাইশিল্লকবা; মচা নুপী যামিনীনা মংখায় পুম্নমকপু থাদোক্তুনা চৎখিবগী অহিংদা মহাক্কী মঙলান্দা ব্রাংল্লবা চীংজাও অমগী ঙমথ্রবা চীংমায় নাপোম অমদা হাও পাখঙ অমগা হাও লৈশাবী অমগনা পাম ম্লানবা; মরক মরক্তা গমিস্তগী মপি চতুম চদুম তারদুনা মৈতৈ তম্পাক্লোমদা ম্লেংথরকপা; অতুগা মপুক্লিং ম্নাম্না নুংশি-নুংশিনা থম্মোয় শোকপা ঈশৈগীসু "চাক্তারিদো লোইবী চীংদা পাইরকতুনা লমদম তাম্না" অসিনচিংবা ব্রাহে থরদং হায়দুনা হেক শক্লকপা, মতম কুইল্লবা হৌল্লবা মঙগী ব্রাবু ইনৌ নৌনা নিংশিং-লক্তুনা ময়ামদা লীরম্মী অদুদগী থাজবগা লোয়ননা থীদনা নবকি-শোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিগী খোরুল লীবা কসোম হাওখুল তম্না চৎনখিরম্মী।

কসোম হাওখুন্দা নবকিশোরগা খামিনীগা মখোয় অনিগী খোনুম লীরক্লে হান্নবা পাউ অসি তারদুনা কসোমগী খুল্লাকপনা মহাক্কীদা অদুম থম্লবদি খওনকপসু য়াই হায়না খল্লদুনা নবকিশোর খামিনী অনিদা "ইচা মুপা ! ইচা নুপী ! কয়াম্লো ইচাশিংগী খোনুম লিরক্লে হায়বা পাউ অমা ফংলে। অদুনা খল্লাংদা থৈবা তারক্লেনা" হায়না হায়রকই। মতমসিদা নবকিশোর খামিনী অনিনা কসোমগী খুল্লাকপা খুল্লাকপীদা "ফরে ইপা ইমা। চৎপা তারেদনা। নচা অনিবু ফংহনবা য়াবা মতাং নত্রি" হায়না হায়জরম্মী। অদুগা "আঃ কসোম কৌবী লমনুংশি! হো পলেম শল্লা নাওকোনবীরক্কবী চীংনুংশি! ওসি, নচা অনিবু মতম খরগী কায়নবা তারে" হায়না হিক্লা হিক্লা কপ্লদুনা যসোমদগী কায়না য়াথং লৌজখি। অদুদগী খুল্লাকপনা লোইবী চীংশাং লাকপগী য়াথং লৌরগা অমুক অদুম চীংনুং অদুদা খোংজাই হাওখুন কয়ামুক লাম্লোক্তুনা অয়ুক চাকচামাও অমগী লম্বী চৎলগা লৈবা "খল্লাং" হাওখুন্দা নবকিশোর অমশুং খামিনী মখোয় অনিবু পুদুনা মহাক্কী মরুপ, খল্লাংগী খুল্লাকপা তাংখুম হাওবা অমদা মখোয় অনিগী য়ারী-য়াথোং নীংথিনা লৌরগা "নচাশিংগী পান্দমগুম য়ায়া নুংশিনা থম্মীয়ু. ইতাও ! ঐসু মরক মরক্তা হেক হেক লাকচদে" হায়না শিন্নবিরম্মী। অদুগা খল্লাং হাওখুনগী খুল্লাকপা অদুসু হরাও হরাও য়াবিদুনা মচাশিংগী পান্দমগুম য়ায়া নুংশিনা নবকিশোর, খামিনী অনিবু থম্বিল্লে। অদুগা ওসিগা মওানি গুবা নুমিত্তা খল্লাংসু হরাওগনি। ইতাওগা ইচলগসু লাকপীয়ুকো। ওসি শিন্নবিবা ইচানুপা, ইচানুপী অনি-মকসু ঐখোয়গী খল্লাং হরাওবা য়াওহনগনি" হায়রকই। কসোমগী

খুল্লাকপস্ু "ফগনি ইতাও। য়াম্না নুংঙাইজরে। নচনস্ু পুরক্ননি। ইচা অনিবু হয়াওবা শোয়দনা য়াওহনবীয়ুকো" হায়রয়দা অচুম তম্না হনগ্রে। অচুদগী মতানি গুবা নুমিত্তা খয়াংগী খুল্লাকপা অমস্ুং খুল্লাকপীনা লমজিংতুনা অতৈ ফম্নাইবা-ফম্নাইবী চীংশাং লাকপা, পান্ড লাকপা, নিঙোল লাকপীনচিংবী কয়ামুক্ত। লোয়ননা ফজনা খয়াং হয়াওখি। মদুদা নবকিশোর, যামিনী অনিস্ু হয়াও জগোই, ঈশৈ নিংখিনা থোকখি।

মতমদুদা যামিনীনা মথাগী ব্রাহ্ে খরসি মপুক্কিং য়াম্না মুংশি নুংওম্না পিরাং পিরোইননা শকখি। মতুদা খয়াংগী খুল্লাকপা খুল্লাকপীনচিংবী ফমনাইবা, ফমনাইবী ময়ামনা পেন্নচুনা হয়াও নুংশি য়াম্লনা মতীক ওকপা খুদোল মনা ওইনা হয়াও হাওফি অমমম পিবীখি।

ঈশৈ

ইপাম লমদম য়েংখিবদি,
লোইবী চীংনবু খনখ্রে।
অরাংবা লোইবী খমুলাংদা
নুরাগী পুক্কিং মুংঙল্লি।
ফসোম খমুলাং চীংমারদা
চগায়ী ফাজাও তমন্ত্রবোই।
মপুগী থৌজাল নোংজম্না
হম্দক মমাক য়াংগুনগী।

ওল্লোকপনি ! লমদম য়াম্না থাপ্না লোইবী কলোম চীংজাও তাম্না য়ুমিৎ হুম্নি মরিনি চঙনা চৎলে। তৌইওম্বনুং মখোয়গী হাওথুলশিং অদুদা লৈরিবা চীংশাং লাকপনচিংবা হাওরাম নুপা মুপী কনা অমতনা নবকিশোর যামিনী মখোয় অনিবু হংজুবদা থওই উই হায়খিরে। "থওদে উদে, তাদে লাক্তে" হায়না তাক্না পাউথুম পীরকই। অদুদগী তৌনিংওাই লৈরদুনা খোমুল জীবা চৎলুরিবা মখোয় থরা অদুসু নিওবা কায়না অদুম হল্লরে।

১৪শুবা মতাং

লোইবী থম্নাং হাওথুন্দা মতম চহি অমা মখাইরোম লৈরগা নবকিশোর অমস্তুং যামিনী মখোয় অনিগী মমিত্তা মুংশিরবা মপারি নাবা অমা উবা ফংজরম্মী। মতম অদুদা লোইবী থম্নাং চীংজাওগী খুম্নাকপা অদুনা মখোয় অনিগীদমক য়ুম মচা অমা তোঙাম্না শাবিরে। অতুগা অতোপ্পা পাম্লৌ চীংমাম্ন অমসু পিবীরে। অদুদগী নবকিশোর যামিনী মখোয় অনিসু চীংদা তোংবা চীংমী হাওওম্না অওমবা চীংমায় পাম্লৌদা পাম য়াম্দুনা থবক ওবা নীংখিনা হৈজরে। মতম অতুদা নবকিশোর অমস্তুং যামিনী মখোয় অনিনা খমলাংগী খুম্নাকপদা "ইপা ! নচা অনিস্তু নহাক মথে ইপাখোয়গী হাওফি অসি শেৎফুনা অমদি নচেং চাতুনা পুন্সি অসি লেম্নকে। অতুগা

হৌজিক্কা মচাদ মচাগুম থনখিদুনা ইয়ুম অমা তোঙাল্লা শাখিরে। পামজৌ চীংমার অমস্থু তোপ্পা শরুক তখিরে। হৌজিক করি অমুক তৌরুরনি। মচা অনিগী ইমিং অসিস্থু ইপাখোয়গী মিংদা হোংদোক-পিরো। পুন্সি অসিমগী ইপাখোয়বু থাদোকতুনা মকম কদায়দা অমুক চংনিংঙাই লৈজরে। ইপা ইমা শকতুনা অদুম লৈসর:গ" হায়না হায়জরম্মী।

নবকিশোর অমস্থুং যামিনী মখোয় অনিগী মপোক অমদা লাংওন অনি শুরগে হায়রবগী মতাংদা তাবদা লোইবী খমলাংগী থুল্লাকপা থুল্লাকপী অনিগী মপুক্কিং য়ায়া নুংশিবা পোকখিরম্মী অমস্থুং খঙহৌদনা মমিৎগী মপি তাখিরম্মী। অদুগা খাম্বা ল্লারল্লোই খল্লদুনা "ফরে ফরে, ইচা অনিনবু পামনর্বদি" হায়দুনা লোইবী কসোম চীংজাওগী মতাও থুল্লাকপা কৌরুদুনা "নবকিশোর অমস্থুং যামিনী মখোয় অনিগী মমিং অসি হোংদোকতুনা করি হায়না খোল্লগা পকচগদগে" হায়না খল্লরম্মী। অদুদগী ঙাইহাক খল্লরগা থুল্লাকপা অনিনা নবকিশোরবুনা "অমেবা" হায়না কৌখ্রে। অদুগা যামিনীবুনা "শঙনু" হায়না খোনখ্রে। অস্থুমনা মুমিৎ অদুদগী হৌনা নবকিশোর যামিনী মখোয় অনিগী কোলোয় মিংলেন হোংদুনা থাজে শেংনা খমলাং হাওখুনদা খমলাংগী হাও ওনখ্রে। অদুগা মখোয় অনিগী চাবা থকপগী মরমদি অতৈ হাওশিংগুম্না থোইদোক্লা চিঞ্জাক কামলমদে। তরু-তরুনা মমাংঙৈগুম অদুম চা-থরুম্মী। তৌইগুমস্থুং কেখোক-মৌখোকপগী লমদা — চেংহি উতিপাদি মহৌশাগুম্না পংতোয় তোয়না লুখিখ্রে। অশম্ন-মনা থাও তৈখিখ্রে। মকোক মরু শমজেৎ পংনা হাংখিখ্রে।

কনানা খঙগনি? নবকিশোর, যামিনী মখোয় অনিগী তায়বওগনি অসে। অসুম থোক্লগনি. খঙলবা মতে অমত্তং মমৈদা করি অমুক ওইরকথিগদগে হায়বসু খঙদ্রি।, অদুগা অওইবমক মখোয় অনি অসি মমা মপাবু নুংশিবা থাদোকপ্লবরা? মরুপ মপাং.অমদি পোক্লকম লমদম কাউথোকপ্লবরা। মসি পুন্নমক খন্নবদা অমম্বনি।

মতম খরা লৈরগদি নবকিশোর যামিনী অযুক্সী চাকওন চারগা থা অহুম মরিতা মওরিবা, চাওদ্রিবা মপারী নাব্রা অদু হাওশম অমদা হাপচিল্লগা য়োং থাং খরগা পুরদুনা মখোয় অনিগী পায়ৌ চীংমায়দা থবক শুবা চৎমিন্নখিরম্মী। হায়রিবা পায়ৌ অসি খয়াং হাওখুলগী খুল্লাকপনা মখোয় অনিগীদমক পীবীবা চীংমায় পায়ৌ অদুনি। মখোয়না লৈরিবা য়ুম অদুদগী পৌরামুক্সী অশাং-বদং চৎলগা অহুম মলৈরে। চীংহাসু অমতনি। থোইনা পংলাপ লাপ্লবা নত্তে। অহুদগী পায়ৌ য়ৌরগা মনা পুংলবা উ পাম্বী মচা অমগী মকমদা হাওসম অদু থারগা মপারী ন্যাব্রা অদু হাওসমদগী লৌথোক্লুনা যামিনীনা মতম্পাক্তা পমলে; অহুগা খোমলাং মবুক থন্না পীখক্লগা অমুক হাওসমদা হাপহুনা শুম্বিরম্মী। অহুদগী মখোয় অনিমক য়োং অমমম পায়রগা "হোই" লাওহুনা পামলৌ য়ানবা হৌদ্রে। পামলৌ অসি য়ায়া ওয়া অরাংবা চীংমায় পায়ৌনি। অহুবু মরক মমক্তা খুল্লাকপগী মতেং ওইনবা হায়হুনা খরা খরা য়াওরকপা মরম্বা অওবা চীংমায়দা থবক শুবা অমি নবকিশোর যামিনী অনিদা অদুক হায়া কোইরমদ্রে। য়ীংখিনা হৈনম্নবা কমাংতুম ওইদ্রে। হায়রিবা মতম অসি শায়বা কাদেহানি।

ওমগ্রবা চীংমায় নাগোম পায়ৌ অদুদনা অমুক্তা হেন্না শাত্রে। অদুবু মতম অদুদা মখোয় অনিমক্কী হুমাং তপ তপ্পা অথক অতুম গুরম্মী। মরক মরক্তা পায়ৌ য়ায়া য়ায়া ওমায়দগী হুমাং অতু তৈথোক্লগা মখোয় অনিগী গোরুকম লমদম মৈতে তম্নাক-লোমদা মমিগুগী মপি চহুম চহুম তানা হেক হেক য়েংথরকই। অদুগা ঘামিনীনা মপুক্লিং য়ায়া নুংশি নুংওয়া থপ্তোয় শোকপা ঈশৈগাসু অসুম্না হেক হেক শক্লকই।

ঈশৈ

চাকতারিদো লোইবী চীংদা,
পাইরক্লনা লমদম তায়া।
থনত্রেদো গোরুকম লমদম,
অঙাংবা চীংদোম অমনা।
উথিত্রে অমুক গোরুকম
লোইরেকো পুক্সি 'সিমদী।

যামিনীগী ঈশৈ অসিদা নবকিশোরসু য়ায়া মপুক্লিং চংনা লেপতুনা তারম্মী অমসুং মমিগুগী মপি চদুম চহুম শিঙ্করম্মী। অদুদগী ঈশৈ লেপত্রবা মতমদা "যামিনী! ওঙিদি, নং ঐগী নৌনা মথোং কারকপা পুক্সিদা থোকখিবা হৌত্রবা অতম কুইনগী থৌদোক অমবু ইনৌ নৌনা নিংশিংলক্লে। নহাক্তি কাওত্রবরা? অদুতে শ্রীগণেশমী নুমিত্তা 'কাইনা' খুরুম্বা চৎপদা লোইবী জিশম লোক্তী চীংদোম্দা অহা গোআমরিতে, অতোম্না গোইরৌগী চীংমায়দা গোইরৌ হাওশিংনা হোই লাওতুনা খুৎলং পায়ৌ য়ানবা উবদা থওহৌদনা নং ঐগী জিৎতগী পি তাখিবদো!" অরেমদা তাখিবা

পি ওইরমগ্রে। তুংদা থোক্লগদবা, মতম অতুদা খুদমগী মপক ওইনা মম্মি তমগ্রবনি। মদুবু নং ঐনদি করিসু খওরমদে; মগুওয়া থোক্লম্মী। চুয়গী পুক্লিং নুংশিরক্তুনা তাখিবা পিনি হায়না লৌরম্মী। হায়না হায়রকই। যামিনীসু মতাং অদুদা নবকিশোরগী ম্রাইহেশিং অসি তারগা অহোইনদুম মমিৎতগী মপি চদুম চদুম অমুকসু ওমগ্রবা খম্লাংগী পাম্লৌ চীংমায় নাপোম অদুদা তাখিরম্মী। অদুগা অসি হায়না খুম্লকই। —ইবুংঙো! য়াম্না চুম্মী; ঙসি ইবুংঙোনা হৌদোক-পিরকপা অসিদা ইনৌ নৌনা নিংশিংজরক্ল। অদুবু করমদি তৌনি চীংঙু থোইয়ুম লাইগী খুৎশিননি।” অসুম্না নবকিশোর, যাখিনী অনি অসি পাম্লৌ য়াম্লদগী ঙাইহাক ঙাইহাক্তং পোখাবা ওইনা হৌখিবা মমাংঙৈগী ম্রাবু নৌংশিংনরম্মী। অতুদগী উথা উরুমদা চওতুনা পোখাপোৎ খরা খরদং চানরগা হান্নগুমনা মংখায় অনিমক মথৌদা অমুক মমায় ওনশিনখিরম্মী।

ও ঃ মতম অতুদা নবকিশোর অমসুং যামিনী অনিসিবু অউবা অমদি অখওবা কনাগুম্না য়াওরবদা নুংশিবিরোইদবা করি লৈবগে?' মখোয় অনিগী মরাইবক্তা অসুম থোকউ তমগ্রবোইদো! কালেন থাগী শারবা নুমিৎকী মৈশা খাওতুনা অওম্না লোইবী খম্লাং চীংজাওগী নাপোমদা।

অতুদগী নুংথিলগী পুং মরিরোম তারকপা মতম অতুম্রাই ক্লাওবা খম্লাংগী ওমগ্রবা লোইবী চীংমায়দা খবক য়াম্না ম্রানা ওমিমরম্লপা গখোর অনিমক মচা গুম্লিবা মক্কম অদুদা চওমিমগ্রে, অতুগা যাখিনীনা ঙাইহাক্তং মচাবু খোম্লাং পিখক্লে! অতুগা অম্রেক মপারী মান্না অতুবু হাওসমদা হাপচিন্নগা মনজন্দা পোখহজে অমসুং

নবকিশোরসু মখোয় অনিনা থবক শুবগী খুৎশু-খুৎলাই য়োং-থাংনচিংবা অদু মরেংবান্দা খোয়ৎলে; অতুদগীদি মখোয় অনিমক লোইবী খমলাং চীংদোল লোয়া কাখৎখিয়গ্রে; অদুগা অমুক অতোপ্পা চীংমায় নাকল অমদা হায়রথখিতুনা ময়ুমদা হনখিরম্মী। ময়ুম য়ৌবদা মতম অতু, অওবা চীংচেগ্গা য়ায়া থেক্না কোইনা অকা-অকুমগী লম্বী ওইনা চৎপনা নুমিৎ তাবুম তাবুম তারকপা অতুম ওইনা থোকখিরম্মী।

মতাংসিদা নোং-চীং থাংদবা, নৈচিল-নোংকাই শেংবা অমুক নুংখিলগী মতমদদি লোইবী চীংলোন মাপলগী য়াং চাউরবা চীংছা ওইরীবা লোইবী কসোম, খমলাং চীংজাওর্নচিংবগী চীংদোনদগী থা-নোংপোক মৈরম পাংনা য়েংলবদি, (য়েংখিবদা) অরা নৈবাক্সী (কবো তম্পাক্সী) লমদম পোইরৈদা রেজুল তায়া চেনখিবা পাক চাউরবা "নিংথি তুরেল" অচৌবা (ইরাবতী) অমসুং য়াং চাউরবা শাংলবা "অঙো চীংছাং" গী পরেং অদুগা "নিংথি তুরেল" তাখিবা তরেৎ লোক, ঈচেল কল্লবা চাউরবা "তরেৎ মাক্লং তুরেল" নচিংবগসু থোইনা পংলাপ লাপ্পুনা ইওাল ওায়া অদুম তশেং তশেংনা হেক্তা উবা ফংলম্মী।

অতুগা অমরোমদা পোইরৈ মৈতৈ সনা নৈবাক্সী তম্পাক্সী লমদমদি লোইবী চীংজোন মাপলগী চীংছা নাপোম কয়ামুক্লা অসুম মরোল মরোল খনখিবনা উবা ওঅমমদে। ইমংক নক্লা তামখিবা মৈরবাক অমজেন ওইখিরম্মী হায়বসিহ্ নবকিশোর ধামিনী অনিমক মতম চহি কুমলাং কয়ামুক-তুনা লৈজকখনিনা অতুম মখওলম্মী।

১৫ শুবা মতাং

নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিগী লৈফম চাফম অমদি মওং-মতৌ খংখিদবা মতম চহি তরামুক শুজিল্লে। কৈরোই-লৈকাইগী মী পুম্নমক্না মখোয় অনিবু কাউদ্রে। অদুগা মখোয় অনিগী মমা মপাশিংতনদি কুইর কুইরগা কাওরকপগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী মথল্লাই চাক্লকপা অসুম অস্থম হেল্লৎলম্মী। করম্বা মতমদা মচাশিংগী মছুক অমুক্তং উবা ফংলখিগদগে? চৌংবুরোই তম্বুরোই মফম থওদ্রে। শিখি-নাখিরম্লগদ্রা হায়বস্থ থওদ্রে; করি মতৌ কৌবগে হায়না মপুল্লিং অমসুং রাখল গোখাবা য়াদনা মম্বিৎকী মগি কংদনা য়াম্না রানা কপতুনা লেল্লি। অদুগা করিগুম্বা মতমদস্থ অহলগা ওইশিল্লকপনে, মচাশিংবু অদুম উবা ইফং ফংদনা শিখিবনা হায়লগদ্রা হায়নস্থ খল্লকই। থৌদোক অসিদা থোইদোক হেন্দোক্না যামিনী অমদি নবকিশোর মখোয় অনিগী মমা মপানা মপারী মমোম্বু উখিদবা নুমিৎ অদুদগী হৌনা লৈফম চাফম থওদনা অমস্থং তুম্বা হিম্না চংদনা মপারী মমোমগী মুংশিরগী মৈচাকনা ভাওদুনা কপতুনত্তা রানা লেল্লকিম্বা অসি কনানা অমুক তমথুনা থোকপা নত্রে।

ওন্থোকপনি ! মপান নাইরবা তারবওপাল অসিদা ওস্তবা মচাদি কয়া কয়াস্থ লৈকো অদুগা মমা ফত্তবদি অমা ফাওবা লৈত্তে । ভাওরবা ফাওবদস্থ মচাবু নুংশিবদি থক থাদোক্তে । মচা মচাশিংনা অদুক্তী মতিক ওক্লকরগা মমা মমাশিংনা অতুক্তী মতীক চাং হেয়া হেয়া নুংশিরকই অমস্থং রারকই । অস্থুয়া মমা খুমিংমক্লা মচা মচাবু নুংশিজবা অসি শিবা ফাওবদা কনানা শরুক অমুক থাইরমম্রে !

মতম অসিদা থওহৌদনা নোংমদি, যামিনীগী মমা রাধে অসি মমোমগী অরা-নুংশিগী মৈচারা লৈফম থওলকয়দুনা অতাওবিগী পান্দমওম মমোম যামিনী থিরিবনি হায়হুনা পংচত্তা চংখিরম্মী । অদুদগী য়ায়া থায়া চংগ্রগা নুমিং তারমদাইগী মতমদা অশোওবা চীংমুং মাননুং ওইনা তৌবা নারক মোংশোং অমগী মমুংদা চঙ-খিরম্মী । মতম অদুদা হাও-নাই ওইনা তৌবী মোত্তাই চুদাইনরবী লাইনিংবী নুপী মৌ নহাওম্বী অমনা অশোওবা নারক মোংশোং অদুগী মনুংদা মশা য়ায়া লোওনবা মনা পুংনবা উথা অমদা ফমদুনা লাই নিওলয়া থেংনরুরে । অদুদগী মনাক্তা চঙশিনখিদুনা থজিক ওক্লপনা "কনানো" হৈবেম্মা নহাকপু ? নশক নতৌস্থ উবদা য়ায়া নুংশিস্রে । মফম অসিদা করি তৌরম্লিবনো ? এগী ইমোম যামিনী উরা ? "হা চেংজো হেনবী ! হায়না হংলুরে । মতম অদুদা হাও-নাই ওইনা তৌবী মোংতাই চুদাইনরবী নুপী মৌ নহাওবী লাইনিংবী অদুনা মহাক্তী লাইনিওবা অদু কায়রদুনা "কনানো ?" হায়না হেক য়েংখংলম্মী। অদুনা "এঃ ইমা নংদি য়ায়া য়ানা উরেদা ! কদাইদগী লাকপনো ? শোওমবা নারক

মোংশোং অসিদা অয়াম করিগী য়ৌরক্লিবনো ? হায়য়ু ইমা ! ননীং থুরেবা খাঁই লৈরবগে ?" হায়না খামিনীগী মমা রাধেনা অহানবদা হংখিবা ৱাহং অদু নীংথিনা তাহৌরক্লুনা হংলম্মী। তৌইওয়সুং রাধেনা মহাক্কী কাউবা ওমজররবা মমোম খামিনীথু উরা হায়রকুনা অমুকন্থু হংলম্মী। অদুদগী মছা অদু লমশাং চৎ-লকপগী ৱাবনা চোকথরকুনা "বম" লাওনা লৈমায়থক্তা হায়থখিরম্মী।

খামিনীগী মমা রাধেগী অরাবা মতৌ অদু উবদা "করিনো তৌরিবা অসিবু ! হায়না নুগী লাইনিংবী অদুনা নীংথিনা কোনথংগিরকুনা তপনা হৌদংহল্লম্মী। অদুগা ৱাল্লা নুংশিনা "সে ইমা, নং ৱাল্লা ৱারে। ঐ বা হায়গে তাও ! নুমিৎথু তাগ্রে, মমশিরক্কে। থেওত্রে অমুক হনবদা ৱারনি" হায়রম্মী। মতম অদুদা রাধেথু ৱাথল লৌশিং থজিত্তং ভারক্কে। অদুদগী নমোমগী ঐমা ভাওরবী ইমা! ঐ বা হায়রগে' হায়দুনা মথাগী ৱাহে থরা অসি হায়রকই।—

উবদা হাম্রি ৱারিবদো
মওলকপগী মতম্না কোম্রি।
চৎখিনি অদুম ননাক্তগী
পজক্লে'ই কুইনদি মথোয়দো।
কৈখিনি ওত্তা মপুক্সি'দো।
তংন-থানবা লৈতনা 'হুমা
অয়াংগা 'পাগী নরা 'মা,
অোইবী টীংজাও'মগী 'মতোপ্পা

তাক্লগা অপাউ মতম ছুনা,
কোজনি ইমাগী অয়াবা।

অমুম্না লাইনিংবীনা হায়খিবা য়াহৈশিং অসি লোইবা ফাওবা য়াধেন্থ ফমতুনা অতুম তুমিন্না য়ামনা মুম্না তারম্মী। অত্তুগা "করিনো হায়রিবা অসিনু? ইমাদি করি অমতা খওবা ওমদ্রে" হায়রকই। মতম অতুদা লাইনিংবী অতুনা —"খওলকখিনি ইমা! হ্রুয়েং মতম অমদা। থেওওনি হল্লো ওসিদি; য়ুমদা চুংওাইনা পোথারুরো। অদুগা হনখিবগী লম্বীগদি খওগদ্রা? ঐবু থিন্নুরা?" হায়রিওে তাঞ্জা অদুদা নেংওাম্লকপগী চরোই ক্বাক্লচিংবা উচেক য়ায়া খোংলক্তুনা য়ামিনীগী মমা য়াধে অসি মীকপ খওথোক হেক থোকখিরম্মী।

অদুদগী ইস, ইস য়ায়া য়াক্লয়েদা ঐদি করিনো তৌরম্লিবা অসিদি" হায়দুনা য়াধে ফমুংদগী হৌপৎলম্মী। মতম অদুদা মচ্ছা অদু য়ায়া চোকথরম্মী। অদুমকপু তপনা তপনা মপান্দা থোক্লক্তুনা মহাক্কী মংলান অতু ওমাংগী তুলসিপুংদা অফ-ফত্ত পুমনমক লীথোক্লম্মী। অদুগা মপুয়োইবা য়াজাওদসু মরীক চুয়া তমলম্মী। মতুদা য়াজাওনা —"মওগী বাবু কনানা খওগনি। মতুনা অফবা য়ুদমদী মশক ওইনি হায়বদি থক থাজদ্রে। হেমা হেম্না নং ঐগী অন্না-নুংশিগী মৈচাক হাপকৎলকপা, মসি নত্তনা করি ওইনি? অদুনা কায়দে য়াধে! নং ঐগী লাইবক্তা তমদ্রবনি; য়াগে হায়বমধে য়ারবদা শিবা ফাওবা! গর্ভম অদুদা হেক লোইরে। তায়বওপান অসিদা য়ানি হায়বনিদমক 'মতম-চাম্নক্তদা থরা কিনে।' অদুগা

শিবগীদমক্তি কনাগী মতেং অমুক মৌদুনা শিগদবা নত্তে" হায়রকই।
মদুদা মাধেম্ "খওয়েদা করি মতৌনো তৌরিবা অশিবু।" হায়রগা
মখা অমুক তাখিয়ে।

*   *   *   *   *

অদুদগীদি অমুক মতম চহি অমা মথাই অনিরোম লৈরগা
নোংমা অহলগী মতম ওইরক্নবা চাক্লিবা অমনা ঈশৈ শক্ল শক্লদুনা
মামিনীখোইদা চংলক্লমী। চাক্লিবা অদুগী ঈশৈ অদু খোজানগী
কোম্মোংদগী হৌনা মরোল অসুম্না তারম্মী।

ঈশৈ

ওইশিল্লক্লে অহলগী মতম,
কাম্লরোই—'মুক মারুবগী
হৌখিবা মতম্না শাংখরে,
তুংগী লমীনা তেনশিল্লক্লে।
চংখিনি খওহৌদনা অদুম,
পাম্লম্লগা নোংমতং ময়ুমদা
নীংজম্লক্লোইকো হৌগ্রগা তুংদা,
লেজহৌনি পুক্সি কপতুনা।
তানবা কংলরোই মপোক'সিমগী
মাতুনা তোক্লজি 'রেজদা।
খওহৌরসনু হে মীওইবা।
লৈহৌরসনু তুংগী কিদম।

চাক্লিকপী ইঁশ অসি ঘাবিনীগী থবা নলাই, থাম্না খুনিং চঞ্চনা তানবী মেরুনগী মাখেনা থীরক মচা অমদা চেং থল্লা মাংখ্রমুনা পুথোরক্লবা চাক্লিবগী চেংথাউনা হাসন্দী। 'অদুনা ইপা মরি অমত্তু কংজানী'। অদুদগী ইঁশ হেক লোইরকপদা "মাবা! তসিদী ঙাশে অসি তামদা থুকিং থাম্না খুংগিল্লে। ইঁশ মকুংগী -ইচেনবু করি হায়রিবনো? অমুক্তা শেংনা তাকপিরমত্ত" হায়না হংজগী। চাক্লিথা অদুনা—ইমা! করিবু ওইনি; থীতইবা মরমাগ্ন ঐথোয় অসিবু হায়বনিয়া" হায়না খুম্লগী। অদুদগী মধুগী মিংলোল লোম্ন পোল্লমুনা অমুক খুমথিরকনী।

১৩শুবা মতাং

নোংমরি, নবকিশোর অমসুং যামিনী মংগাম অনি অসি লোইবী থম্লাং হাওমুন্দা ইমরকপা মতম চহি তরামাথোই-তরানি-থোইরোম হাল্লরক্লবদা মপুক্লিং থাম্না খুংগিনরক্লদুনা—'করি তৌর-রদগে হৌজিক ঐথোয়বু, মতম চহি তরানিথোই কাজিল্লকলে, লোইবী চীংদা লোংতুনা লৈখিররকিবা। অতুপা মৈতে ইরোলসু তাংথোরকপদা ইথোইথোইরে। মিজেংন্ত্র হাওকি চপ চানা শেংলে। ঐথোয়বু কনা অমতনা অমুক শক খঙবিগদবা ;লৈরে। অতুনা লোইবীর মৈতে তম্নাক অমুক্তং কুমলুসি; লোকেকম অমদম লেংলুশি।

অতুগা অরেপ্পা খঙখিল্লবা নুংশিরবা ইমা, ইপা অমদি চাম্নরবা মরুপ মপাংনচিংবা পুন্নমক উনরুসি, অতুগা ঐখোয় অনিগী অরেপ্পা লৈকম চাকম অমসুং ইওং ইতৌনচিংবসু ওম্না তাক্লসি” হায়রনা লেপ্পরে। অতুদগী নোংমা নিনিদং লৈরগা অদুম মোইবী খ্যাংগী খুল্লাকপা খুল্লাকপীদা—“ইপা ! ইমা ! নচা অনিবু, মতম কুইনগী পোক্ফম লমদম থাদোক্লয়ে, নুংশিরবা ইমা ইপা কায়নরক্লে, চাম্নরবা মরুপ-মপাং ওয়মক শেংনরক্লে। অতুনা মতম অসিদা ইপা ইমাগী নয়াথং থৌজাল ফংজরবদি পোক্ফম মালেম মৈতৈগী লমদম য়েংবা ওইনা পোইরে মৈতে তম্পাক অমুক্তং কুমজরুগে। মতম চহি কুম্নাং তরানিথোইরোম গুম্লক্লে ইপাখোইগীদা শাইদাংদুনা লৈজরক্লিবসে। অতুগা লাইবক থীরবা নচা অনিবু মতমসিদা কনা অমত্তনা ইছুকসু খঙবিররোই। ওসিগা তরুক্লি ওবা মুমিত্তা অমুক তম্না হজরক্লে ইয়ুম-কৈ অসি ইপানা খরা য়েংশিনবীরমউ” হায়না মপুক্লিং য়াম্না নুংশি-নুংওম্না হায়জরম্মী। মতম অতুদা খুল্লাকপা খুল্লাকপীগী থম্মোই অদু খাঙবা ওমলমদে অমসুং মমিত্তগী মপি তাখিরম্মী। অতুগা হয়াও হয়াওনা চৎচরু চৎচরু হায়না ময়াথং পিবীরম্মী।

খুল্লাকপা খুল্লাকপীগী ময়াথং থৌজাল ফংলদুনা নবকিশোর, যামিনী অনিনা মতুংগী নোংঙাম্লগা হাওসম অমগা লেংকোৎ পোলাং অমগদা লম্বীগী চেংজেন অচা-অথক খরা খরদং হাপচিল্লে। অতুগা যামিনীনা হাওসম অদু মনজন্দা পোশিল্লে অমসুং নবকিশোরনা লেংকোৎ পোলাং অদু খোঙথলে, মখুৎতা তা-সু অমা পাইশিল্লে। অতুদগী খুল্লাকপা খুল্লাকপীদা “ইপা ইমা নচা ঐখোয় অমুক্তা চৎচরুখিদে” হায়রয়দা মপারী খোইনা চাওক্লিবা চহি তরুক

অল্লেহৎঅা মঙাইজগিবা অদুবু মমাং থানা পুখিরগা মখোয়গী পোৎক্ষম মৈতে তম্পাক লমদম পাংলক্লে। অদুদগী অয়ুক চাকচাময়াওঅমগী লম্মী চৎলগা কসোম খুন্নাকপগী ময়ুমদা অমুক থুংখিরম্মী। অদুগা খুন্নাকপদা য়ারমশিং অদু হায়রম্লগা মখোয় অহম্মক অতুম তগ্না লোইবী কসোম জীংজাওদগী মৈতে তম্পাক হায়থরক্লে। অদুদগী পোইরে মৈতে তম্পাক্কী লমদম হেক ম্যৌরকপদা মপুক্কিং পংনুংদা নুংশিনরক্লুনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মমিৎ মমিত্তগী পিগী ঈয়া চেম্মরম্মী। অতুগা লম্নীদা অচৎ অওকশিংগী মরক্তা মহৌশাগী মরুপ-মপাং খওন-চান্নবা কয়া কয়াসু য়াওরকপা উরক্লে। অতুবু কনা অমতনসু মখোয় অনিবু ছক খঙবিখিদ্রে! অতুম থক্লিন্নরগা নবকিশোর যামিনী মখোয় অনিগী মমিত্তগী মপি তাখিবতা মওইরম্মী। অতুদগী লম্বী লমখাংদা নোংমা নিনিদং পল্লগা হুন্নি শুবা নুমিত্তা মখোয় অনিগী পোক্ফম লমদম "কিয়াম সিক্কাই" ম্যৌরক্লে। নুমিৎ অতু লমদা থাগী পুর্ণিমা (থাবুম) য়াওশঙ মৈথাবা নমিৎনি। লম্নী সোরোক্কী মপাল মপান্দা মহৌশাগুম লম-লমগী লৈকাইশিংগী য়াওশঙসু অতুম শাম্নরম্মী। মতম অতুদনা অমুক্কা হেন্না থাম্না য়াদনা মমিৎ মমিত্তগী মপি শিন্থরম্মী। মতাং অসিদা নবকিশোরগী থম্মোয় অতু থাওবা ওয়্যকল্লতুনা হায়রকই। আঃ যামিনী! মেংউ! খঙহৌদনা ওসি, মতম কুইনগী তুংদা ঐখোয়গী পোক্ফম লমদম কিয়াম সিক্কাই হায়বা লম্লেন পোইরে লমনুংশি অসি উরেদো। মতম চহি কুমজা কয়া উখিদ্রবনিকো হে লম-মুংশি!" হায়না হিক্কা হিক্কা কপ্পকই। যামিনীসু—অহোই ইবুংঙো!

মৈবু শম্মোম্ব অসি লুর্বা হাম্বলত্রে। সুক্লিং অসি চান্না নুংশি সুংঙনত্রে। নমদম পোইঠে তান্না অতম কুইমনীদমক পাইরুরবা পোম্বী চোক্লানা মহুম কোন্দা অমুক হল্লক্লবদি, খিক্লাং পিত্থোননা নুংশিজা মত্থোশম্নি” হান্না মমিত্তা মপি হুরা চেল্লদুনা কপ্পা কপ্পা পাউমুরজরকই।

রা ঃ অবাবনি। হর্ষমনিংশাই লৈতনা অবাথনি। পোকতাকদনা পোক্লম্বা মীওইবগী মপোক্তা নবকিশোর অমসুং যামিনী নুংশিমথগী লকমবা লিচিংগী পাজমা মৈত্রবাক্তী হাংজবা চৎনবী পলগী খুরবা লমীদগী লিংথোকখিদুনা সুংশি ঈপাক লাক্লগনু, মগুন্সিগী অয়াম্বা অতমদা কপ্পতনা মথৌদাং ওইত্রে। অসিবু অওকপা অতমগী ঈচেন মক্লা? কনানা খঙবা ঙমগনি।

রাচংবগী মমাং থরা ওইরগনু, মহদি কপ্পা গমকাম্লিঙে মতম অদুদা নবকিশোর, যামিনী মথোম্ন অনি অসি মনজম্মদি হাওসম অমসুং লেংকোৎ পোলাং অমমম পোরদুনা মপারী মাম্বা অতুপা লোম্নমনা যামিনীথোইগী থোজালগী কোম্মাং অদুদা ওইহাক হাওরোল লোমতুনা লেপ্পম্মী। মতম অসিদা যামিনীগী মমা মপানু মাজোনগী ঊথোক্তেম অমমমদা ভাতুনা ফম্লরম্মী। অদুদগী মথোম্ন অহম্মক মরী মরী চংখিদুনা ওম্মাং মতোন্দা লেপলুরে। মথোম্ন অহমু ঊমদা যামিনীগী পাবুং হ্রাজাওনা “ইচাপা! নথোম্ন অহমু করি থবক্তী মাকপনো? করি হান্ননিংবগে? করি খুনদগীনো?” হান্না হংলম্মী। পাউখুমম্লিঙে অতম অদুদা যামিনী অমসুং নবকিশোর মমিং মমিত্তগী মপি তাখিবা থওহৌরমদে। তাররিম্বা মমিৎকী পি অদু লোম্না লোম্না তৈথোক্লরম্মী। অদুদা “ইপা!

ঐখোয়দি জা লোইবী চীংজাওগী "খয়াং" হায়বা হাওখুল অদুদগীনি। করিগুম্বা থবক অমগী ইফালদা চচ্চগে হায়দুনা লাকচবনি; অদুবু নুমিৎ তাথোকখ্রে; হরাগাড়ীসু অমতা লাকখিদ্রে। অদুনা ওসি অহিং অসিতদি য়ারবদি ইপাখোয়গী অসিদা থরা পঙখিগে হায়দুনা চওজরকপনিনে ইপা! হায়না খুমম্মী।

যামিনীগী মমা, মপাসু মখোয়গী য়াওং-য়াহৈ থোনফম অদু তাবদা চীংমী হাওমক ওইরগসু মপুক্রিংদা য়াম্না নুংশিবিবা পোক্লম্মী। অদুগা "কৈ কৈ ইচাশা! লৈজো লৈজো" হায়দুনা ফৌও শঙ মচা অমদা তরু তরুনা শেংদোকপিরগা মত্থদা কৌশিন্দুনা লৈহল্লম্মী। অদুগা নখোয়গী চান-থরুবা অয়াৎ-অপাগসু করি করিনো হায়রু ইপা পিগে" হায়রম্মী। মতম অদুদা নবকিশোরগা যামিনীগনা "ইপা! ঐখোয়গী চেং-চাক ভা-থুম্নচিংবসু ওয়া য়াওজরকই। ইপাখোয়না নুংশিবীদুনা থোং-খাক্রবা চক্কু-উয়াল অমা অনিদং পীনবীরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি" হায়না খুমম্মী। অদুদগী যামিনীগী মমা রাধেদা —"চক্কু উয়াল করম করম্না লৈবগে? থরা অমুক্তা থিদুনা পুথোকপীরকউ—" হায়রম্মী। রাধেনা "চক্কু অমগা উয়াল অমগা পুথোরক্তুনা সে সে অসিদা থোংনরোকো ইচাশা হায়দুনা পিরম্মী। মতম অদু চীংমী হাওগা থুংলবদা কোজ চিক্কদি পিজিন্নহল্লমদে। মৈতৈ লৈবাক্কী পাম্নি পুরিগী চৎনবীদা অশেং-অমাংগী মরমদা য়াম্না কান্নিওে মতমনি। অদুগা শীং-মৈনগসু থরা পুথোরক্তুনা থম্বিরম্মী। অত্থদগী "ইচাশা! নখোয় য়াররিনি চাক থোংনবা হোৎনজররো। অদুনা ঈশিংগীদি নখোয়না তুরেলগী পোকচরুবা

তারে। ইপাদ্খোয়দি তোর্বান্দা তাবনিনা তুরেলগী ঈশিং চায়! তুরেল কুমা অমী ইপা তাক্কে" হায়দুনা ষামিনীগী মপাবুং মাজাওনা নবকিশোরবু তুরেল তান্না লমজিংবীরম্মী। নবকিশোরনা তু:রলদগী চক্কু-উয়াল অনিমক ঈশিং শোক্কৎলকৃতুনা থম্মী। ভাইহাক্তং লৈরগা ষামিনীনা চাক থোংলম্মী। মতম অদুদা ষামিনীগী মমা রাধেনা "ইচাশা" নখোয়বু নমিং কয়ি কয়ি কৌবগে?" হায়না হংলম্মী। নবকিশোরনা ইমা ঐনা অ:মবা কৌই।! মহাকনা শগুন্নু কৌই। অদুগা নিপা মচা অ:সিগীদি মমিং থোজদ্রি হায়না খুম্মী। অদুদগী ভাইহাক্তং লৈরগা অনুম চাক লোইরে। চাক লোইরগা "ইমা ইপা! ঐখোয় অনুক চাক চাজরগে" হায়না য়ান্না চৎনরোল খওনা হন্নৎলগা ফজনা চারম্মী। অদুগা চা-থকপগী হৌনবীসু খওনা য়াম্না আলক নাইনা অ:কান অহান খায়না চারম্মী। চাক চাবা তোক্লগা তরু-তরুনা য়া:ইঁত লম.শংরে অমসুং থোং থারুরুবগী চক্কু উয়ান অদুসু নুমিদাং অদুদা থাওমৈ লাল:টন অমা চুথৎলগা তুরেন মপান তান্না পুদুনা চৎলগা হুন্দোকলুরে। অদুগা রাধেনা মখোয়না থাদুনা হিগচনবা হায়দুনা ফক অমা অনিসু পীবিরম্মী। অসুম্না হাও ময়াং থিদনা ময়ুমদা খুংলবা মীশীদমক য়ান্না হরাও হরাওনা ওনজবা মখেদি লুনা চান্না হোৎনবীরম্মী। অদুদগী নবকিশোর ষামিনী মখোয় অহমসু ফক অদু থাদুনা তুক্কম শেম্মী অমসুং "ইমা! ইপা! ঐখোয়সু তুমনবা তৌজরগে" হায়দুনা অদু৷ তুমখ্রে। থোইদোক্না মতম অদু ক্নাওবা ষামিনী নবকিশোর অনিমক মমিঙগী মপি তাবা লোইখিদে।

নোং ওান্নগা পেচকারি নুমিৎকী অয়ুক অওনবদা অমুক ইফ্রাল্লদা চৎননবা খৌরাং শেম শারম্মী। মতম অদুদা যামিনীগী মমা রাধেনা "ইচাশা! ওসিদি, ইমা করিগুম্বা ৱারম অমত্তা হংগে।—নখোয়গী অা লোইবী চীংজাওগী খুলশিং অদুদা মতম চাহি তরামাথোই-তরানিথোইগী মমাংদগী ওসি ফাওবদা তমগী যামিনী কৌবী নুপী অমগা নবকিশোর কৌবা নুপা অমগা লাক্লুনা লৈরে হায়বা করিগুম্বদা তাখি-লাকখিদেকো" হায়না হংলম্মী। ৱাহং অসি তাবদা যামিনী অমসুং নবকিশোর পাউখুম পিন্নিৎভগী মমাংদা মমিৎ মখিত্তগী মপি চদুম চদুম শিম্বুরকপনা হান্না মাংওইনরকই। অতুগা যামিনীনা "ইমা! মখোয়বু হংবিন্নিবা মরম করিগীনো? নত্তা ঐখোয়দি খোইদোকপা তাখি-লাকখিবা লৈজদে" হায়না খুম্লম্মী। অদুদগী রাধেনা মমিত্তা মপি তানা 'ইবেম্মা! যামিনী হায়বী নুপী অদু ইমাগীদি মুংশিজরবী, মবুং তরেৎকী অরোয়বদা মতোমতা তাওনা পোকচবী ইমোমনি। মপুন্সিগী মখোৎ কনকপা মতমদা নবকিশোর হায়বা নিপাতুগা লোয়ননা চৎমিন্নগ্রবনি। অদুদগী ওসি ফাওবদা, করিগুম্বা মখোয় অনিগী ঈ-পাও অমতা তাখিদ্রে। অতুগা তৌবদি মখোয় অনিগী মরমদা ঐখোয়গী মৈত্রবাক্সী ওইনা লৌন লৈনবগী চৎনবীদা চাওনা করিগুম্বা অকান্নবা অমা লৈবদগী অদুম খওহন্দনা থুগখিত্নুনা হল্লকখিদ্রবনি। মরম অদু ইমা হায়গে। নবকিশোর হায়বা অতুনা মৈতৈনি। ইমাখোয়না ব্রাহ্মণ, হায়ন্নিবা শাগৈ-জাৎ অনি অসি ঐখোয়গী মৈত্রবাক্সী চারোল-গুরোলশিংদা লৌন-লৈনবা য়াদে। অতুমুদি ওইরগা মখোয় অনি অসি য়াম্না মুংশিনখিবা মরম্বা মৈতৈ

ইমা লৈবাক্কী খাগিবা ক্লাংলবা পল্লোনগী ক্লাংমদা চৎল্লবনি। মতম অদুদগী হৌনা ইমাদি কপতুমতা লৈরবনি" হায়রকই। মতম অত্তদা নবকিশোরগা মপা মচাসু অত্তম কমতুনা মুম্না তারম্মী। ওাংনরিবা ক্লারম অত্ত তাবদা নবকিশোর মমিত্তগী মপি শিন্থুরম্মী। অত্তদগী খামিনীনা মমিত্তা মপি তরং তরং চেন্নদুনা —"ও ইমা! মহাক্কী নক্লাহে অসি তাবদা নচাসু থম্মোয় অসি পুবা হ্লারকব্রে" "চুমই মতম চহি কুম্লাং অসুক কুইনা অদুক নুংশিরবা নংমোম অমবু মখোৎ কারকপা মতমদা মকম খংদনা মাওল্লবদযু করম্না লৈফম চাফম খওগদৌরিবনো? করম্বা মমানা মৈচাকতু খাও- গদৌরিবনো? ওরাংতগী থম্লাংগী হাওনুবী ওইবী নচানুপী ঐদসু ইচা নুপা পিশক অসি ওাইহাক্তং হেক উদবদা লৈফম চাফম খওল্লিবনি ইমা!

অত্তবু ইমা! মীওইবা ঐখোয় অসি থক মাওবা ম্লাবদি নত্তেকো! হয়েং মতম অমদা শোয়দনা মখোইগী ঈ-পাও তারক- থিগনি। মতম অদুদা অরা-মুংশি অমসুং নুংওাই-ম্লাইফ পুম্নমক খওলক্কনি। পুম্নমক অসি মপুগী নোংদম খোলগী থৌজাল ওাক্কি" হায়না হায়রম্মী। অদুগা খামিনীনা চৎলমদাইদা পান মংল্লা খরসু হাওসমদগী লৌখোকতুনা পীরম্মী। অত্তদগী "ইপা! ইমা! নচা নমোম ঐখোই অমুক চচ্চরগে; খরা ওল্লিওদা ইফাল ম্লোহৌনবা হোৎনজগে" হায়ত্তুনা খামিনী অমসুং নবকিশোর মখোই অনিমক হাওসম অমসুং লেংকোৎ পোলাং পোম্বৎনরে। মতম অসিদা খামিনীগী মমা রাধেনা "ইচা নুপী, নহাকসে ইমোম খামিনীগী শকম মানল্লেদকো! নক্লাহেস্থ তাবদা ওস্থোক্কা মুংশিল্লেদা ইমানা"

হায়না হেক হায়রকই। মতাং অসিদা যামিনীস্থ "উম নমোম যামিনীগী শক্তম মাল্লবস্ ইমা! নচা নুপীদি আ লোইবী থমুলাং চীংজাওগী হাওনুবী শগনু ওইদ্রেনা ইমা!" হায়না মমিত্তা সিগী ঈরা চেল্লদুনা থুম্লগী নবকিশোরস্ — লৈবিহৌরো ইমা! নচা হাওব-খোই অমুক চৎলেকো, থারৌবিগমু থাবিখিবগী লমন শীংজরমদ্রে" হায়না য়াম্না নুংশিনা মমিত্তা মপী তানা হায়রম্মী। অদুদগী মপারী নরা অদুবু মমাং থানা পুবিদুনা যামিনীখোয়াদগী থোক-খিরম্মী। থোঙ্গাল ফাওবা অদুম হমা চিংনা-চিংনা য়েংহুনা চৎখিরম্মী অমসুং সোরোক্তসী অমাকপা হয়াপাড়ী অমদা থাম্নগা তোংহুনা ইঙ্কাল তাম্না চৎখিরম্মী। অদুগা যামিনীগী মমা মপাস্থ মখোয়না ভাংথোক শক্তোক্লকপা অদু তারগা মপুক্লিংদা পংমুংদা মুংশিবা পোকখিরম্মী। অদুগা যামিনী অমসুং নবকিশোর মখোয় অনিগী মমিত্তগী তাখিবা পি অদুগী মরমদদি—করি অমতা খওলমদে। য়েংবিউ মতাং অসিদা ছুক খওনখিব্রবস্থ মুংশি ঈচেন্দি লোম্না থুপ্না চেল্লিবসে।

নবকিশোর অমসুং যামিনী অনিগী মমা মপানা থোইদোক্না হরাও কুম্মেগী মতম থোক্লকপদনা অগুক্কা হেন্না মথরাই চাক্লম্মী। করিগীস্থ মুংভাইগদগে? মমান-মমান্নবশিংনা লমী লমজাওদা শজু শজু চৎপা উরগা অহোইনহুম মপুক্লিংদা য়াম্না হেন্না নুংভাইতবা পোক্লম্মী।

অসুম্না মতম কুইনগী তুংদা মমোমগী নুংশি মৈচাক্লা ভাওরবী কনাগুম্বী মমা অমনা লোৎপ্রবী মমোম্নু মমাংদা লাক্লুনা লেপ্পরবদা চুক খওখিন্নদুনা মমোমগী মপাউ নু মথৱাই শোক্লা মমোমদা হংজবদি, ফোংদোকপা য়াপ্রিবী মমোম অতুনা মতম অদুদা করি ওইবা হৌনরবগে। অরাবনি। তায়বওপান অসিদা মীওইবগী পুন্সিদা করিগুম্বদসু অসুম্না হেক হেক থোক্লকপসু ময়াওইকো।

১৭শুবা মতাং

নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা ইম্ফাল য়োৌরগা মৈত্রবাক মণিপুরগী পাউজেল চেদা মখোয় অনিগী মরমদা ৱারী ৱাখোঙ গুগাইনা ইদুনা ফোংদোকপা আর্টিকল অমা হাপশ্রে। অদুদগী অগুক তন্না অয়ুক্কী চাক ঈশিং চান-থকবা মতমদা ইম্ফালদগী হল্লক্লুনা কিয়াম সিফাইদা, খাঙেম্মম নবকিশোরখোয়দা হায়জিনখিরন্মী। মদুদসু থোঙাল য়োৌরগা পাক হেক চংবা ওয়খিত্রত্লুনা মখোয় অহন্মক কোম্ফোং ময়াদা হাওরোল লোম্নদুনা ভাইহাক লেপ্লন্মী। মখোয়গী মতৌ অতু উবদা নবকিশোরগী মমা মপানা "কনা কনানো? চঙঙকউ লাও! করি হায়নিংবগে হাল্লরো লাও।" হায়না কৌশিনখিদুনা মখোয় অহন্মক গুমাং তাম্না চংখিদুনা লেপলন্মী। মতম অদুদা নবকিশোরগী মচন

দগুমতিসু মখুম খীকে পাল্লমখি। থোইদোক্সা অচননুপীবু উবদা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিমক খঙহৌদনা মমিত্তগী মপি তাথিরম্মী। মপি অদু লোম্না তৈথোক্লগা "ইপা"! ঐখোয় চু অমা অনিদা লৈজগে; ইফাল চৎলুবদা য়াম্না য়াবে। চাক-উশিংগী থৌরাংসু মতমগী তাজানা য়াখিদ্রে" হায়রম্মী। মতম অদুদা নবকিশোরগী মমা মপানা মখোয়গী মতৌ অদু উবদা নুংশিরবুনা অদুদি —চেং-চাক পীরগে ঐখোয়গী অসিদা থোংলগা চারোদনা" হায়না হায়রম্মী। নবকিশোরগা যামিনীগনা "ইপা! ইমা! ঐখোয় চাজররোই; মতম লৈদ্রে, হয়েং হাংচিত্তি অা লোইবী চীংজাওগী "খয়াং" হায়বা খুল অদু য়োৌনবা চৎচগদবনি, লম য়াম্না লাপ্লি" হায়না য়ারমদে। নবকিশোরগী মমা মপানা "ফয়ে ফয়ে, অদু ওইরবদি ইচাশা! হোরেল নখোয়না লম্বীদা চাজনবা ঐখোয়গী অয়োইবা চাক অসিদগী খরদং হাপ্লিরগে" হায়দুনা মচা নুপী দগুমতিবু চাক ইস্থাং খরা থিদোকহল্লদুনা পুথোক্লক্লে, অদুগা চংবী লারাক নিংথিবা অমদা ইরেপ্পনা য়োম-শিনবীরবুনা "সে, সে ইচাশা! নখোয়গী হাওসম অদুদা হাপচিল্লো" হায়বুনা পীরম্মী। মতম অদুদা নবকিশোর যামিনী অনিনা মমিত্তা মপি তয়ং তরং চেল্লবুনা "ওসি ইমা ইপা অনিনা তোল্লবা খয়াংগী হাও নচা অহম্বু থাজে শেংবা নচাশিংগী পাম্নমগুম্না তৌবিরিবা অসি হন্দক মপোক্সী ঐখোয়না অমুক লমন শিংজবা ওয়রোইকো!" হায়না হায়রকই। মদুদা—"ইচাশা! নখোয়না হায়রিবা অদুমক্কা হেক মওক্লে। নখোয়গী নতৌ অসি উবদা য়াম্না নুংশিল্লে; হ য়না নবকিশোরগী মমা মপা অনিনা খুয়রকই। অদুগা দগুমতিসু

নবকিশোরখোয়গী মনাঙ্গা চংলকতুনা "ইমা খাজি! নিপামচা অসি নুংশিব্রা? ঐখোয়গী আচৌবা মাঙ্গা য়েংবীয়ু!" হায়রম্মী। মচনগী মাহে অদু তাবদা নবকিশোর—মথন্নাই পুবা য়ারকন্নদুনা "ইচন! ঐগীসু ইয়ুমদা নুংশিরবী ইচন অমথক লৈহৌই। ওসি মতম কুইনগী তুংদা ইচন নহাকপু উবদা নবুংনা পুন্সি অসিমগীদি অরোয়বা অমা ওইনা নুংশিব্রে। নবুংগী থম্মোই অসি কপুবা ওমখিব্রে" হায়না মমিত্তা মপি তানা মপুক্লিং য়াম্না নুংশিনা হায়রকই। মতম অদুদা খাম্মিনীসু মমিত্তগী মপি চত্থম চদুম তানা "ইচন! ঐখোয়দি অা লোইবী থম্লাং চৌংজাওগী হাওনিকো! নুংশিদা ইচন!" হায়না হায়রকই!

অসুম্না মতম য়াম্না কুইনগী তুংদা মচিন মৌপুবা ভাংন—শক্ল-রকপা মাহেশিং অসি তাবদা নবকিশোরগী মমা মপাসু নখোয়গী থম্মোয় অদু পুবা য়ারকন্নে অমসুং খওহৌদনা মমিত্তগী মপি তাখিরম্মী। মতম অদুদা খমোম দগুর্মতিনা মবুংগী মাবু পন্নকপদা করম্না মপারীগী মুংশি মৈচাক মুৎকদৌরবনো? অদুগা থোইদো-ক্লন্ন মুপা মচা অদু মশক মতৌসু য়াম্না ফজরম্মী। উবদা কথিমতা হাওছক মাল্লমদে। য়াম্না নুংশিবগী মতৌ লৈ। মতমসিদা "ইচাম্মা! নখোয়বু থম্লাং হায়বা হাওখুল অদুদগীনি — হায়বা নখোয়গী নখুলদি কৈদৌওশিং য়ৌবা ওমগনি" হায়রতুনা নবকি-শোরগী মমা কবোক্লনা হংলম্মী। নবকিশোর, খাম্মিনীনা "কম্না চংলবদি ইমা! মশেম মরৌপা য়ৌরুবা য়াই, য়াম্না লাপ্পীবা ইমা! হায়না খুম্লম্মী।

অদুগনী চু অহম অমগা স্নানবিরকহনা তেত্তক. [illegible] মকক ককথৎপিরে অতুগা মখোয়গী লেংকোৎ পোলাং অদুদা হাপচিনবীরম্মী। মতম অদুদা মামিনীনা "সে ইচন! ঐখোয়গীদি অদি মঙাইরে, ইমা, ইপাখোয়না চরা অমতং ওইরবস্তু, মমনবা" হায়দুনা হাওসমদগী হাওপান পান্দুম মস্ত্রা অমা অনিদং মোখোক্তুনা পীরম্মী। অদুগনী নবকিশোর মামিনী মখোয় অনিনা মায়্যা খোয়াংবা মাহৈনা —আ: —ইমা! ইপা! ইচন! ওঙ্কোকা নুংশিজ্রেদকো। হন্দক মপোক্কী কাউবা ওয়্যরোইদো। কায়নরবসু ইখাংদা ওসিগী মপ্তৌ অসি ইমিৎনা সং সং উরগনি, করিওমদনু মাঙবা ময়রোই। ফরে, — ঐখোয় অমুক চক্তরগে। পুক্কি অসিমগী তৌবিমল কাউজদবতনা লমন শিংবা শকচগেকো।" হায়রম্মগা অদুম খোকখিরম্মী! অতুগা নবকিশোরগী মমা-মপা অমদি মচন মখোয় অহস্মকীসু নুমিৎ অদুদা হায়রম্লিবা মাহৈশিং অদুনা মখোয়গী থস্মোই অদুদা ময়েক লানা লানা মেক্তুনা কাউবা ময়রোইদোবা অমা ওইনা লৈহৌরম্মী।

নবকিশোরখোইদগী থোকক্লগা নোংপোক পাংনা সোরোক্কী মতুং ইমা খরা চংলগা মাইরাম শ্যামাখোইগী লৈরক্তা অমুক হায়জিনখিরম্মী। মতম অদুদা শ্যামাদি বি: এ: পাস তৌদুনা থৌবাল হায়কুলদা ওঝা ওইরম মতম চাহি মনি মঙা ওরয়ে। অদুগা ওইনাম সখিস্তু মেট্রিক পাস তৌরবা- তুংদা শ্যামাদা লুহোংদুনা লৈরম্ম অমসুং নবকিশোরগী মচন দঙমতিদা লোয়ননা লয়েন কিয়াম সিফাই লময়মগী-নৌনা হৌরম্লিবা মুপীমচাশিংবু; তুংগী লাইরিক-লাইওগী লমীদা খরা খরদং চাওখৎলক্কবা হায়দুনা

নুপীমচাশিংগী লাল্লার প্রাইমারী স্কুল অমা লিংখৎলম্মী অদুগা মদুদা মখোয় অনিমক অরামল ফাওবা করি অমত্তা লৌদনা য়াম্না মথৱাই য়াওনা ওবা ওইদুনা লৈরম্মে।

অদুদগী মখোয় অহুমক শ্যামাখোইগী থমাং ফাওবা করি অমত্তা পন্দনা চঙখিরম্মী। মতম অদুদা শ্যামাখোয়গী ইমুংগী মী কনা অমত্তা লৈবা উপ্রতুনা নবকিশোরনা—ইমুং অসিবু কনা কনা লৈবগে হায়না হংলম্মী। মখোয়গী মখোল তাবদা সখি অসি ইমুংদগী মপাল থোরক্লম্মী। অতুগা—আ ইবুং হাওবখোই! করি করি হায়নিংবগে হায়না হংলম্মী। নবকিশোরনা—ইচন ঐখোয়বু নুংশা মরক্তা লাকপদা ঈশিং য়াম্না খোরাংল্রে, অতুনা থক্রবা ঈশিং থরদং নিজগে হায়তুনা চংজরকপনি হায়না খুল্লম্মী। মতুদা সখিসু হরাও-হরাও — ফৈ, ফৈ, থকউ, থকউ পিগে হায়তুনা থুনমক ইমুংদগী কোল খুজাই অচৌবা অমদা কংনান পুন্দগী অয়োকপা ঈশিং থম্না হৈদুনা পুথোক্লকগা—সে, সে ইবুংখোই! পেন্নবা থকউকো হায়তুনা মখোয়গী মনাক্তা খিনবীরম্মী। নবকিশোর-খোইসু ঈশিং লৌতুনা অমুক অমুক থক্লরম্মী। অতুগা—হাওখ্রদা ইচন! নহাক্কী ওসিগী ঈশিং অসিদি! হৌজিক্তি ইপুক অসি য়াম্না ইংলেদো হায়রম্মী। অতুদগী সখিনা — অতুদি, ওইহাক পোত্থাত্থোদনা ইবুংখোই! হৌজিকমক চৎলবদি য়ারনি হায়তুনা কানশাং অমা অরাংথংবা শত্তোইগী উরুম লাংবা মচি অমদা থাবিরম্মী। মদুদা মখোয়সু ফৈ ইচন! অইংবসিদা নুংঙাইনা পোত্থাখিদে হায়তুনা চঙদুনা কম্মখিরম্মী।

নবকিশোর, যামিনী মখোয় অহম্না তাইহাক তাইহাকৃতং ক্ষয়তুনা পোথারিগৈ তাঞ্জা অতুদা শ্যামাসু চাক তোক্লকপগী মথুৎ হাযগে হায়তুনা মপান্দা থোয়রক্লমী। মতম অতুদা নবকিশোরনা যামিনীগনা উন্ননিংলিবা মী অনিমক য়ুম অমতদা পুন্না লৈমিন্নরম্বা অতুদা সপুক্লিংদা য়াম্না মুংঙাইবা পোক্লখিরম্মী। অদুদগী শ্যামাসু —ইচিম্নাউখোইদি করি খুন্দগীনো? কদায়দা চৎলুখনো? হায়না হংলম্মী। নবকিশোরনা —ও! ইচিম্নাউ! ঐখোয়দি অা লোইবী চীংজাওগী 'থয়াং' হায়বা হাওখুল অতুদগীনি। ইফ্রালদা করিগুম্বা থবক অমগী চচ্চরুবনি হায়না খুম্নমী। অদুদগী শ্যামানা — অা নখুল থয়াং হায়বা হাওখুল অদুদি কয়া লাপ্পি কদোমদা লৈ হায়না অমুকসু হংলম্মী নবকিশোরনা — ওঃ য়াম্না লাপথে। ইচিম্নাউ খোঙনা অসুম চৎলবদি নুমিৎ মরিনি মঙানিগী লম্বীনি। চীংজাওনি, লোইবী চীংলোল মাপনগী চাউরবা চীংহ্না নাপোম্নি। অসিদগী নোংপোক চীংখোলোমদা লৈ হায়না খুম্নমী। অসুম্না তাইহাকতং য়ারী-য়াতাই শান্নরবা তুংদা নবকিশোরনা— ইচিম্নাও! ওসিদি, ঐখোয়বু নুংশা মরক্তা লাকপগী থৌরাংলবা মতমদা ইচম্না হয়াও হয়াও অইংবা অহাওবা ঈশিংগসু পীথকতুনা তাইহাক তাইহাক ঈংনা পোথাহল্লে। অদুবু করিগুম্বা য়ারম অমতংগদি হায়জনিংই। অতুগা ওসি ঐখোয়না জাতি তোঙানথ্রবা অমদি হাও চীংমী ওইবগী ক্ষিজেৎ চাকচানচিংবা তোপথ্রবা অসিদা হজোইবিতুনা হায়দোক-চরক্তদৌরিবা য়াক্কম খয়দং অসি অরেমদা তাহনবিগন্না হায়না খন্নুবদা পুক্লিংদা নুংঙাইতবা থজিক্তংদি পোকই। অদুবু হায়-নিংবা য়াদি পুকণুংদা ক্ষুমতুনা থমজয়োইকো। মুংশিন্নীতুনা নীঙবা

কাঞ্জেনিঙ্গমক মাওবদা লোইবী চৈংজাওগী চৈংমী, হাওনি হায়না মনবীদুনা ইরুক্ত ভাকশিগনি নিংজে” হায়না মপুক্সিংদা লৈবা হায়নিংবো ব্রাহ্মেণশিং অমু অসুম্বা হায়বা হৌরকপী। “ইচিমাও! ঐখোয়গী ইপুশিংদা মক্তক কুইনদগী পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক কুম্নকপা, হৃদয়গী পোক্তকপ অসিনা অহানবনি। পোইরৈ মৈতৈ লমদমু হেক উবদা ইপুক্সিংদা ময়াম্বা নুংশিবক্তি পোকত্রে।। অদুম্নদি ওইরগা নুংশিরবা পোইরৈ লমদম অসিনা ঐখোয়গী থওম-চাম্নবা মরুপ-মপাং কনা অমত্তা লৈজদে। অদুনা ওসিদি, মরুপ শাম্নচুনা হুক নাইথিনা মুম্না থওনজনিংই। অচু ওইরবদি করিগুম্বা মতম অমদা পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক কুম্নকপদা চওজনিংঙাই মরুপ অমা লৈরে হায়না ঐখোয়গী ইপুডা নুংঙাইবা ফংজননি হায়না হায়রকই।—মতম অচুদা শ্যামা অমসুং সখি মখোয় অনিসু নবকিশোরগী খোঙলক্ত, নৌরবা ব্রাহ্মেণশিং অষ্ট তাবদা মখোয়বু ময়াম্বা নুংশিবা পোকপী অমসুং মপুক্সিংদা চৈংমী হাওমক ওইরবসু নবকিশোরগী রাজাং-শঙাং, ব্রাহ্ম খোনথমশিং লমচৎ অচু তমজনিংঙাইগী মশক্তি হায়না খল্পী। অচুদগী শ্যামানা ফৈ, ফৈ, ময়াম্বা মুংঙাইরে ইচিমাও! —ওসিদগী হৌনা মরুপ শাম্নরসিকো!—মিংনা করি করি কৌবগে? অদুগা হাও মৈতৈ কিজেং চাকচা হায়বা করি খোইমোকপা লৈতে। পুকচেল খোয়জেল তিম্নরগা, অমচৎ-শাজৎ [illegible] অদুম নুংশিনবা ওক্তনি হায়না হায়রম্লই। শ্যামাগী [illegible] তাবনা খোইজাকা নবকিশোর, মপুক্সিংদা লেনবা পোক্লপী। অদুগা ঐগী ইমিংনা ‘অমেবা’ কৌই। মহাক্তীনা শওনু কৌই।

নিপামচা অসিগীদি মমিং খোঞ্জিব্রি হায়না খুমলী। অদুগা ইচিন্নাও-খোইগী মিংনা করি করি কৌবগে হায়না হংলম্মী। মতম অদুদা শ্যামানা ঐখোয় অনিগী ইমিংদি—ঐনা শ্যামা। মানা সখি কৌই হায়রম্মী। অদুগা মতম অদুদা যামিনীসু অদুদি ওসিদগী হৌনা ঐগসু খোইনৌ ইতা শাম্নসিবো। হায়দুনা সখিদা "খোইনৌ ইতা" হায়না কৌরম্মী। সখিসু য়ায়া কনি খোইনৌ ইতা! হায়না হরাও হরাওনা খুমলী। অসুম্না নুমিৎ অতুদা নবকিশোর, যামিনী অমসুং শ্যামা, সখি মখোয় মরি অসি অমুক ইনৌ নৌনা মমাংওগী মতৌগুম্না মরূপ শাম্নখিরম্মী। অদুদগী মমিত্তগী মপি চদুম চদুম তারদুনা হাওসমদগী পান মঙ্গা খরদং লৌথোক্লগা পীরম্মী। অদুগা ইতাও! ইচন! ঐখোয়সু অমুক হঞ্জরগে, থেওথ্রুনি। ওসিদি য়ায়া নুংঙাইরে ঐখোয়না অতে করিমতা পীনিংঙাই য়াওদ্রে হায়না কায়না রাফম লৌনরগা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিনা মপারী নত্রা অতুবু অমুক মমাং থানা পুবিরতুনা নুংশিরবা মমা মপা, চান্নরবা মরূপ-মপাং অমদি মপুন্সিদা কাউবা ওন্নরোইদবা মখোয়গী পোক্কফম লমদম ওন্নমক থাদোক্লমতুনা থাগপ্রবা লোইবী খুম্নাং চীংজাওগী হাওখুল তন্না খোঙশানখিরম্মী।

অঙকপনি! পোইরৈ মৈত্রবাক্সী কম্নবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তগী লমদম তান্না থাপ্না পাইথোকপ্রবা তমগী পোম্বী চেক্লা! পঞ্জিরমদাই মতমদা মহুম কোন্দা অমুক চাজাখিবা কনাগী থম্মোই কায়দ-নিংঙাই ওইবগে! পাইগরো তমগী পোম্বী চেক্লা, শাথপ তোয়খরো, অচিকপা লমদম য়েংনা তান্না, পুন্সিগী অরোইবা লমদম পোইরৈ তমনা।

অদুগা মতম অতুদা য়াওশঙনি হায়দুনা লৈরক্ সোরোক কুমা পাখও লৈশাবী মৌনচিংবা শন্নু শন্নু চৎপা উরগা মখোয়ু অনিগী হৌখিবা মখোৎ কারকপগী মপুন্সিদা মনীং-মখা তম্না হুন্নাও কুম্মে হেক হেক থোরকপা খুদিংদা মরং মগান্নবা শন্নু শন্নু তীন্নদুনা কোন্নমিন্নতুনা চামিন-থকমিন্নরকপা নুংঙাইমিন্নরকপা পুন্নমক অতু নিংশিংদবা ওন্নমদে অমসুং মখোয়গী মপুক্লিং অতুদা অমুক হান্নদগী শরুক চাম্মা হেন্না নৌহৌনা নুংশিরকপা পোকখিরম্মী। অদুদগী থৌবাল কৈথেল য়োরগা ডাকঘরদা চিঠি অমসু ইরগা থাদরম্মী। অতুদগী অমুক তন্না অতুম চৎখিনুনা য়াইরিপোক কৈথেন্দা নুমিৎ তাপ্রবা শঙুং য়াচংবা মতমদা থুংখিরম্মী। অতুগা মখোয় অহুম্মক নবকিশোরগী মমা মপানা হাপ্পিরকপা চাক-ইস্থাং অতু হাওসমদগী লৌথোক্লতুনা চামিন্নরগা কৈথেলগী শঙ অমদা চংতুনা অহিং অদুমা লেনমিন্নখি।

নোংঙাল্লগা পন্দনা য়াইরিপোক কৈথেন্দগী খুৎলৈ থুনা চৎখিদুনা অয়ুক্কী চাক ঈশিং চান থক্লবগী মতমদা লোইবী কসোমগী চীথোও য়ৌখিরম্মী। অতুগা মতম অতুদা মখোয় অহুম্মক চারম থন্নম কয়া ন্নায়োং চান্দিবা, তুম্মা হিপ্পা মতম নাইখিদবা অদুনা লমী লমশাং চংপদা ন্নাখিবনা মখোও থাংবা থোক্লদবা মথে চোকথনরতুনা ওাইহাক-ওাইহাক পোথাখিসি হায়তুনা উরুম লাংবা উখা অমদা চঙখিতুনা ফম্মিন্নখিরম্মী। অতুগা হাওসমদগী চু মকক অমমম লৌথোক্লনা অরাম-খৌরাংবা খরা খরদং কোক্লনবা চানরম্মী। মতমতুদা ন্নামনখিবদগী চু চানা চানা মপারী নন্নাতু মমাগী মতম্যজা ওাথতুনা তুমখিরম্মী। অতুদগী ইখও খঙহৌদনা বান্নিনীসু মতম

চাদনা পোত্থাবদগী অতুম তুমখোকন্ত্রে। খুতম অতুদা যাম্বিনীনা হেক উবদা তুপ্তুংনা অকিবা গোক্লবা মণ্ডলান অমা থেংনরম্মী। তাঙ্গাতুনা ইনক নরুপ লোইবী কসোম চীংজাওগী চীংমায় নাগোম অতুদগী শিৎন্নকপা মালং ঈপোম অমদা য়াওরকপা মিরবা খোঞ্জেলগী ঈশৈ অমা নবকিশোরগী মনাকোংদা হেক তাখি। তাখিবা ঈশৈগী মরোলদি অসিনি।

ঈশৈ

হা ওসি কৌবা নোংলেন্দা
পামেল উথাদা খোয়েল তুমখুল তান্নিবী
নুরা লাইবক চাওবী ও।
নপারী নান্না শেৎন তাইবং পুন্সি ন্নাংমদা;
লাংওনগদবা নুমিৎ শীংবুম কুইন্নকন্ত্রে ন্নারুনু,
হা ন্নারুনু লাইবক চাওবী ও।
মালং ঈপোম হৌহৌনি, তাইবং মীকপ য়াকায়নি,
মসি 'পুম্না খোইয়ুম লাইগী খুশিন্নি
হা লাইবক চাওবী ও। ন্নারুনু!

তারকখিবা ঈশৈ অসিদা নবকিশোর, ওক্লতুনা ঈশৈ শক্লকপা মায়কৈরোমদা হৌগৎতুনা কোইয়েং য়েংলকই অমসুং খওহৌদনা মপুক্লিংদা অন্না মৈশা লাংখি। অতুদগী "আঃ পুন্সিগী অরোইবা পুংক্লম য়ৌশিন্নক্লবোইরে। ক্ষরে, ইবুংঙো মহাক্লী থৌজান্নি।" হান্নতুনা যাম্বিনী মমা মচাবু হৌদোকপিরম্মী। মতমসিদা যাম্বিনীসু মীকপ থোরকপদা মহাক্লী মণ্ডলাল অতু মথবাই ন্নাম্না ন্নানা কপ্পি কপ্পি তৌরতুনা নবকিশোরদা অসুম্না তম্নমী। "ইবুংঙো!

ওসিদি উথা অসিদা, পোথারিডে হ্রামনখিবদগী ওাইহাক তুমোই লাকপোই চৌরুরে। অদুদগীদি ওম্নবা লোইবী চীংমায় নাপোম অমগী শোওগ্রবা লোকমুং অমদা হাওনুবী অমথক্রা মখুত্তা কোল অমুবা স্নম্রা পাইরগা নোম্ভুনা শুহা মচা অমদগী ঈশিং শোক্লিওদা কৈজাও অমথক খওহৌদনা নারক্তগী চোংথোরকতুনা হাওনুবী. অতুগী নুশমদা কোনবোই করিবোই তৌরগা শোরো শোরো লাক্-তুনা অশোওবা অওম্না চীংমায় অদুদা চীংখৎখিরম্মী। অদুগা মুপামচা অমসু কপ লাওদুনা মনাক্তা লেপলম্মী। তাজা অতুদা হাও নিপা অমা মখুত্তা তা অমা পাইরতুনা লোইবী চীংদোম্দগী য়াম্না কম্না চেম্ব্রক্লম্মী। অতুগা "মাওলে তৌরিবসিদি !!" হায়তুনা মখুত্তা পাইরকপা তা অতুনা হাওনুবীবু চিংখৎলিবা কৈজাও অতুগী মওকশমদা থুম্না লেংলম্মী। অদু ক্কাওবদা কৈজাও অদুনা হাওনুবী অতুবু থাদোক্লমদে। অতুদগী হাও নুপা অতুনা তা:থাক অতু পায়রগা য়াম্না কম্না মুক্লম্মী। থুদক অতুদদি কৈজাও অদু লোংনা হায়থখিতুনা লোকথাদা থরো থরো ওম্থখিরম্মী। অদুদগী হাও নুপা অদুনা হাওনুবী অতুবু নীংথিনা পমখৎপিরম্মী। মতম অতুদা খওহৌদনা অতোপ্পা কৈজাও অমসু চোংশিল্লকতুনা হাও নুপা অতুগা অমুকসু য়ামনা কম্না লাক্লম্মী। থৌদোক অতু উবনা ঐ অসি কিবনা থক থক নিক্লম্মী। অতুদগী হাওয়াম অমা অতোপ্পা চীংমায় অমরোমদগী লাও-খোওলতুনা মখুৎ মখুৎতা য়োৎ-থাং তানচিংবা অমমমগা লোয়নতুনা য়ামনা কম্না চেনশিন্নরক্লম্মী। অতুদগীদি ঐসু অতুম মীকপ থোরক্কে। অসিবু কম্রি মওলামো?

পোকাওনগী ওসিগী মওলাল অসিওয়দি থক উজখিদ্রি! মতমসু নুমিৎ তারমদাই ওইনা তৌই। হাইয়ু ইবুংঙো! ঐখোয়গী পুন্সিগী খোঙচৎ অসিবু খওংহৌদনা অরোইবা মতমগী, নুংঙাইরবা তায়-বঙপানগী ঈপাক্তা ঙমখিরবা অরাবগী মমি লাংশিন্নগদৌরিবগী খুদম্না?

ওঃ য়েংবীয়ু! নুমিৎ অসিদগী হৌনা, নবকিশোর যামিনী অনিগী মপুন্সি মমি শান্নরে। মতম অমদা মখোয় অমিনা মুং-ঙাইরবা মখোৎ কারককগী নীংথিরবা অয়ুক্তা থুজেং পানোন্নদুনা নুংশি ঈপাক্তা ঈরোইমিন্নখিবতু, হৌজিক্তি অমুক অরাবা ঈপাক্তা অরোইবা চাংজোদা থুংলগদৌরে। ওঃ পাম্মুইদা নবকিশোর! যামিনী! নরাইবক্তা তমম্রবোইদে!!

যামিনীনা মহাক্কী মওসাল নীরকপা মতম অসিদা নবকিশোর মপুক্কিং য়ায়া হায়রম্মী। অদুবু মপুগী নোংদম্মি হায়দনা থয়দুনা হায়রকই—"যামিনী! নহাক নথরাই য়ায়া হায়রবরা? পুম্নমক অসি খোইয়ুম মাগী খৌজাল ওরি। পুন্সিগী অরোইবা নুমিৎ অতু লাকল্লিবা কাওবদি নং ঐগী তায়বংপান অসিদা অয়া নুংঙাই কয়া করা খোক্কখিবা য়াই। মতু পুম্নমক ঐখোয়না খঙবা ওমদ্রে! অদুগা হৌখিবা পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক্তি কপতুনন্তা লেনমিন্নরক্তে। অরা—নুংশিদী থৌদোক ঙাক্তা ওইরে। অতুনা হৌজিক্তি যামিনী! নং ঐ খোইনা য়ারকবগী কাররে। হৈরাংবা হৈমুন কারগা; শাঁওনমতু জেখোক লোয় রগা লেমায়খক্তা কৈনখিবওম, লোংবদি ঐখোয়সু শোয়দনা পুন্সিগী তায়বও চেংজেন লোইদুনা মপুগী থুয়া ঙামখিনি। কনিমক্তা য়াকসু যামিনী! মতম মতমগী

খোঙলোই মতুংইনা চৎকদবনি। নং ঐগী অরা মুংঙাইবগী পুন্সি হৌগ্রে। করিগুম্বা মতম অমদা অরা ঈপাক লাল্লগা নুংঙাইবা খোঙচৎকী নীংখিরবা পুন্সি খোঙ:হৌ'মা লাকখিনি। মতম অদুদা নুংশিবা শক্তমগী ঈচেন চেন্নখিনি। অমরোমদসু ঐখোয়দি কাওশীংগী পান্দম্নি। মতম মতমগী ঈচেন্দা তাওগদবনি অমসুং লুপকদবনি। ঐখোয়না করি তৌজবা ওয়া নত্তে, অঙ্ক–ফত্ত পুম্নমক মপু মহাক্কী খুয়াদা শিন্নজরগা লোইন্রে।" তৌইগুম্বসুং যামিনীদি অরাবা রাখলগী ঈপাক্তা অদুম ঈরাক্লি। অদুদগী ঙাইহাকতং লৈরগা–"অমুক চৎলসি যামিনী! হৌগৎলো, থেঙহ্ননি, নুমিৎ তাখিদ্রিঙদা লোইবী কসোম চীংজাওগী ঈপা খুল্লাকপগী ময়ুম তান্না কাহৎহৌসি। হোরেন মমশিনখ্রগা হবচাং রারক্কনি" হায়দুনা মখোয়গী হাওসম অমসুং লেংকোৎ পোলাং পোখৎনরম্মী। অদুগা মখোয়গী নুংশিজরবা মপাল্লী নম্রা অদুবু মমাং থ:না খরা অমুক চৎহন খরা অমুক পম্নী তৌদুনা রাংথ্রবা লোইবী কসোম চীংজাওগী ওম্নবা চীংমায় নাপোম অদুদা মতেক মতেক লোইরোই লোইরোই মাইগ্র অনিমুক্কী অশাংবা লম্বী হায়গৎখিদুনা নুমিৎ তাবুম তাবুম তৌরকপা মতম অদুদা য়াম্না রানা কসোম খুল্লাকপগী ময়ুমদা থুংখিরম্মী। অদুদগী খুল্লাকপদা "ঈপা! ঐখোয় অমুক পোইরে মৈতে তম্পাক্তগী হঞ্জরক্লে। ওসি অহিং অসিমদি ঈপাগীদা অসুম পজ্জরগে। চথোক্তনা চৎজবনা ইচ্ছাসি য়ামনা রাক্রে। হন্নেং ইমুং ওাক্লগা অমুক তন্না থম্নাংগী ইয়ুমদা চক্তখিগে" হায়দুনা অহিং অদুমা খুল্লাকপগীদা পনখিরম্মী। খুল্লাকপনসু মপুক্কিং য়ামনা মুংশিনা অমসুং হন্নাওনা "করে, করে, ইচাশা! ঈপাগীদা মুংঙাইনা

গোখাদুনা লৈজরো" হায়না তাকপীরম্মী অমসুং গোইরৈ মৈতে তম্পাক কুমলুবগী মরমদা ঋারী-ঋাখোঙ থরদং তৌহনগা ঋাররিনি হায়দুনা চাক-ঈশিং পীজদুনা অদুম তুমহনস্রে।

কসোম থুম্লাকপগী মমুমদগী নোংগাম্লগা নুমিৎ তরং তরং হুন্দোরকপা মতমদা "ইপা! নচা ঐখোয় অমুক ঙম্লিঙৈদা থম্লাংগী ইযুম য়োনবা চঞ্চরগে" হায়দুনা লোইবী কসোমদগী মাইল তরুক-লোগ চীংয়াঙগী লম্বীদা অদুম চংখিদুনা অয়ুক্কী চাক-ঈশিং চান-থরুবা মতমদা লোইবী থম্লাংগী ময়ুম য়োরম্মী। তৌইগুম্নসুং মতম অদুদা নবকিশোর অমদি যামিনী মখোয় অনিগী তান্নবগুপান অদু লোইরসুনা, অমুক ইনৌ নৌনা পুমচীক চৌকপা অঈংবগী মতম্পাক্তা য়াতাখিবগুম থোকখিরম্মী। অদুগা লোইবী কসোম, থম্লাং চীংজাওগী পুক্লিং হুনবগী মচুক ওইনা ফজগ্রবা নুংশিরবা শক্তম পুম্নমক অদুসু হোংখিদুনা অন্নাবগী শক্লোন ওইনা ইমক মকশিম্না উখিরম্মী।

মতম অদুদা নবকিশোরনা হায়খি— "করিমতা ঋারুনু যামিনী! মতমগী ঈথিল ঈরৈনি মসি। য়েংউ! মালেম পৃথিবী শিনথুংনা ঙাম্লম্বা নুমিৎকী মঙালবু অমম্লনা থগুহোদনা উমখিবগুম অমদি তায়বগুপানবু য়োংলগে মতাঙম মমলম্বা অমম্নু ইরাই লাইনা অঙানুবনা মাগুহনবা মপুগী মহৌশানি।" যামিনীসু "তুমই করিসু থোইনা ঋাফম থোকস্রে। হৌজিক্তি পুন্সি য়াচংলক্লে, লোয়্নেন শাংনা য়াতাবা মতম ওইরক্লে।" হায়না থুমজরকই। যামিনীগী ঋাহে অসি তাবদা নবকিশোর অমিম্না মশি তাখিবা থগুহোদে। অদুগা "পুন্সিগী লোয়্নমরুবী থম্মোইগী যামিনী!

তায়রবও ভুমখুল তানগ্ৰবস্থ করে কৈদোঔ" হায়না অতপ্পা ঙ্গাহৈনা হায়খি। খামিনীস্থ অদুম "ইং বুংঙো" হায়না কপ্পি কপ্পি তৌনা থুমজে। মতৌ অসুম্না নবকিশোর খামিনী পোইরে মৈত্তে তম্পাকৃতগী হনগ্রগা লোইবী থগ্নাং চীংজাওগী ময়ুমদা ভাইহাক ঙ্গাংলেন পুংখাইমূক অঁন্না নুংশাংখি।

১৮শুবা মতাং

ঙ্গাওশওগী পেচকারী মতুং নোংমা ফুমিৎকী অয়ুক পুং মাপললোম তাবা মতমদা মাইরাম শ্যামানা মহাক্কী ময়ুমগী মাঙোম্দা লাইরিক পাদ্দুনা লৈরিঙেদা ডাকঘরনগী চিঠী অমা ডাকপিয়না থিন্নরুম্মী। শ্যামানা চিঠী অদু ফাক্‌তাকৃতুনা য়েংবদা মরোল মথাগী অসুম্না ইরম্মী।

চানখোইরবা মরূপ শ্যামা।

অমদি ফুংশিরবী ইচল অথি।

মতম কুইরনগী তুংদা অমুক পোকক্কম অমদম রৌজরক্‌তুনা ফুংশিরবা ইথা ইগা জাৎসুং চান্নরবা মরূপ-মপাং অনুমক উনবা ফংজরে। অদুবু মতম অনুদা ফোংদোকনা ঙ্গাবা মতাং অহিক খোকখিদনবা নোংজালকনগমত্রে। অদুগা শক্তী শক্তী কৈথদি উমদুনা ঙ্গারী-ঙ্গাতাই শাগিরখিবা অদু মায়ুবনা মিতগী দি ভাথিবা শকহোৌল।

ওসি, হ্যাওক্তি শেংতুনা নিপামচা অমগা লোক্লনা [illegible] থয়াং চীংজাওগী তাংখুল হাও ওন্দুনা মরুপকীয়া ওয়াংমাক উশিং থকতুনা পল্লবদো, মতম অমগী নবকিশোর অমসুং যামিনীবু নীংশিংবীয়ু। অদুগা নিপামচা অতুনা মতমগী মতুংইন্না পীনবীবা ইচানি। ইয়াইবক্তা ইমা ইপা কায়নদনা, মরুপ মপাং শেংনদনা অমদি পোক্লকম পোইরে লমদম থাদোক্তুনা ঐখোয়গী মেৰবাক। মতম কুইনা পুন্সি চুপ্পা লৈমিন্নৌ তমখিল্লবাল্লে। ৱারৌবীগনু, যামিনী, ঐখোয় অনিবু ওাকপীয়ু। মসি পুন্নমক নহাজমুক্তী মপোক লাংওন্দা ঐখোয় অনিনা তৌজরকপনা হন্দক্তী মপোকসিদা ফংলরবনি।

নখোয়গী—

নবকিশোর, যামিনী।

চিঠী পারুবগী শ্যামা মমিতগী মপি তাখিরম্মী অমসুং "ওঃ নবকিশোর! যামিনী।" হ্ন্নরা য়াম্না নুংশিনা খঙ্গোই শোয়া শোল্লম্মী। অদুগা মতম অদুদা ইমুংদা চাক থোংজিবী মহাক্তী সখিবুস্থ কৌথোক্তুনা "লেংট সখি! নহাকসু চিঠী অসি অমুক্তা পাও। মতমা অক্লবওনা তৌরিব্বসিবু? হৌজিক্তা তাকমরদগী থুংলরিব্বনি" হায়না শ্যামানা চিঠী অতু সখিনা পীরম্মী। সখিন্ন করিয়া হায়রিবা অসিবু হায়দ্বদা চিঠী অদু তৌদুনা পারম্মী। [illegible] [illegible] [illegible] মপুক্তিং থাজনুং মুংশিনবতুনা মমিতগী মখি [illegible] [illegible] [illegible]। মতম অপুর্ণ [illegible] সখি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাওশিং [illegible] ঐখোয়গী, মতম অমগী

চাম্নবা মরুপ নবকিশোর অমসুং যামিনীনি। অদুগা মুপা মচা অনুবুনা মখোয় অনিগী মপারীনি হায়না খঙখিরম্মী। অদুদগী সখিনা হেক্তা মখোল খোক্কা—ও খোইনৌগী ইতা যামিনী! নুংশি মগুং লাজি পাজল শোনবী নহাক্না লোইবী থম্লাং চীংজাও ফাবনু য়াদবরনে চামবী! অদুগা জাতি তোঙানখিবনা পোইরে মৈরথুক্কী পনমুংদা অমোৎপা লৈহল্লম্মোই থনবরা?" হায়না হিক্রা হিক্রা তেংথাত্নুনা কপ্পকই। অসুম্না মতম কুইনা উনখিদ্রবা অমস্তুং নিংশিংখিদ্রবা মরুপ অনিগী য়াম্বনদা লুপ্তুনা হাংলেন পুংজা অময়োম শ্যামা সখি অনিমক লৈরুরে।

শ্যামানা চিঠীগী মরোল অদু হায়দোকপদা থোইদোকপা অকায়বা লৈরোইদৌমাল্লে হায়না খদুনা যামিনী অমস্তুং নবকিশোরগী মমা মপাদা নিংখিনা মরম তুগাইনা তম্লম্মী। মতম অদুদা নবকিশোর অমস্তুং যামিনীগী মমা মপা অনিমক হিক্রা হিক্রা কপ্পরম্মী। অত্তুদগীদি—"নহাক চুমিদাংয়াই য়াচংলকপগী মতম অত্তুদা ঐখোয়দা চঙঙক্লুনা চাক ঈশিং চায়দা অহিং লেকখি। নোংঙাল্লগা অমুক ইক্কাল চৎকনি হায়ত্নুনা চৎখিবনি। মখোয়না ঙাংলম শক্কমদো হৌজিক্তি য়াম্না নিংঙম্মকয়ে" অত্তুগা অমনা—"ওয়াং অয়ুক্তী চাক চাম্নবা মতমদসু ঐখোয়গীদা লাক্লম্মী। য়ারী য়াতাই ঙাইহাক শাম্নখি। মখোয়বু উবদা পংমুংদা মুংশিবা পোক্লকই। অদুনা ঐখোয়গী অখোংবা চাক ইথাং ফাওবা হাম্লীখি। অত্তুগা চুপাং অহমথকসু য়ানবিরক্লুনা মকক মকক ককথংশিরনা মখোয়গী হাওজক্না হাম্লীখি।" হায়না মহৈ মহৈ য়াগী য়াখোত লীময়রে। অত্তুনা—"ওহোকনমি! বদুধিদা অতকপনি! অপুনী

তাল্লবওপানসে চহি কুম্লাং তয়ামাথোই—তয়ানিথোইগী অমাংদা উথিবা ইচাশিংগী শকওইশিং অদুবু ওমথিল্লবা মতমগী ঈচেনা ইলাই লাল্লনা হোংহনখিবা ! ইনাক্তা অমুক লাক্লবা কাওবদসু খওবা ওন্নবগী পাল্লল পীখিদবা তৌইগুম্লসুং নুংশি ঈচেদি ঝোইনা হেন্নদুন্ন কল্লা লোম্মা থুপ্পা অতৎ অথন লৈতনা নক্কা চেনহল্লিবা” হায়দুনা য়াম্মা মথক্কাই চাক্লখিল্লম্মী । অদুদগী ওাইহাক্তং লৈরগা অমুক শ্যামাদা “ইবুংঙো ! মখোয় অদু হৌজিক কদায়দা লৈরমগনি ? অা লোইবী থম্লাং চীংজাও তাম্মা চৎলমলগম্রা ? ঐখোয়না থিজরুবদা শোয়দনা ফংগম্রা ? অমুক থিরুবগী অকায়বা করি লৈবগে ?” হায়না হংলম্মী । ক্লাহং অদুদা শ্যামানা—“ঐসু অরেপ্পা হায়বদি ওমজদে ! চুম্নগী চিঠিদা হায়রকপা ক্লারোলগী মতুংইন্না থাজবদগী তমজবতনি” হায়না খুম্লম্মী । মতম অদুদা কৈরোই লৈকাইগী মীসু য়াম্মা তীল্লম্মী । অসুম্মা ওাংনল্লিঙৈ মতম অদুদা মণিপুরগী চেফোং পাউজেল চেদসু নবকিশোর অমসুং বামিনী মখোয় অনিগী মরমদা ইবা অ।টিকল অমা ক্লাওরকলে হায়না পাউজেল (খবর) পাবা কনাগুম্মা থরগী মচিন্দগী তারম্মী । অতুপা শ্যামাগীসু খুদক অদুদা নুমিৎ খুদিংগী পাউজেল চে লৌদুনা পাবনিনা অওাং অমনা নুমিৎ অতুগী পাউজেল চে অমা পুরক্তুনা পীরম্মী । মতম অদুদা মী ময়াম অদুসু তানিংঅনম্রতুনা শ্যামাদা—অমুক্তা থুনা পাবিয়ু তাসি হায়রম্মী । শ্যামাসু ক্লামনা থুনা খওনিংবগা লোয়ননা মীয়াম অদুনসু তানবা কাউনা পারম্মী । অতুদগী থম্মা পারগা “জাৎ ওনবা” হায়বা আর্টিকল অমা ক্লাওরম্রে । অতুনা মথাগী ক্লায়নশিং অসি ইরম্মী ।

"জাৎ ওনবা"

লোংজাদা ওনিদি। মতম অমদা খোঙ্গাল কিয়াম সিক্কাইদগী অনিকমক, যামিনী হায়বী কেনাবী অমগা থাওয়ম নবকিশোর হায়বা পাথাঙ অমমা মোৎমতদা অহিং অমদগী মাংখিনখিবা অদু হৌজিক লোইবী চীংজাওগী থম্বাং হাওখুল্লা তাংখুল জাৎ ওন্দুনা লৈরকপা অদুগা মমিংসু চীংগী হাওগী কোলোয় মিংলেন লৌদুনা যামিনী ব্রাহ্মণীবুনা "শওনু" নবকিশোরবুনা "অংমবা" হায়না থোনজ্রে। মচাসু চহি তরুক তাৎ থুরবা নুপামচা অমা লৈরে। মসি কনাগী মরাজ নত্তে। মতম অদুদা লোইবে মৈত্রবাকী চৎনবীদা করিগুম্বা অচৌবা অকাম্বা অমা ওইবনা অমুক হল্লকপা য়াখিত্রবা খোংচমদা লোইরে মৈত্রবাকী চৎনবী পরোমগী ঈম্রাংমা লানখনি।

অমেবী অমসুং শওনু
থম্বাং হাওখুল।

থাঙ্গেংশেংনা লোইরে মৈত্রবাক মণিপুরগী পাউজেল চেদা নবকিশোর যামিনী লোইবী থম্বাং চীংজাওগী তাংখুল হাও ওন্নে হায়না ফোংলকপা অদুদা যামিনী অমসুং নবকিশোর মখোয় অনিগী মথা মপা অসি অমুক করি তৌনিংঙাই লৈখিদ্রে। হায়নিংঙাই লৈতনা অত্তাবগী মরক্তা অমুকসু অত্তাবা ব্রাহ্মণগী ব্রাংলবা থাক অমা থওদোক হাপখিরম্মী। অদুগা মতম অদুদা অতৈ মী মরামগী মপুক্কিংদসু নবকিশোর, যামিনী অনিবু খোইদোক্না হুংখিবীবা পোক্লবা উম্ববদে।

অদুগা সখিসু অমরোমদা মতম অসিদা মনুমদা চীঙকাওনরিবা মখোইনোগী মতা যামিনীখোয়বু নুংশিবগী কাওতমল্লা মখোইনুংগী মৈচাক অদু কোংদোক্তুনা মপুক্কিং য়ায়া নুংশিনা হিক্কা হিক্কা কপতুনা অহুম ঈশৈ ওইনা শক্লি।

ঈশৈ

পাইখরে তরণী গোষী চেক্কা,
অহাংবা থয়াং চীংজাও তম্ম,
অচৌকপা লমদম য়েংনা তায়া,
পোইরৈ মৈয়বাকপু য়েংজয়গা
ওইরম্মীকো খোইনোগী চায়বী
চীংনুংগী তায়াদি ইতারোই ও।

হায়রকখি শ্যামাসু মতমদুদা অহুম্মা—

"য়েংউ সখি! মতম অমগী শাবী-শানৌগী শীংদা নবকিশোর, যামিনী অনিগী মপুক্কিগী মখোং কায়রকপা মতাংদা, অগাম নুংশিগী পনথুং য়োনবা তানবদা, লম্লেন পোইরৈ-মৈয়বাক্কী পুরম পারমগী ওইবা কম্লবা চৎনবীগী চেকশিন্না থারিবা য়াংল্লবা গম্লোমা তমথীরবা অচৌবা য়েরুবা অমা ওইনা লামোই চম্মা কোইশিন্দুনা লৈরম্বদগী নাম্বোক্তুনা লোয়া কনা অমতা ইমও-থওহৌদনা হেক চৎমিন্নখিবসি, করম্বা মতমদা কমাইদসু খোকখিল্লিবা অমদি মতুংদসু গংখোক খোয়রক্লোইলবা ল্লাউরবা অওকপগী মশক ওইরবা খোমোম্জী ঈচেমি হায়রনা ক্লাউওরকলা অহুম মথং-মথং তুংগী মীয়োলশিংনা মাজেম [illegible] ওইরগনিংকো। উম

অসিরা ? কজিদা ? হে মৈত্রবাক্তী চৎনবীবু হ্রেকশিল্পা থাম্বিবা রাংজবা [illegible] থাংমদা খোইহুমলী নোংদম্রেখোল ! তুত্রিয়্য......
আসরা......তম আসরা...... হুখাইহুমলী নোংলেমখোল !"

১১শুবা মতাং

আঃ ওয়ত্নোকপনি ! নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিগী অরোইবা পুন্সিরোলগী নুমিৎ অদু লাকবোইদো । যামিনীনা নোংমা লোইবী কসোম চীংজাওগী চীংথোঙদা পামেল উখাদা গোথাবদগী তুম্লিতে, খঙহৌদনা মঙথিবা অঙজ্যান অদু [illegible] মশামক্তা চপ চানা থাম্বকওদা অমুক খোল্লরে । নবকিশোর, যামিনী অনিগী মরাইবক্তা অতম নুইনা পুন্সিয়ু ভমখিল্লমারে । লোইবী চীংগুংদা মখোয় অনিমক্তী [illegible] মথল্লাই মাওঙ্ [illegible] । খোইদৈ মণিপুর [illegible] [illegible] [illegible] নুমিৎ মঙা [illegible] নোংখা নুমিৎ [illegible] যামিনীনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোইবী [illegible] চীংজাওগী [illegible] [illegible]

[illegible]

কোন অয়ুবা অদু লুপশিন্দুনা [illegible] শিং শোকপা লাক্লরিবে মতমদা মফম ইম্ [illegible]-মতহৌদনা পাম্বা [illegible] অশোংবা নারকতগী চোংথোরকৃতুনা থাম্মিনীগী লুপমদা তাকতুনা শোওমবা অওমবা চীংমাম্না নাপোম অতুদা শোরো শোরো চিংথংখিরম্মী। মতু উবদা মপারী নম্বা অতুনা পাম্বংপগা লোম্মনন্না ম্নাম্না অকি অথংবগী থোম্লাউদা—"ওঃ ইয়া !! ওঃ [illegible]" হায়না খওলাউ লাউখিরম্মী। মতম অতুদা নবকিশোরমু লোইবী পাম্বী য়ারুবদগী হন্নকপা মযুমগী লমীদা ফংতবা থুদমগী মফম ওইরবা শক্তি শওাইশিংগী য়াক্লবা খোজেম্মা মতম চাদনা অরাক অরাক্লা মশক উবা ফংদবা মফম খংদবা মায়কৈরোমদগী থোংলকপা অমুক অনিরক হেক হেক মহাক্লী মনাকোং অতুনা তাখিরম্মী। থুদক অতুদা নবকিশোরনা "ইস! করিনো? ওসিগী মতৌ অসিদি! —[illegible] অরাইবা পুংফম হায়বতু লাক্কবরা?" হায়না মপুক্কিংবা [illegible]। অতুম্না মপুক্কিংদা [illegible] অবাবগী [illegible] [illegible] [illegible] থোওলে থুনা মযুম লমদম তম্লকম্মী। ওঃ ওম্মোকপনি! মযুম হেক য়ৌরকপদা মওাইরিবে অকী অথও পোক্লবা মচা নুপাগী থম্মোই শোক্লবা খোজেল খোম্লাউ অতু হেক তুন্তুংন্না [illegible]। [illegible] নবকিশোরমু অমুকতু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওক্লা [illegible] [illegible]॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]॥

ঈশৈ

অরোইবা পুংজানি,
থয়াং পোন্দা চাক্তাবা
তমগী পোম্বী চেক্লা !
হন্দক মপোক মাংওনগী
পুন্সি য়াচংলে,
অন্না মৈশা লাংলরোই
তারবত্ত তুমথুন তাজনি।
হা তমগী পোম্বী চেক্লা ও!

অতুদগী ঈশৈগী মরোলসি হেক মাওথিবদা থিন্দনা নবকিশোর মথুক্তা তা অমা পায়দুনা ঈশিংখোং তন্না য়ান্না কয়া চেম্থিরম্মী অমসুং মহাক্কী নুংশিজরবী যামিনীবু পান্না কৈজাও অমনা শোওলবা অওয়া চীংমায় নাপোম অদুদা চিংথংলয়া অদু ফংলুরে। মতম অদুদা নবকিশোরনা মথরাই য়ান্না শোক্লা, মথৌনা মরিংজেল ফনা যামিনীবু কনগে হায়বগী য়াথন্দা কৈ তন্না প্রপ-প্রপ চেনশিনখিহনা মথুক্তা পাক্লরকপা তা অতুনা কৈগী মথবাক্তা থুন্না থিল্লম্মী। মহু ফাওবদা কৈজাও অতুনা যামিনীবু থালোক্লমদে। অতুদগী নবকিশোরনা তাখোক অহু পাইরগা খাওমুক মুক্লম্মী। মতম অদুদদি কৈ অহু লোংনা হায়থখিহনা লোকথাদা থরো থরো ওহুখিরম্মী। অসুদগী নবকিশোরনা তা অহু থয়গা থম্মোই ফাইরবা য়াহেনা ওঃ ইথয়াইদগী হেক্লা মুংশিরবী ঐগী যামিনী! করি মতৌনো তৌরক্লিবা অসিদি?" হায়দুনা যামিনীবু নিংথিনা, তন্না পায়কদ-পিরম্মী। অতুগা অঃ মপুন্সিগী অরোইবা পুংজন্না!! ঐগী পুন্সিগী

যাম্মিনী! করি মতৌনো ? মওলা তাম্নবওলা ? আঃ মতম্‌ [illegible] ঐনা হায়খি ঐগী থম্মোয়গী যামিনীবু পুন্সি চুপ্পা থাদো[illegible]। অদুবু ওয়িদি, আঃ” হায়না মথরাই মোক মোক চারা কপ্লমই। মতম অদু কাওবদি যামিনী য়াইবী মথরাই মাংলমদ্রি। নবকিশোরগী মথোল হেক তাবদা মমিৎ থংগাং পাংথোরকুত্তুনা “ইবুংঙো! ইবুংঙো!” হায়না মখোজেল য়াম্না পিক্লা অরাবগী অরোইবা লোজেসনা কৌজরম্মী অমসুং ইবুংঙো! নহাক্কী পুন্সিগী যামিনীবু থাদোকপীগনু” হায়জররকই। অদুগা য়াম্না তপ্না মখুৎ হায়দোক্তুনা নুংশিজরবা মপারীবু—ইমাগী ইবুংঙো! ইমাগী ইবুংঙো! ইমা থোম্মাং অমুক্তং ইরমগে লাও!” হায়না কৌশিজরম্মী। অদুদগী অমুকসু খওহৌদনা মিকুপ অদুগী। মনুংদা কৈ মথি ফোংলকুত্তুনা অতোপ্পা কৈজাও অমসু কৈবন হৌদুনা নবকিশোর, যামিনী তম্না চোংশিল্লকম্মী। মদুদসু য়াম্না কম্না নবকিশোরগা লাক্লরম্মী। ওাইহাক পুংখাইমুক্তং লাক্লরবা মতুংদা পাম্বা কৈজাও অতু মতোমতা তুথজখিরম্মী। তাজাদুদা নবকিশোরসু উচিন নাচিম্মা য়াম্না রানা যামিনীগী মনাক্তা উপ্লাক্লা শিৎতুনা চওশিনখ্রে অমসুং যামিনীবু মহাক্কী মতম্পাক্তা মোন খাওহল্লম্নগা করি অমতা নিংশিংবা লৈতনা অদুম পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ্ত “আঃ যামিনী! পাম্রী ইবুংঙো!” হায়রম্লগা তুখখ্রে!

ওঃ লোইরেকো! নবকিশোর! যামিনী! হয়ক মপোক্কী নখোয় অনি লোইরেকো! নখোও থোক্না লোইবী চীংজাও কায়গা অচিকপা লোকুংং তাম্না নমং থিবা চৎপম্না ? অসিরা ? মংশিররবা মমা মপা কায়নতুনা, চায়ুরবা মরুপ-মপাং শেৎনদুনা অমদি

পোক্লকম লমদম নুংশিববু থাদোক্তুনা পোইরে মেল্লবাক্তী চংনবীগী মীয়াংগা মানবদি ?

অকিবগী মশক ওইরবা তু চুংলবা থৌদোক অসি মতম পুংখাইমূক্তী মনুংদা থোকখিবনি। অদুগা অতোপ্পা লোইবী চীংমায় পাক্নৌ অমদা হাওয়াম অমসু থবক ওয়মদগী থৌদোক অসি উনরক্তুনা চেনশিন্নরক্লম্মী। তৌইওয়সুং হাওয়াম অদুনা য়োনরকপা মতমদদি—নবকিশোর অমসুং য়ামিনী পুন্নপ কোয়তুনা থোনখাংনরগা অতোপ্পা মপোক লাংওন অমগীদমক তায়বওপান থাদোকখিরম্মে। অতুগা মতম অহুদা নুংশিরবা মপারী নল্লা অতুনা মহাক্তী অমং য়াইথোঙ কুমথ্রবা পলেম পঙ্ক্ষৌ অনিগী নাক্তা ওন-থোইদুনা মপুক্নিং য়াম্না নুংশিনা ও থোঙনা পলেম পংক্ষীবু কৌদুনা কপ্পম্মী। অদুদগী ঙাইহাক্তং লৈরগা খঙহৌদনা অতুম লোইবী নুঙাইথক্তুদা থোয়েন য়াতাখ্রে। মতম অতুদা লোইবী থম্লাং চীংজাওগী খুল্লাকপা অতুস্থ য়ৌরক্লে। তৌরম্লিবা মতৌ অতু উবদা থম্লাং খুল্লাকপগী থম্মোয় অতু কায়খিরম্মী অমসুং থরো থয়ো ওন্দুনা মথরাই চাক্লা কপম্মী। অদুগা তকসি হোন্দুনা—আঃ ওসিদি নিওমদবগী নাপোম থুংনা অবা-নুংশিগী খায়ী মৈরিনা লাম্মে চাক্লুম কোক কোক কোক্লা চাকখ্রেদা। অসিরা ? মতম অস্থক কুইনা ঐগী অবাংবা চীংজাও, লোইবী থমূলাংগী পোন্দা মতু শোন্নবা তমগী পোম্মী চেক্লাম্নু ব্রানা হোইশাংনা য়োক্লকগদি ! ওক্লবরা ! অবাংবা লোইবী থমূলাং চীংজাওদা চাক্তাবা ! পেল্লবরা থকপা ? চীংখুংগী অকনবা, অইংবা লাইজ ! আঃ তমকক্লম্বরা ? তমখিরবা শাহিং-ভাহিং পাম্বা শান্টকপী মথমাক্তা হাইবী মথম্রায় মাতকু হাক্লমা !

আঃ ওসিদি, ঐগী থম্মোই অসি পুন্সিগী অরোইবা কীতাম হোংলেদো! থরমনিকো! থম্মাংগী খুন্নাকপনা, মতম চানা কোংলে মতম অমদা, লোইবী থম্মাংগী ইথুন্দা মহুম চাওনা শাররুপা। অদুবু লোইরেকো! ওসি মথৌ। আঃ লোইরগনি খুন্নাকপা ঐগী ইপুন্সিসু। থুনমক তমগী পোশ্বী চেক্লাগী তুংইনম্লগনি। অহুনা সোইবী থম্মাং খুন্নাকপগী ইথরাইনা পেনবা ওইরগনি। পীরবনি, ঐগীসু থাদোক্লবগী লোইবী থম্মাংগী ইথুল। ওঃ পাম্মূবনিকো! মতম চাদনা ঐখোয় লোইবী থম্মাংগী পোন্দগী পাইখিবা তমগী পোশ্বী চেক্লাসে। আঃ লৈহৌরোকো অচিকপা লমদম অসিদা! ইচা অনিগী ওসি অরোইবা নুমিৎ ওইরম্লে। অহুনা পুন্সিগী অরোইবা নুমিৎ অসিদা ইপাগসু কায়নরসিকো! কান্নরসিকো! হায়রমলগা মগুগী প্যান্দমগুম য়াগ্না নুংশিনা —ইবুংঙো! চীংমুং চাদি মুংশিবা! চৎলসি লাকও! হায়না খোমলেন য়াতারিবা অঙাং অহুবু ইরেম্না (নীংথিনা) পমখৎপিরহুনা লোইবী থম্‌লাং চীংদোল কাখৎখিরম্মী।

আঃ পোইরৈ লমলেন মৈত্রবাক্কী বাংগ্রবা পল্লোম্পগী বাংম-খিদুনা ওনম্রবা লোইবী চীংমুংগী তাম্নাগুম, মতম চাদনা অচিকপা লমদম লোইবী কসোম, থম্‌লাং চীংজাও তাম্না তাম্না পাইম্রপা লেৎনখাইনবা লৈতনা পুল্লপ কেশ্মিরখিবা তমগী পোশ্বী চেক্লা! লৈহৌরসম্বু শোম্নবা মিংচৎ ওইনা তাম্নবগপান্দা পোশ্বী চেক্লা অম্নিগী য়াম্না মুংশিনা চীন্নোক-চীন্দিন্নখিবা।

অহুপা হাওরাম অহুম্ মতমমতুদা অমেবা অমমুং শঙমুনি হান্নবা থঙনরক্লে। অমহিকমুং থমৈদদি মমাংঙৈদগী থঙময়মাগ্রবা,

মখোয় অনিগী ৱারী ৱাখোও পুম্নমক নিংথিনা লোইবী থম্লাং থুম্লাকপদগী থওখিরম্মী। মতম অদুদদি হাওয়াম পুম্নমক অজুনা নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিবু অমুক থোইদোক্লা হায়দগী হুংশিনা শোয়খিখিরম্মী অদুদগী নবকিশোর, যামিনী অনিগী ঈ পাউ অমদি লোইবী থম্লাং চীংজাওগী থুম্লাকপগী অরোইবা অনা ওইনা থম্মোই শোক্লা নীংবা কায়খিবগী মওং মতৌ অদু পুম্নমক অসি থুনা পোইরৈ লমলেন চীংতমগী লমদম পুম্নমক পীনবা থুংনা ইরৌ য়ৌনা শম্বোক্তুনা তাহনখিবনী।

অরোয়বা মতাং

নবকিশোর অমসুং যামিনী মখোয় অনিমক পোইরৈ মণিপুর তম্পাক্তগী হনখ্রগা তককনিঙবা নুমিৎ নুংশিরবা মপামী নম্বা অমতং থায়্যগা লোইবী থম্লাং চীংজাওগী শোওনবা অচিকপা লোকয়ুংগী লমদম লৈশিংখোংগী মপান অমদা পায়া কৈনা শোক্তুনা ময়াইবী মথক্তাই মাওঙ্গে হায়না অরোইবা অমা-তুংশিনী ঈ-পাউ অমা তাক্লরে। মখোয় অনিগী পাউ অসি হেক তাবদা যামিনীগী নমা, মদুনা কায়বদগী মুক হোৎনা — "ইমাগী ইবেম্মা যামিনী। ইমাগী ইবেম্মা যামিনী। হন্নক মপোকনিংবগী ইমাচিং লোক্কেরকো। শ্রেরনা অমুক অহিংবা অরোইবা খোঙ্দা কৌরম্লগা

থওহৌদনা ম্যালেম ঋৈমায়রথজা অদুম রাম্মুগ্রে। অদুগা মক্তম অদুদা অময়োয়দা নবকিশোরগী মমা কৌবাক্লেম্মু — "ইমাগী ইবুংঙো নবকিশোর! নহাকপু কদাইদনো? ইমাগী ইবুংঙো নবকিশোর! নহাকপু কদাইদনো?" হায়না কৌর কৌরদুনা মতওগা মরম মরাং করিমতা থংদনা ভাওরদুনা অতুম পংচত্তা চৎল্লে। মঙ্গাগী মপুন্সি চুপ্পা তায়বঙপান শেরাগ্লে।

অরাবনি! মচা মতাম্মু 'নুংশিবগী মরম্মা মপুন্সিদা অরা কোকথোং ম্যারক্লবী মমা অনিগী মতৌ অদু উবদা কনাগী থম্মোইনা থাওবা ঙমগনি।' যামিনীগী পাবুং মাজাও অমসুং নবকিশোরগী মপা যুগোল মখোয় অনিসু অমুক মতম কুইনা হিংনবগী রাখল করিমতা লৈনখিগ্রে। অরা-নুংশিগী মৈচাক থাওবা ঙমনরকপ্লতুনা নুমিৎ মরি মঙানিদং য়ামনা রানা রানা লেল্লমলগা অদুম তায়বঙপান থাদোকখিরম্মী।

ওঃ নহাল মথে নবকিশোর অমদি যামিনী মখোয় অনিগী মমা মপাশিং অসি মপারী অমসুং মখোমগী অরোইবা মপুন্সিগী য়াহিপ তানবা ভাইদুনা হিংলম্লিবোইদো!


মতম অতুদা নবকিশোর অমসুং যামিনীবু মতম অমগী চায়রবা মরুপনি হায়না খল্দুনা শ্যামা অমসুং সখিসু মমিত্তা মুংশি পিরাং চেন্না মখোয় অনিগী মথক্লাই মিরেম্না লাইরৈবাক্তা ইংনা লৈবা ফংজরনবগীদমক তায়বঙপান মপুদা চেং-থোইদিং লৈগুন-চিংবা হৈ-রা কচ্চদুনা থুরুশ্মিগ্রখি।

অতুদগী অরোইবগা মতম কুইনগী নীংশিংহৌনবগী মশক অমা ওইনা লৈহৌনবগীদমকসু হায়দুনা মখাগী মখোয় অনিগী

থম্মোইনুংদগী পীগী মীরাগা লোয়ননা থোরকপা নুংশিরবা শৈরেং রাহে থরা অসিসু ইথোকতুনা "কেমখিবা" হায়না শৈরেংগী মমিং অমা থোন্নগা থৌবাল হায়কুলগী চেকোং মেগাজিন্দা হাপতুনা মতম চানা নিংখিনা ফোংখি—

"কেমখিবা"

মাওথরে থওহৌদনা তরূণী পোম্নী চেক্লা,
রানা পাম্মু নুংশি শেৎন কায়নদা
ওত্তা লোইবী থম্মাং চীংছাদা।
লৈহৌরে কপতুনা চেক্লা চীংনুং-চাদি
কায়দোংফম পামেল ফংদনা 'পুন্সিগী
থম্মাং পোক্পা মতু পোম্না।
পান্দম্নে মওকারক্তুম 'পুক্রিংদা চীংবুরোই
কুমম্লনি অরোম্নবা 'পুন্সিগী হিদেন
নীওবা কায়না মওসানগুম মাসু।



লোইরবা

ফোংদোকপী :—

এল, চন্দ্রমণি দেবী

থৌবাল।

ফংফম :—

আর, কে, অপাবী সিংহ

নিউ বুক স্টোর

থৌবাল বজার, মণিপুর।

অহানবা থুংনম—কোপী ১,০০০

এপ্রিল ১৯৮৮ ইং।

মুদ্রক :— থি আর প্রেস, থৌবাল।